# ভাঙোর-পাড়েং

শ্রীমীনকেতন সিংহ

# ঙাঙোয়-পরেং

শ্রীমীনকেতন সিংহ

রাইট পুন্নমক অইবগীনি ]


[ মমল লুপা ২৫ তনি

কোঙলোকপা—



ডাঃ অশাংবম কবিতারাণী

উরিপোক পঙ্কাম মনীং।




খুৎনম অহানবা, ১৮৭১ শকাব্দ

,, অনীশুবা, ১৮৭৪ শকাব্দ

,, অহুমশুবা, ১৯০২ ,,

,, মরিশুবা, ১৯১৮ ,,

নম্বা—শ্রীরাসবীহারিসিংহ,

আর বি প্রিন্টিং হাউস

ইম্ফাল।

নহারোল লোন্দম্লক্লিবশিংদা

# "নমা ঐনি মৈতৈরোল"

ঐগী থম্মোইগী থম্মোই-মুংদা লোল অমা থুপতুনা লৈ ;
মাগী মরোন্দনা ঐ' থম্মোইগী অমুবা মরোল্লি,
মাগী ছৈরেংদনা ঐ' থম্মোইগী অয়েবা শৈরেংনি,
মাগী ছৈছক্তুনা ঐ' থম্মোইগী অথেংবা ছৈছক্লি,
মাগী ছৈদাদনা ঐ' থম্মোইগী অপানবা ছৈদানি।

ঐগী অরা-মুঙাইগী মরোল মঙোন্দদা মুনা লৈ ;
ঐগী রার' থম্মোইগী অঃ-উঃ থেংনা ফোঙিঙ মাদনা,
ঐগী মুঙাই' থম্মোইগী হা হা য়েনা নোকই মাদনা,
মুংশি-মুঙেস্তাল থম্মোইগী 'তারোই শেংনা কৌই মাদনা,
নিপা-থোকপা থম্মোইগী ঐদে তেংনা চৌঙিঙ মাদনা।

হায়নৈ মানা ছরুখি তেংবানগী অহানবা য়াকাইরোল,
লৈছিন লৈহৌই লোইবি-পাল্লোম্ন ংসিদা মাগী থোল্লোল।
ফাজহৌই মীরক্তা মৈতৈগী অশৈবশিংদনা,
পাঞ্জহৌই ছৈইন্দা মৈতৈগী চৈজিং-পেনাদনা,
তমজহৌই চেক্লোন্দা তাম্না-হারী-পীথাদোইদনা।

ছৈরোল অম-নীদং ছক্সিরা অরা-মুংঙাই থম্না লেং,
কুম্নাং মশীং থাঙমদে ছৈদম্নুরে বজ ফীজি য়াল,
ছৈতাল্লুরে 'ববীদা, চংজরুরে সংস্কৃত, মৈথিলী ;
অঙকপনি মথোয়শিংদো মতিক থাঙমদে কনানা ;
'হুবু ঐগী থম্মোইগী মরোন্দদি ফোঙঙমদ্রে মুনা।

নীংথৌংবা পুন্সিদা থেংনবা অহিংগী তাংলোৌদা,
মরোল অমা খোন্নক্লে—থম্মোই মানা পেম্মা তংজরে ;
ছৈরেং অমা ইন্নক্লে —থম্মোই মানা পেম্মা ছকচরে ;
ছৈহেক অমা ফাওরক্লে—থম্মোই মানা পেম্মা হেকচরে ;
ঐ' ছৈদা ছৈছক ছৈরোল পাম্লে থম্মোই মানা পেঙরে।


খোল্লোল অমা ওইরমদরে, ছৈরেং অমা নংলমদরে,
মৈতৈরোম্নি ইমারোল, মৈতৈ ঐগী মুংশিবী ইরোল,
স্মুরবা মরোল, মিরবা খোঙ্গেল, মুংশিরবা ছৈরোল—
হায়রকই "মৈতৈ নংনা ঐগীনি, ঐহনা নংগীনি"
অহানবা "ইমা লৈ" কোনখিবা নমা ঐনি মৈতৈরোল।

**শ্রীমীনকেতনসিংহ**

ইণ্ডা থানিল, ইম্ফাই তাং ১০-১০-৪৯ ইং



# করি করি য়াওরি



# ভাঙ্গোয়-পরেং

—o—

## পুনমচীং

পুনমচীং চীং মচা অমনি। তুরেল অচৌবগী তোর্ব্বাল মফম অমদনি। মহাক অসী কয়া লিরবা কনাগু হায়বা গুবদে; গুমকমসু থোক্তে। অছুদা অসীগী মথৈদদি মথংনৈ, মহাক অসী চহী লীসীং অনীগী মমাংদা মৈত্রবাকসীনা কংলৈ সনাপুঙগুয়োল হায়না কাও-রিগৈ, কংলৈ মাগী অভিয়া মকোয়দা থোকখিবা কোয়ৌ অগুানবা কয়া কয়াগা চেংলৌ শকথংনরক্লবা চীংনি।

থংনরিবা মতম অসীমকী মন্নুংদা চীংলোন কয়া তেমগ্রে, পাংলোল কয়া ফুনগ্রে, তুরেল কয়া লৈচনগ্রে, উমং কয়া কোকগ্রে মতম্না। মাদি হায় হায়গী মতমগুম অসুম মরৈরে, মরৈরি। অছুদি মতম, মাগী মফমদদি খুথীমত্রা? নত্তে, মতমবু কনাগী মফমদা খুথীরুপদগে।

মতমগী মিংয়েং অমদা পোংলম চামা চামা পোকই, মিংলৈ অমদা চামা চামা মাগুভি। অছুদি ঈথিল অমনা কোঙ্গোল চামা থা, ঈহল অমনা কোঙ্গোল চামা য়োং ঈচেয়া শায়বগুম মতম মানা পংশান শায়ত্রা! নত্তে, মাগী মাগী থৌগাই লৈমুনা মতম্না মথোয়মু

পুশিন্নকপনি; মহাক মহাকী থোদাং লোইহনা মানা অমুক, মখোয়বু পুখোকখিবদনি। মখৌ তেনবা ক্যংবুনা থুনা মাগুত্তি, মখৌ-শাংবা কাংলুপনা কুইনা মচম ইরোয়নৈ,। পুনমচীং মখৌ-শাংব শিংগী পখেদা লৈ। অহুনা মতমা মঙগীঃ কাংদা খুম্বীবগুম তৌবনি।

চীং অসী চীংজম নত্তে; মসী ভাইবং মালংপানগী লমজুম-লুং-নি। মসী মিখৈ অসী য়ারক লাইরিক নি। মানা মসী খোয়াইদবা মরোয়া অচং-অখোক পুম্বদা মীপুম থুদিং তিংনা মসী মিখৈরোল লী।

১.

য়াথেনখা, য়াংখুবা মচীল-মনাওনি। মোবানীসী কংলৈ সনাপুংগী নিংথৌনা পোকপনি, মমা অমতগী খোয়জি-নাম্ব-য়াল শাংসনি। য়াংহনবনা অহুন-নি; য়াংখুবনা অত্তোম্ব-নি। ময়াম্বনা মনাওদগী কোয়ৌ মসীং কনা য়াম্না হান্না উই।

ময়াম্বা অসী ঐঃ হায়বা য়াখমা য়াংওইনা লৈক্ষ-চৎপা মীওংনি। মানা মনাও অসী লৈরবদি কয়াল য়াদৈ চেন্নবা য়াই নীং মনাও অসী লোইশিনগে খল্লে। মপা নিংথৌ মমা লৈমা লৈরিবনিনা অকুৎংয়মদ্রদি য়ায়োইদৌরে হায়বা মানা উল্লে। অহুনা অমম্বা লম্বী অমা য়েংলক্লে।

মতম অসীদা কংলা-মাংদা কৌরংবা অমা হৌই। উপাল অসী চাউই, নোংলোল খেং-খেংনা য়াংত্তি। উবাক্ত অসীগী তোসলা কাকয়েন অমা মকুম সাই। মহাক অসী লাইয়োয়বা উত্কে-নি। মসিংনা কাকয়েন-মীওয়া-কৌই। মাসি মতম অহম উই লৈয়াক-

লিয়েন্নী-পেনবা উচেক-নি। মতাংদা নিংথৌ মরাই-তাগনি-লৈথাক মরাই তাগনি, শগোল-শাদু মরাই তাগনি-হায়বা তাকই। করি ভোইক্রে, অায়মগা লৈকংদা, লৈহোং-লৈচাউবা পাকানি অহুত মহায়া হেক হেত্না মতাংকই।

য়াংহনবা। মনাও-অপী উচেক অমীদা লঙহম্নুনা হাংজরগে লীয়েল। মাথা। নোংমা অাত্রা অচাবনা মনাও য়েংহুনা হাংজকই।

য়াংহনবা— ইশাদৌ য়াংখুবা খোমৈ-থকপা নংবু তাত্রা ?

য়াংখুবা— ইশাবী। করি কোলোয়বিনিংবা তাকপিবা য়াগনি।

য়াংহনবা— চৎলু অতোন্! ফৌরংবা কাহুনা কাকয়েল মীঙথগী মরুম লোক্লুচো। ইচীল ইনাও চাসী। শিদয়াই নাদয়াই হায়বত্থ অসিনি। অসি চারথদি ইচীল ইনাও শিত্ত শিররোই, নাও নাররোই, পুক্তি ফুংশাংনা লৈথাক পুত্থনা পাল্লগদৌবনি।

য়াংখুবা— করি য়ানিগে ইশাবী ? অসিদি লওহৈদবা উচেক-নি। মচোন্দা লওঙ রবদি কংলৈ সনাপুংসিদি হিংনা কুম-মদা থ্যাস্তি মাজদোবনি।

য়াংহন্‌বা— ইশানৌ, নং য়েংল্লে। নং ঐগী ঈ মথাক্কা পোকপনি। নংগী নকমদি ঐগী য়াথংদি কোরৌ নোংদা ক্লাকদে, মালেম লৈনত্ত তাক্লদে, তাংজ লুপ্তক্লাদবনি।

মাঙ্গ্লা পারম পুবুচংনা পুন্নবা উপ্তাল মথক্তা কাথে কাকয়েল মীঙথা মরম মাকয়ে। কৌত্র-লাইখা-মা মচৌঙাক-তারি-বা কাকয়েরা তৌরিবত্থ উয়ে, শাগাল-হূতুং মপতুনা পাইবরে, অমুক

অনীরক্তং থক্সদা স্নৌরক্লে। অকায়রম কৌবা চত্তবা লাইওব্বা উচেক-নি। মানা য়াংখুবা য়েংছুনা হায়রকই।

কাকয়েল— ইপা! করিনুঙ্গী ঐগী ইশাইগোল লম্নাল্লম্মিবা?

য়াংখুবা অছু ভাবদা কিযনা থক-থক নিক্লছুনা খুম্লকই।

য়াংখুবা— ইয়াম্বগী য়াথং লুদা থোং ঐনা নংগী নশাইগোল লম্নাল্-লুরে। ঐগী ইবুকথোক্লমক্তি নস্তে। অছুবু ঐনা য়োল্লুবা হায়বছু মথোক্লবনিনা নংনা ভৌগে হায়ব-মা ভৌবিরো।

কাকয়েল-মীওম্বা হুংদাছুনা য়েংলে, থংলে, হায়রকই।

কাকয়েল— চুম্মি, নংনা য়োনগে য়োনবা নস্তে। নয়াম্বনা ভৌদফদে ঊম্থিলবনি। য়াম্বগী য়াথং নাউনা পুবদি পায়ম পুরমচং-নি, কায়ফদে … … …। সে সে ঐ য়া হায়গে, ভাও ইপা! নয়াম্বনী ঐঃনা মাংওইনরে, লৈক্ফ চংলে, নংগী নথবাই লোওঙ্প ভানগে লেপ্পবনি। নমা লৈমা নপা নিংথৌ লৈরি-বনিনা অফোংরমদদি য়াররোই, অরোম্লমদা য়েঙ্গে নীং নংবু ঐনা হাংনবা থারকপনি। নং হৈয়ু … … …। অছুগা নংনদি লওঙ্ফদে, নশা হিংনবদা ময়েঙঙ্, লাইগী বায়েল লাকনি …. … …. নমায় পোয়দনা পাকনি। চংলো চংলো ইপা!

য়াংখুবা মনিংশা হোজরে, ভম্না কুম্লক্লে। ময়াম্বদা মক্কম অমম্ভা লৈরমজ্রে, হয়েং অমুক য়েংসি হায়ছুনা কন্নি থংদবা সা মুক্তোইভবা অমম্ভা উম্ভা লৈরে।

মনাওনা কাকয়েল্দা শিরকৃত্রবদা য়াংছনবনা থম্লকই, "মাবু

কাকয়েন্নদি হাংলকৃত্রে। হৌজিক্তি ঐনা করি কয়ম মাবু হাংলিগে !"

ভুৰা হিল্লা কাওবা মঙোন্দা চঙল্লে। মথৈদা রাখল অমা লাক্লে।

য়াংহনবনা মনাও য়েংহ্ননা হায়রকই।

য়াংহনবা— ইশানৌ ! পম্হৌ অহল মতম ওইরক্লে। মাগী কূয়েল অমত্তং চঙ্ছি, হয়েং ইনীং থুংলবা য়াই।

য়াংখুবা— কৈ কদৌগে ইশাবী ! মত্থুদি গ্লায়া ফবা য়ানি।

মচীন মনাও অনীনা শীংজং থূম্না পায়, পামেল উজাউ অমা য়াল্লে, কূয়েল অমা চল্লে। কূ চনবা লোইরবদা ময়াম্বনা মনাও কূচল্লগে নীং মাবু য়েংহ্ননা হায়রকই।

য়াংহনবা— ইশানৌ ! য়াবমথৈ য়ানা চল্লগা হয়েং পম্হৌ শায়েপ চায়মদা লুঙঙাইরোই। নং অমুক্তা মন্নুংদা হিপপু য়েংসি।

ময়াম্বনা মাবু কূমায় ভুহ্ননা হাংকে নীংলে হায়বা উরহ্ননা য়াংখুবনা খুম্নকই।

য়াংখুবা— ইশাবী ! ঐদি অঙাং মতম ওইবল্লিনা পম্হৌ মাগী শয়েপ ফংত্রি ; ঐনা হিন্ননদি অয়েপ্পা থংলোই। নংদি পম্হৌ শামায়রে, নংনা হিপ্পবদি নীংখিনা থংবা হেক্তা য়াল্লনি। নংহ্নুম অমুক্তং হিপপু য়েংসি।

য়াংহনবা মচীল্লা পুথরকবনা মশাগী নাল্লা থুঙয়ে, হিল্লা ভায়ে, হিপ্লে। ভাক্তা অসিদা য়াংখুবনা কূমায় থোক হাপচিল, হুই ফগা থাজিল হায়রকই।

য়াংখুবা—ইশাবী ! নং য়ায়োবা য়াদে। নংগী মবুক অসি লেপ্তোই-দৌরে। মহাকথংলগী শাগৈ মুঙলগদৌরি. কাকয়েল মীওয়না

ভাক্লকুতুমা ঐ নহায়া থংলৌবনি। অদুবু ঐসে মংগী ঊ মথাক্তা পোকপনি, ঐনা মংবু চুংশিনবা ভাবুদে। মংগী নতুক থগী ফরকক্রা থনববু ফংলক্তবদা মথবদে। মংগী মমাগ মপোথ খাবে। ভনি হায়বা বোংসিদি মংগী মমারবক্তা পুবা মথমদা চংতুনা পালুলুরো, কংলৈনীদনি লৈকদে।

অসী হায়না হায়না য়াংখুবা কুরেল অহু থোকচংতুনা মিমুথোং ভারা পুরে। থোং য়োক্লবদা মানা কু অহু ভগ্না ঈশিংনা ঈষ্বরক্লে।

য়াংহনবা শিবগা চৎবগা শিবনা নক্লে হায়বা উরে। চনাংলা লাম্নবনা লাইগী রায়েল লাকপনি হক মনাওবু শাইরক্লে। মতম থরদং হিংলিটৈদা মাগী অহে।ইবা পুংকম অঙায়নদনবা, থরদং পোংথা লেম্নবা লপ্তাছুম মানা য়েংজরক্লে। মানা মমাও কৌক্লনা কায়জরকই।

য়াংহনবা— ইমাবো ! নংবু তাব্রা ? ঐ নহেঙান্দা য়াম্না য়োনখ্রে।

নংগী নরাল অমতা লৈতে। মংনা ঐবু থারিবা মওং অসীদি ঐগী ইরমচংথী অচাৎননা শিবগা চংবগা অনীদা শিবনা মরূপ ঐদেরে। শিনা অতায়নবদি হাপলমি। ইরাথগী পুদি অসী হৈথারগে। ঐগী মোঝাং মথাদা ভৌজি মৈহৈথছুনদি পীরকউ।

য়াংখুবা কু অহু চিক্লদে ; মমাগ অহৈগে অক মখাবদি ভৌজি পোকত্রে, চক্লোম থকও য়ানরকনে। চখোক, ভৌজি পীনা পীনা মরাক্লা হায়রকই।

য়াংখুবা— ইমাবী ! মংগা কংলে অদু অই ঐনা কাঙ্গা অই শারকবদি মোকথ ঊনিং চংবা ভঞোহংলৌবনি। অদুবু মংনদি মহু পুবা লিল

ওইরবনিনা পাবম পুৱম মুৎশা তাকে মখু থাংদোক্লবনি, থাগৌ-পদু। মসী থৌজি অসি লৈরে। অহুগা চঙোম্ম অসীগা মংগী পম্বুং য়ৌম্ব্রিমখৈ চন্না লোংখজৌ। মসী নমাক্লবক্লা চিংথনব খোংদৈ খুগা পম্বুংগা পোথাক! থমুগ মানা হুবিবা ওইসম্ব।

অসী হায়রগা কুরেল অহু তুরেল মমাম্ম তান্না ঈথোক্লক্লে। য়াংহৈনবা ঈচেল ঈরোয়নবা তাউথরক্লে।

ময়াম্বনা তাউথখিবা উরবদা য়াংখুবা ফুগুত্তাইবক্লে। কুৱেল চিংনা অমুক য়েং তুরেল অমুক মূমা য়েং হায়রকই।

য়াংখুবা— ঈথুং খোংদৈ কন্দানবী লাইজা তুরেল অচৌবা! তাউথরিবা কুরেলসে লাইজা মংসী ঈরোনুম্বুংদা চনকদে। কংদৈ সনাপুংমাবমী অহানবা সনা-লীকথাং ওইনত্তাই য়াওরিবনি, লীক্লাং-লীক্লোইকদে। লাঈজা নংনা নখোনা মাগী পম্বুং য়োনবা থিল্লুকো ......... ।

লমকৈ-চংশা তাঈথং। নংনসি অসী থংদেজো ......... । কমক্লে য়াংখুবা।

২

য়াংহৈনবা মরুক্লিংশিনা তৌত্রি খোংমা খোংনা অম্ম অম্ম তাউথরক্লে। তোটে অমদগী তোটে অমা লান, পুজোম অমদগী পুজোম অমা কা অম্ম অম্ম লাকপনা কোর্নৌ থানা মম নোংজা থাজা শিল লোমা তানমুং তামথুং থৌবথাহাই মৌলোক চেনবা খুলাগা দৈমম-চেনবা উত্তাইদৈবগী খামম-চেনবা ফুরেল অচৌবগী

চীরোক্কনি ঈথায়রাকপনা য়াভাকম ইথায় ঈরেল ঈহল্লাউবদা থুডঙ্-
রে, ঈহল ঈরোয়ননা লৈশিল লৈশিল তাউরক্লে । অরাম্বা খোরাংখনা ক্রোকথরবা মচান্দগী কামথোরকপা হাপপোইনরবা মলিংসা, পংথরবা থুদোলগী থুংহং— অনীগী মতংনরবা তৌত্রিখোল য়াংহনবগী অরাবা মপাউখোলবু ইমুংগী মালংদা অহিক্লনা পাওদম্লক্লে ।

ভাঙ্গা অসীদা ঈথায়-কায়রেম্বগী মচা হৈয়ায়মু লাইজা ঈপাল লোকে থোরকখি । তৌত্রিখোল অচু তাবদা কোয়েং কোয়েং য়েংহুনা মুজা পাইমা মুংদা রাখল তৌরকই, "থমুম কনাগুম্বনা থৌ-গ্রেমত্রা !" মমৈথংদা কূরেল অমনা ঈচেন্দা লৈশিন লৈশিন্না তাউহুনা লৈবহু উরক্লে, তৌত্রিখোল অচুস্থ অচুদগীনি হায়বা মানা থংলক্লে । অহানবদা "কম্বিনো !" খঙ্গানৈ মমৈদা মবুক কাবা ওম্লকুত্রে, লাইজা ঈরোয়্‌ং-দা চোংখগ্রে মুজাদো । কূরেল ওঈনা কোন, য়েংনা লাঈজা ঈহোংনা হৈয়ায়মু কংফান্দা কাখংলক্লে । কংফাল কাখংলগা মহাক্না কূমুংদা য়েংলহুনা পাউহংলকই ।

হৈয়ায়মু— কূরেল য়াহিপ্লিবা নংবু কনানো ? কন্নিমুংগী ...... ।

মীথোল তারবদা য়াংহনবা পূক্লিং থিত্তং লুমজরে, কূমুংদগী হায়রকই ।

য়াংহনবা— কনা ওটরিপবা নহাকপো ? মুংশি নপাউথোল তাবদি মুজা চীজোয় পাউমাল্লি । কোন্না পাউশিন্নসিনে কূসায়দদি হাংখিথোগবা ।

অমু তারবদা হৈয়ায়মু মরান তম্না চেনরে । মিকুপ-মধা থাংলেল খুত্তা শায় থোংলৈ কামজাউ হল চেন্নক্লে । কূমায় অন্না

কঙ্গক্লে। কুমায় থক হাংলকপম্বাই পাখং লৈশাবী অমীচুগী মিং মমিচু চায়রে, ভহাক হুংবংনয়ে। কবি থোক্লগবা!'

হৈয়ায়চু ভকপনা থম থেংলে! হুংশি-হুপ্তেঙাম্লবা থোনকমা য়াংহনবা য়েংচুনা হায়রকই।

হৈয়ায়চু— ইবুং মানবা নংবু কনানো? কবিচুংগী ·········

য়াংহনবা— ইচন মানবী! কোলোয় ঐগী য়াংহনবা কৌই। ইপানা
ঐগী কংলৈপুংগী মপুনি। ঐনা ইনাওদা য়োল্লুবনা অয়াকম
অমী পুরুবনি। নংমা ঐবু কন্দবিয়ে। ঐনা নংগী কবি ······

হৈয়ায়চু মাগী থম্মোই-হুংদা নোংথাং অমা থকয়েনা চীনবান নোকফেং তোচুনা হায়রকই।

হৈয়ায়চু— অত্তে কবি পীবিগে হায়বদি খংজল্লে। ঐগীদি ফংজরি-
ভৈজদা অখুনবসিদা পায়শিক্লহোৎরগা লোইরে········।

য়াংহনবা, কবি হায়রুনি, হুঙ্গাইবনা; কোক্লেনা মালেম লৈমায়থক্তা হাইথরক্লে। হৈয়ায়চুনা থাদা কোল মাবু পায়কমরক্লে। ভহাক অনুম বাক্ষরগা মহাক মমিত্তি তপ্পা তমা পাংলক্লে, অচুবু মংলা তাইবংলা অচুদি খোঙুল তাবা [illegible] খোঙুল থজা তারক্লবদা অকইবা হংজগে মীওইবা পাউহংজবা [illegible]। মমিং [illegible] [illegible] য়েংচুনা লৈরক্লেনাইবক থীবা হায়পম্বা হুবা হায়পম্বা খাঙ্গবা লিংথোম্মচাদো।

হৈয়ায়চু অচু উমবদা থংলে, হুংশি-মেংলবা খোনফম্বা হায়-রকই।

হৈয়ায়চু ;— কবি শায়বা হুংথোই নাইবদে? মামা হায়রনা কাহোগে।

খাঙ্গা নাপু হুংশিবা। পথাক ঐগী মমতা পহুম খাগী লোয়না নপানৌ থংনবা অম্মাং খুজোম্বা পুক্নোং থবা অমাকপ খুৎকি-ফনি। চংলনি ......।

য়াংহনবা মতম অসীদা করি পাউখুমিজ্জাই নৈ; খুজ্জাইবনা হুংবংনদুনা মচীন-মইক কাগ্রবনি। নপানৌ ঠৈমাংহুগী হৈনা খুইনা মীওয়া কায়রেংবগী কোন্থুং কপখে।

৩

হৈরাবগী নপাবীপু মপা-মিংথোগী কৈজাউহৈদো লোং-থম্মা ইপোবাং লোভিনখিদা হৈরাং লোঙানিদা লৈরক্লে। কোনৌ শীংবুম খাম্নক্লে, লোইদাম থাবুম কাবক্লে, চহী কুম্মাং ভাজকলৌরে। পাম্বু ফুংদি অদিদা তাউজিং লোঙানিজ্জাই হৈরাং ঠৈক্ক শমখে; খোয়জি মিহুন লাংখ্রে। হুক্ষা কেংলৌ লক্পজক্লে। কায়রেংবা পাম্না হুংলোই খাইবক্লে; মচা জোক্লুনা হাজকই।

কায়রেংবা— লাংলেক নংপু! ইপাবা কেংলৌ শজুব খজা উই।
পাম্বা হুংজেংবা করি ঠৈ? অতো লাকননা করি ঠৈ?
ইপাবা লোংলোয় পাউজলগু।

হৈরোকপু করি খুদুলুনি, কানিজবা পনবা খুবা ঠৈখিরে। কায়-রেংবা চিংবা অহুম লোক্লে, খুবা লেংশিনক্লে, তাউজিং লোঙানা খোয়জি মিহুন লাংবনি খংলে, শাউবক্লে। "কায়রেংবা ঐগী ইচাবু হৈরাং লোঙানিজ্জাগী, লৈবাং লোভিনখিজ্জাগী থজিনা মপাগী থবনি-দো" হংলক্লে মপজা কায়রেংবা।

মইচং-অরুকাম" মিকুপ-থোকপ খুবা জেখা থৌমিং, পুনরেখো।

মাপি মচাসুপিকা কৈরুব কোয়না পাংবা উরক্লে। লোখো কৌবা অমসুং তুংথিল তাম্নক ওইবগী হৈরাংলু মপাবীসি অমা চবোম লোয়া নোম কৈথম পাংবা উরে। কায়রেম্বা থুংপু থাং অমখাক্লী পানজনা মাসোল পিক্রবা তুংইমরক্লে।

য়াংহনবা মপানৌ চেংলৌ উবদা হয়াঙৈ-মোমোন লোকচগ্না হৈক থোরকপা, তুংশি কোলোয়নপে, মচীন্দা লেপে হেক তৌজরক-পা অতুমক্তদা কায়রেম্বা মখুত্তা থাং পায়হনা কৈত্থং অমা হজিনরে। মাপি শউব কংবদা য়াংচনখা পয়া মীপোৎ অমগী মরমদা হৎ হেক লৈশিল থুপত্রে। কায়রেম্বনা মাপি উহৌদা মচাসোমপী য়েঙওকপদা চায়রাম থুত্তা পায়দুনা পায়বা হুংখুক্লনা লেপ্লদু উরে, পাউরে। পাউসা, মঠিং অসি কানা মচাসুপী য়েংদুনা ওংদুনা হায়রকই কায়রেম্বা।

কায়রেম্বা— হায় শারমথোক! কনাগী চয়োরো থুদি?

হৈয়াংলু কিবনা থক-থক নিক্লহুনা খুমজরকই।

হৈয়াংলু— পবো! কনাগীবু ওইগদগে? ঐনা অমা চয়ামরদুনা চাকয়ায়ুজগে তৌজরলি।

কায়রেম্বা— নিংথৌ ঐগী ইচানা কৈরুং মরমথি চাকয়ারকম হৈয়ে? হৈক, নংনা ঐবু নমহুনা অদুগিদি লোকায়রিমরিবা নিংথৌ ঐগী খুত্তা লোয়রমবনি। [illegible], ঐনা মাংহেক কংয়া মুনিত্তা ঐগী থাংগাই অসীনা মাপী মওক অদো তুথং করকরম্বি।

[illegible] [illegible] [illegible] মাপি [illegible] [illegible] হেক [illegible] য়াংহনবা

[illegible] [illegible] মীপোৎ [illegible] তুথং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

ম্যাংহনবা ম্রকোক ককপ্রে ; অককপা কোক্লা কৈনী চাংথক্কা ঊ-কায় তাগ্রে । হৈয়ায়মু পাম্নমা খোঙ্গুল তাদনা "মাংলে" হাঙ্গথগ্রে।

কায়রেম্বা পূমগুক ওকপ্রে, অককপা কোক্তা অমুক য়েংঙি মচাদা অমুক য়েংঙি, খোঙ্গুল তাদে । মমৈদা মিছুন তাম্নক্রে ।.মচাগী অরাবা উবদা পায়রবা মাগী মুংবংলে । অককপা কোক্কী মীংথিবা উবদা পীবুক মাগী খোয়রাংলে ।. "কায়রেম্বা ঐসে ফক্তেদ', কিংঙিদা, পাম্মুইদা" মাগী মুংদম্রবা থপ্নোই কপ্রক্লে। "তমথীবা ঐগী শারমচং মুত্তবা ওইম্রগু । ওসি কৌবা নোংদগী পয়া মীপোৎ নহাক্লা মীহাৎ হায়না কৌঁহুনা ঐগী তমথীরবা ইপাঙসে নীখোম্রকপা মীয়োল পুম্বদা তক্নোমো।" থরায় শোক্লা লাউনা কপ্লক্লে কায়রেম্বা। অহু নোংদগী পয়া মীপোৎপু মীহাৎ হায়না থংনগ্রে । নোংদম-থীবা, ম্যাংহনবগী অরাবা মীশিরু মাগ্নেমদা তত্তনা তল্লি।

## ৪

নোংদম-থীবী হৈয়ায়মু য়ানা মত্তম লেল্লক্লে । থূনাং শিক্ম্মাইনা মুজা মাগী মপুছি নীংসা কুইনা শাহোম্না পম্বুং য়োবা ওাইরক্লে।

অসোমদনা মাগী মকুম মথা মুরক্লে। হৈয়ায়মু মমীং-মমায় পাংলে, মপাম্নী অমা শাংলে। 'য়ামবা মুজা-পুছিগী' পোথাকম অমদি কংজয়ে। অঙাং অমী সোংমা-নোং হম হম' চাউজমক্লে। 'কায়রেম্বা' মচাগী অত্তাবা থরদং পোথাবা উবদা-হমোউরে। অহুবু কয়া কুইনখিঙ্জাইনো।

তাংজা্গ্নিম্না ওহাক: তিংনা তানওাই অরবম্ন থোক্লমা চংশনা অশিনম্রাংনি। কায়রেম্বা থোয়রক্লু। অত্তকপনি ওাইরুং অংবীংক্লু।

অঙাং অসীনা অসুম অসুম চাউরকপা .উরগা কায়রেম্বা মুঙ-ঙাইরা হায়ববু অসুম অসুম · য়াশিল্লক্লে। নোংমা মপাগী করোং খুংকুম্ররনি খন্দুনা তুম্বা হিক্না য়াশিল্লকৃত্রে মহাক্লে। মচাম্বুপীনা মপাগী মওং অহু উবদা মুক্তা পায়মা মুংবংনয়ে। করম্বা মুমিত্তা মথাদগী মচা ছেংখিগদগে থনবদা থম্মোই শ্রক কংগ্রে। মচাবু মিকুপ অমা কাওবা থাবা তৌখিদ্রে। অসুম তৌনা চহি ভরামুক লেল্লক্লে।

অঙকপনি লৈক্ষে-চংপা ভাইবং! অরান অমা মেম্রবা অরান মথং থোৌরাংলি।

নোংমা কায়রেম্বনা মচাম্বুপী য়েংহুনা হায়রকই।

কায়রেম্বা— লাংলেল! নপারীসী নথাদা কোনবা মতম নত্রে। নিপা হায়বসিদি শারম লাল্লম থংদবা য়াদে। ইপানা মাবু শাগী শারোল, লালগী লাল্লোল তম্বিগনি। মপা মপুগী পারেপ পুরেপ তান্দবা য়াদে। নোংমা কংলৈপুংগী মপু ওইনিঙভাই লৈতে হায়বা করি লৈ! মপা মপুগী খুভম্নি। কদায় ঐঙোন্দা পীয়ু।

অসী হায়হুনা কায়রেম্বনা অঙাং খুদাং পায়হুনা চিংলক্লে। হৈয়ায়মু য়ারোইদৌরে হায়বা উরহুনা মচা কনবা ওম্ব্রা য়েংগে হায়রকই।

হৈয়ায়মু— পম্বৌ! নংবু তাব্রা? নম্বুসে অমা চইন্দদি তমজখিগে।

অঙাংনিনা চরাম-চথমরগনি।

কায়রেম্বা— কৈ, পুরো, ঐ ঙাইগে।

অসী হায়রক্লপা কায়রেম্বা চংব্রে।

হৈয়াম্নহুনা মচা য়েংলগা কম্ন-কম্নহুনা হায়রকই।

হৈয়াম্ন— ইপারী নংবু চাউত্রিবা! নংগী পম্বোদি কংলৈপুক্তী ম্নাজোনমিংথৌমি। নমা ঐবু পিরাংদগা ভায়োম্না লেপ্পু, মুজা ভুটবী নমাবু পুক্তি অসী পিথম্নৌ তমখিবনা নপানা অসিজা লাকপনি। নপুনা পায়মা লিনখাবগী ফৌনশা নমা ঐনপা চৌম্নিকহৌবদগী থাংলেল মাগী থাংদম ওই পম্বৌ নংগী পুক্তি তেমথম্নদ্রে। হৌজিক্তি নংনা চাউরকপদিদা পাম্বৌগী মংশক তাম্নরনি ফিহুনা নপুনা নংগী য়াইথী লোংউপ তাম্নকই। ইমানদি নংবু কম্নিতাই উদ্রে। নংবু উন-উনমক্তি মপুনা ফনা থম্মোই কম্নুনগু লোইবা গুম্নোই। মতম পুম্নমক্তা নপুবু খানদনবা হোৎনৌ ………।

কায়রেম্বা চংলক্লে। "ইপা লোইরত্রা চৎসি" মম্বূ পুহুনা খোংশামদ্রে।

মম্বূ পুহুনা তুরেল তোরৈ হুঙৎনা অচৌকপা থিহুনা লাক্লে কায়রেম্বা। লেম্নৈ ভারম ভাক্তিম্নহুনা ঈল লংবা হৌরক্লে। মুঙ্গায় লৈবা লৈথা মকথদা ঈল লংলক্লে। ঈল অত্থ পম্লে মানা নীংবা খুংলে। হৌজিক্তি মম্বূদা য়েংলাহুনা হায়রকই।

কায়রেম্বা— ইপা! ঈল অসী পম্লে। লেম্নৈ ভাচাউ লকপা ভাম্নে। লাম্বোকখিবা ম্নাদে। নং অমুক্তং লুপক্তুনা ঈনশোম্নুম্নো। ইপু ঈম্নী চিঙ্গে।

অত্থ তাবদা অভাং অত্থ মমাগী ম্না নীংশিংলক্লে, হায়রকই—

মম্বূ— ইপুনিংথৌ! ঐদি লাইজা ঈরোম্নুম্নগাদি অমুক্তঙ্কুমত্রি,

ঈরুপ্পা কৈদগী হৈরুনি ? ঐ ঈন্নী পান্নরমগে, নং ঈনখোম্-লুচো।

কায়রেম্বা চেনবা য়াম্রে, লুপ্পা তারে, লুপ্লে।

হৌজিক্তি অচুম-অরান-য়াংপা মপুনা মরাল-লৈতবা অঙাং কনগে নীংলে, অঙাংগী মবুক্তা চংলে। অঙাং অহুনা মপুনিংথৌগী থাংজা মাপন্না মিতম্বা, লোংলেল চীংল্লোং মাপন্নবা নাউন্না থুংনা পায় মপু লোংমি তম লাইজা ঈরোম্‌ংদা থিন্দুরক্লে। ঈথায় কায়রেম্বা মাগী লালাউদি থম্‌বু থমখো, খোদেমখোন্দা তাবদা মমান্নবা নিংথৌ পুম্বনা মিহুন চেনগুম চেনগানব্বা লৈরাং মাগী মতমগুম তনৌ তনৌরবা চক্পী তরাদগী পান্থোমদা মানা লাল্লুনিংঙাই মথরাম্ন থা মপুক্তি ঈথরুা ঙোল্লোমখি।

---

অচুম অরাল অনীনা— মস্থ মপুনা, পয়েং-পান্থোম ঙানখিবদো চীং ঐ ইখোংদা তুরেলগী ঈরোম্‌ংদনি। ঐ ইখোংদা লাক্তদবা মস্থনা থয়ুম মাগী নোংদম্না লম্ফেনবা মপুবু নমখি। অচুম-অরান-য়াংপা মপুনা তাইবং লমজুমগে নীং চীং ঐ ইমায়দা চীন্নাইদবা খোর্জেনা য়েন্নাইদবাময়েক্লা ইথি— পু নম্‌-চীং।

অহু নোংদগী চীং ঐবু পুনমচীং হায়না খংনখি।

---

লী অম্মুন্না পুনমচীংনা মাগী মিথেমোন। রায়োইদা মানা নাকোং থুমিংজা লাপচিক্লা-মুথেম্বা হায়—

কাউজনখীবা ভেংবান !
কন্নিঙুংদা লানফদে,
কৈদৌনোংদা কৈফকদে ।
অয়ানবনা সাংজবা,
অচুম্বনা পাল্লোবা
মপু মাপী নোংদম্মি ।

ঐঃ না মাংওইনম্নুনা !
অচুম-অয়ান-য়াংলিবা,
অমম-অঙাল-থায়রিবা
মপু মাবু লংফদে ;
লংহৈদবা মপুনি ।

মিংলম চামা মিংপাংনা
অহিং-মুংখিল মিংশেম্না
অচুম্বনা কৈদা ডাই,
অয়ানবনা কৈদা কায়
চেংনা শেনবা মপুনি ।

উদবনা কদায়নো ?
থংদবনা কন্নিনো !
লোইনা উবা মিংকম্নি,
পুম্নমক-থবো পুক্কম্নি,
থবো উবা মপুক্কি ।

অরানবনা য়াঙ্গৈকতে
অচুম্বনা মায়খুত্তে
খুংশোইনবা তৌকদে
মাবু লৈতে নীংকদে।
মাদো ঙাহাকীদনি।

অরানবনা খাণ্ডতেক্লে,
অচুম্বনা তুঙ্গোইবৈ
কল্লিঙ্খুংদা কাউকদে
কৈমৌনোংদা মমকদে
মগু মাগী রায়েন্নি।

---

লমতাক্লক্লে অস্থ্রম্না ভাইবং মীয়োল মীথাং য়ৈনা মহাক্না। মাগী মিচ্চুংশি অসীমক্তনা মতম্বু মান্য কাঙ্গলা ঙম্রক্লে। হৌজিক মাবু অমুক মতম্না ফুল্লখিগন্না! কুক্লোই, চঙ্খোয়রকপা মীয়োনগী লমল্লি মতম্না মাবু নম্বোনা পম্বুং য়ৌনা চেল্লমগনি। শোয়রোই, কল্লিনা, অসীগুম্বা পোৎলমদনা মতম মানা নাপঙ্গে।

মতম কৌবা লাই মালেম্বু য়াইফরমদা চিংবদনা মাগী মথৌনি।

---

# অম্রোগী মৈ

অম্রো নোংমাইজিং ওংবা খুল অমনি। খুনকম অসীদা মৈকম অমা লৈ; মৈ অমা ওত্তনা চাক্লী। মাসীবু অম্রোগী মৈ হায়না খংলৈ লায়রোল-খংব-শিংনদি মাবু পোইরৈতোন খুম্বোক-মৈ কৌনৈ।

মৈ অসী থায়না ইউরা চীথোং পোইরৈতোন্না তৌরম্বনি। মাসী হৌখিবদগী হৌজিককাওবা মুংলক্ত্রী। মৈতৈ ঐখোয়গী পায়োল-পুরোয়া মথং মথং মাসীবু মুংহৈদবা মৈ-নি হায়না য়োক্লক-পনি। অম্রো হায়বা খুনকম অসীদা লৈবাক্না মৈ সী য়োকপগী থোগাট শিন্নরকই। মখোয়না শী-ছুল-লোং মৈহুম-লোং পুনহুনা মাবু শোয়দনবা হোৎনরকই। মাহুশীদমক মখোয়বু লৈবাকী মথৌ কোকপীরকই।

মৈ অসী মৈ-শেংনি। নোংদা লাইরেল পাখংব-না কম্বাল কাউবদা মৈকম অসীমক্তদগী মৈ-না মাবু মৈওক্লখিবনি। অতুদগী হৌহুনা মৈতৈ-নিংথৌ-শিংগী কম্বাল-মৈ মৈকম অসীদগী লৌনৈ। অতুনা কনা কনাগুম্বনা মাসীবু কম্বাল-মৈ হায়নম্ম কৌনৈ।

কম্বাল মৈ-নি হায়তুনত্তা মাবু লুনা তৌনবা নত্তে। মাসী মমুংদা ময়ম অচোবা অমা লৈরী। মাসী মৈতৈ ঐখোয়গী মুমদিল-মৈ-নি, মৈত্রবাক-পোকপা-মৈ নি।

ঐখোয়গী কংলৈপুং অসীদা মালেমগী তোঙ্জাল-তোঙ্জানবা মকমদগী মীগী কুরুপ কয়া-কয়ানা খুনগুম-খুম্হোক্লকখি। মখোয়শিং

অহু ইভিন্নুবনবরী হৌনশা ভম্ভুনা খোংজ্রোং হাকহী ; করোং-খুংখুর-খনা লোইবা নাইরবদে। মাহুগী ভুং ইনবনা উরী লৌখোং চেন্দ, পুক্ষিনো ভথক শট্রু হাই কনা অমতা লৈতা-মুংখানা পানবা ভম্নন-দে। ইটরা চীখোং পোইরেতোন-না খুহোরক শেলোই চাখোং ওংলিবা মৈ-শেং অসী ভৌ নোংদা লাইরেল পাখংব-বু কন্নাক-মৈওক্কা কংলৈ সনাপুং-সীগী নিংথৌ গাপখিৎরেগী ফুরূপ ঊরাল ঊরোন-ঊত্তিন্নবা চৌখি ; মৈত্রবাক মমী ভমখি। নোংমত্তা লুনা ঙৌনা চেঞ্চবা ভমত্রবা কংলৈ মাগী ভুরেলশিংনা ঊত্তৌ থাগোন্না চেঞ্জখি। চৈবাক্কা মরা ভা ৌ'মনোং য়াইকরমদা কাজখি। কংলৈ-পুং-সেম্বা মৈ-নি পারোল-পুরোম্না লুনা ভৌনখিবনি, ভৌরম্বনি। পুরোম্না পারোন্দা, পারোম্না চারোন্দা, চারোম্না সূরোন্দা মথং মথং মাবু রাকোম্ননা শিন্নরকপনি। অছুনা মানা মুংলক্তবনি।

"মুমজিল-মৈ নি মুংকদে,
য়াইক মৈ-নি মাওকদে,
লৈসেম-মৈ-নি কমকদে।"

মীরোল মীথাং য়েনা মখোয়না লুনা চেংনা শিন্ননরকপনি।

মখোয়না লুনা নীংজমল কংলৈ-কোইব-লাই-না মৈ অসীদা চংখি। লৈবাক লৈহোং-লৈচাউগন্নি মৈ মানা ভাকই ; লৈবাক মমাই ভাগনি হায়বগু মৈ মানা হেক্না মতাকই। মৈহুম-মৈশেল-পুখশিংনা মৈগী মৈওং য়েংহুনা লৈবাক-নিংথৌনা পাউ পীনরকই।

পোংলম পুম্নমক মপু মাগী শারোন-নি। মী মী মাগী খাজবা মতুং ইন মানা ফুবিদবা কন্নি লৈ।

অসী পুন্নমক্তি ওইরে। অসী মথক্তা মৈ অসীগী থোইথোক্নবা করি অমা লৈ! মাগী মৈঙাম্না শেলোই-চীংমায়দা মঙাম্নমগনি থম্মন্না! থম্লুম্নু, মতমগী মন্নবা তুখুন্দা কুমজা তোমৈ তোমৈ হজংনা মৈঙাল অসী ঈংনা-মেংনা শাংনা-তাম্না শ্যাই। মৈপাল মাবু লাং পাখোং-পুখোং থিনিংবা কাংবুনা মতমগী তোর্বান্দা পারোল খুনাম ভাম্নিবা, পুরোল খোংফম য়েক্লিবা উবা ফংনৈ। মখোয়না কুমজা তোমৈ অমদগী অমা লাল, অমুক অমা তম্না তাল, তোমৈ তোমৈ তোমৈনা তোমৈ লীসীং অদী কাওবদি পাখোং-পুখোং লীবা ঙম্মি। মহাক অসে পারম-পুরম লীনঙাই মৈরা-নি। মানা শেলোই চীখোং ওংনা চাক, মতম তুখুল ঙাম্না তা তত্তনা হক্লী।

মৈতৈ ঐগী ইপাচা!
পাখোঙ মুংলে কনানা হায়?
পুখোঙ মঙ্গে কন্নিনা হায়?
নম্নু থাম্বী ঐ নৈয়ে।

থাম্বী ঐদি মৈ-রি নি;
পোইরৈতোনগী খুম্বা নি।
মোংদা লাইরেল পাথংবা
কংলৈ ফম্বাল-মৈওকপা
নম্নু থাম্বী ঐনৈয়ে।

কংলৈ মতুং তরা থোক
খুংকুম মানা থোংগ্রেং ওক
ঈগী লৌখোং শুংম্না চেল

পারমা তথক লপত্রে হাই
রাইফ' মরম মরহাই
নৈবাক মরা তাউনরাউ
নয় খাম্বী ঐপোকয়ে।
কংলৈ নংগী শুংদাইবা
নৈবাক নৈকু চুপরালা
ঊতোপ ঊয়াল ঊতিনবা
মৈতৈ নৈবাক সেম্রকপা
নয় খাম্বী ঐনৈয়ে।
লাউ হৌজিকয় টপাখোয়!
মতম ত্‌খুল হজংনা
কুমজা তোরৈ তোরৈনা
খাম্বী ঐনা তাজিরে।
তোরৈ লীসীং অনী-নি
তুখুল কোমা তানবনি ;
পাখোং লক্ষ্মী তাকে লাউ
পুখোং খোংলম উংকে লাউ
নয় খাম্বী ঐনৈয়ে!
খাম্বী ঐনা মুজ্রিতৈ
কংলৈ নংগী মমজ্রিতৈ
মতম মাগী তোর্ববান্দা
তোরৈ তুপুল খুজিংদা

পারোল পুলাম তাকিবা
পুরোল পোংকম বেক্রিবা
খিরো খাখী ঔইলেয় !

খিজনিত্তাই খিহোরো
মাজনিত্তাই মাহোরো
নৈরা হাইজাউ চক্রিয়ে
নখু ঐহাক নৈরিয়ে।

পারাল মানা পাসাবা
পুরাল মানা পুসাবা
মারাল মানা মাসাবা
পেরাল মানা পেসাবা
খোংখাং মারখুনিত্তাইনি
বুকম নৈতানিত্তাইনি
মিংপাংজহো ঔইলেয়,
নৈরা হাইজাউ চক্রিয়ে।

খাখী ঐনা নমখি' খোক
পাংখোঙ পুখোঙ বুংখি' খোক
পুন্নি নিংমানগনি,
মিংখু পিরাং চেনগনি
হৈহো ঐহাক নৈখিয়ে।

.. .... .. ..

. ... .. ..

ভাল্লু, চাকউ, মৈতৈ নপাচা ঐখোয়গী অপাং খোংউইবা চাকউ, চাকথো, ইমু মামা হৌবথা খাম্বী থৈ-গি অমোংবা!

১

ভগিদগীদি চহী নীসীং অনীরাইগী রা-নি। ঐখোয়গী কংলৈপুং অসী মতুং ভরেং ভন্না থোক্না ভাবরম্মি। থক্তা নোংবাল, মুংবাল; খাবা, ভানবা, পোংমচিংবা শাগৈ কয়া কয়া পাম্লম্মি, খাদা— লোক্তাক খোংবাল বাংম-বাংমদা খুমন, মোইরাং-দা পাম্লম্মি; চীখোং চীংয়াদা, লমতুপ লমতুপ খুদিংদা—চক্রম ফুরূপ কয়া কয়াদা চীংলু বায়ক্ত চয়রমদে। মথোয় অসে কনানা কনাবু ফুংশিনরমদে; অমগা অমগা খোংক্লেং হানা মতুং ইনথা কয়োং খুংকুম্না ঊনা তম্না লোথোং চেরম্মি। কংলৈ-ওংবা তুরেল অমত্তা ভৌনা চেক্তবা ভম্নমদে। অমুক শাখীনা পাম্লম্মি লমদম সী।

থবী কাংলুপ্তা নোংবাল, খাবা, ভানবা অহুম অসী ভম্না শয়েং-পাম্বোম ভানরম্মি; পোংনা চীসাই-নাইসাইরম্মি। ঊংনা পাম্লবা হায়বমক্তবু মুংবাল শাগৈদনি। করিনা! মতম অসীদা শাগৈসীদি গুরু পুলিব-না কোল্লি! মাদি মাগী লাইরমচংনা ঊত্তোপ ঊরাল, ঊহী নাইদনা মীপুম খুদিংগী খল্লোই খুজি পায়বা, মীরম ওংনা লাইরম চাক্তাবা তাইবং মমাল্লবশিংনা লাই-নি হায়না খীংখাবা মীওং নি। শেলোই লাঙোল চীংমায়দা পায়মা হীরী কোন ফুরূপ চৈথল ছং লৈবাক-মা সেম্নরম য়েংবনা মাগী মথৌদাং ওইনরম্মি। ঊথেং ঊথৌ লাংলবা কংলৈ নিংথৌশিংবু খোজুল-ঊরা

ইন ঈহাউ কাউনরদা থৌরাংজরম্বা থরাম-নি। মঙাক্তনা নোংমনোং কংদৈ মচু ওন্নকপনি। মাবু কনানা শোকনি!

অঙৌপানবা নোংবাল শাগৈগী নিংথৌনি। মতম-চুদা মানা মচাউরে। থূংকনবদা মহাক্কি, পাঞ্জনবদা মহাক্কি, লৈল্লেবদা মহাক্কি। মহাক্কা মী পুন্নমক তুমিং-কাং ওইনা উই। মথা থাবা কনামতনা মাবু কিবা নত্তনা হুংশিবা য়াওদে। হুংশিত্রবদু কিবিরিবমথৈদনি থরগী মথৈ মকন্নিবনি। অহুদা শেগা থানা মাগা লান্থা য়াবা ওম্বা পাজল অনী মা চোংথোক্লক্লে। অনীসে অতৈ কনা নত্তে, থাবা ঙানবা মচীল-মনাওনি। অনী অসী কনবা, তৈবা, শিংবমনা তুরেল অচৌবগী নোংচুপ তোর্ব্বান্দা কোন্নুং থাম্রাং সেমহুনা পুক্তিল-হুংদিন্নবা পান্নম্মি। নোংবাল কোন্নুংনা নোংপোক তোর্ব্বন্দনিনা হিরেন মায়োক্লরে, তুরেল নূথায় চামিন্নরে। অনী অসীনা মচীল-মনাও ম্নবগা, অঙৌপানবনগা শক্তা থেংনা হুংশিদবগা থরগাদা নত্তে কনা য়াম্না থোয়না চংলি। অহুমক্তা অঙৌপানবনা মমিং নাবগু অনীসীনা মরোইরে। হেক্তা থোংপ্রোং চানরগদবা গুরু পুন্সিবনা কন্নি হান্নবকদগে থূমানবা ওন্নদহুনা লৈনরবনি। অহুনা লংজিল অমত্তুংদবু ফংনরবদি থানরোইদৌবনি। অম্নম্না লৈনরিঙৈসিদা য়াথোক্লিঙাই ময়ম অমা লাক্লে।

নিংথম্না লোইথিবা কাম্বী-না কাওম্নকপা লৈবাক লৈবাক্কা চেং-হোং চাকহোংনহুনা মুঙঙাইনবা মতম্নি। নোংম কৌবা নোং ঙানবা শাগৈ হৌহুনা তুরেল অচৌবা ঈরংতুনা লেম্নে ঙাগৈনেরম্মি। ঙাগৈনবগী হৌনশা থাগী ঈশিং পিকথরে; পিকথবদা নত্তে, লৈবনা কুম্নং সারে—

থংকপা য়াত্রে। থাবা লৈথাক য়াঙাংদে। করিনা! মথোয়মিদি মশানি। নোংবোন্দি! থংনবা লংজিল থিন্থুনা লৈরিবনি, করিগী য়াঙাংলোই। য়াথোকপা শোয়ত্রবনি।

অঙোপানবা মতুং ইনবা মী মঙা-তরাগা শনথোং লীরক্রে। মানা ঙাংনৈকম য়োঁরবদা থীনা অয়াকপা খোনকম্মা ঙানৈরিবশিংদা অপায়না লাওরকই।

অঙোপানবা— হায় ঙানৈরিবশা! নথীবোং পান্দ্রা? ঈশিং থকপা য়াত্রে। নথীবোং চানিদা মথংবা য়াশা চানিদি থংত্রা! অঙো-পানবা ঐনা পাল্লিঙৈদা নথোয়গুম্বনা লক্লেনবা য়াত্রা? কাখংলু হৌজিকমক ঈশিং থাদোকউ; নথোয়গী অতানবা ঙারম পুম্নমক লোইনা মংলবনি, পুরকউ ঙাখা অমক্তংবা য়াংশা য়াদে।

ঙানৈরম্বা ময়াম অদু মরাহৈ অহু তাবদা শাউবনা লুতোন কানরে। মথোই মরক্তুগী অহল-ওইবা অমনা মরম য়েংহুনা "নিংথৌ মরা লোক্ত মাসী লোইশিন্নসি, থুরেল ঙাম্মি তম্নসি" থক-থক নীঙ্গা শাউ য়াহৌরকই। ময়াম্না 'করে করে' হায়নরিঙৈ তাঙ্গা অহুমক্তদা ঙানবা থমজিলোলগু মীকোক তত্না' অমা মঙা অমনা মতুং ইন ঙাতানবা য়েংলুগে হেক থোরকই। মহাক উবদা অঙোপানবা অশাউবা খোনকম্মা লাউরকই।

অঙোপানবা— হায় থমজিলোল! নং নীংত্রা, ঐবু থংত্রা, তুরেলসী কনাগীনি থঙতি, নংনা করি নত্তিক লৈহুনা ঐ তাঙ্গনা ঙানৈরি ........?

তানবা-খবজিরোল— উম্ চুপ্পি অঙৌপানবা ! চুরেন চুপার চাক্লিক্লক্ [illegible] তাইবা শান্নি । অমা, নানা চুমা খয়ে ঐনা নানবা থংদে, হৌজিক্কি থোৌবা তারে । কমিনা, নংগী [illegible] মরমনি:·········।

[illegible]— কবি, [illegible] মতা হাকুনদে ?

তানবা-খবজিরোল— বা মথা তাদু, ঐ নংবু হৌজিক [illegible] চাকা লৌখ্রিংদে । ঐখোনা নৈরাক তিনবা হায়নদু থোক্রে । অদোম হায়মখনা মাগী নৈনাক [illegible] [illegible] ।

তানবা-খবজিরোল— ঈশ্বরচাশোয় ! তাকানখদি লায়রি, ঈশিং অচু থোক থোক লাউজবা কায়া নৈখো । নোংখাল অমবা ঈশিং লীথকয় ।

অঙৌ-পানবা চুম্বত্ত খোল হাথিবনা বা মাংকে । মমায় [illegible] খুম হনখ্রে । মতাম্দা [illegible] খু ওই-ওই লাউ নোক্কম থাক্কা [illegible] নোক নৈকৌরে ।

[illegible] মীওইবা । হাই হায়বনা খাংলোম্নি, উম হায়বনা [illegible] হায়না [illegible] খানা হাই-দা মশাৎমে । [illegible] [illegible] অমুক্তা হায়না [illegible] হাই-না কপ্পি খোক্কনা ।

২

অঙৌ-পানবা মাগী কোম্নুং য়োৌরে ; পোথাদে, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হাইবুং [illegible] । নৈনাক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] নৈনাক্তা [illegible] । ' [illegible] [illegible] মতমি ; লাম্না পোথাননিঙ্গাই ওইনবা মীওংগী হাক্তি । কপ্পি লাল

থোরোই। থেংনেক-মিরাং থোকইনা চৌরে; মায়া লায়ল মথক [illegible]। মমন-মথৌশিংনা-গী মনম থগদা [illegible] মাকন-তুংথৌ [illegible] তিকনা মথাক থাদিংনা লানগী [illegible] লাকতোংনরে।

নোংবাল শাকো-লানগী চৌরাং অরোই থোইরে; মানা কোমুং অম পুম্মু য় হুদোয়রে।

অসোয়নগা চানব-শাইগী লান [illegible] তৌরে। শাবু শাইগী লানগ্যাংবা থওরে। তোর্বাল য়াংম-য়াংমদা থেকোল মনীং শৈনয়ে। তুরেনা ময়ক থনবনা এবং মুজিকপদি তমজে। লাম-হাংদা থেনবী লান থৌরে। ময়াইগে মনীগী মথোবশিং কম্বাবু তুইনা লাবখজনি; মথোংবু তুরেনথনবনা লাহিংবা কম্রা। লোংদমনবা থোনকমা লাজাউনা তুজিনরে, থোংখংদা মায়োকনরে। থাবা থাবা, থাকা থাকা, শুকা শুকা, শীংজনা শীংজনা মায়োকনরে। চক-চক থিমরে, চোপ-চোপ থাকনরে। হাথবকপা ঈনা তুরেল পুমথাং থংতো; খাশা খাইরে, মইকোক ওরে; মাকিনা লাকনরি। শাহিং-থাহিং চাবা শাবম চেন্নম পুকমক থাইবং শারম চথেল উ মকিনা থৈতনা তুজিনরে। মথোংদা খাশা মইকোক তুনবী চীক-চাক নকপারা লানগী ঈমিল থাজারে।

লায়েক অসীদা কোংবাল-থেম-থনদা থোর্বাপদা মথোবা মনী মিরুপখাকনবা মাদনা নাথোংজনি লকনা অমচো-থানবদনি, অমুবা মাদদা চানব-থব জিতোল-দি। মথোবু মনীদা চুম চুমী মরুমদা মপা পুমপুম পুরে, তিকনা থোরাং চেথবায়না তাইবা তাকোক থকওয়া তাদোল লোংথাং তৈকুনা চীক চীক চীক মক-

শিম্নরকই। তাঞ্জীল তাদোল চানরকপনা মশা পূবা ঈহং-নাইহং সা, ঈভাং ঈথেং পাক্তেনরক্রে ; হনবা কৌবা লৈনদে, কিবা কৌবা লৈনদে ; শম্লাং শক্ষৈ অমত্তুংদগী য়েংনরকপদা চৈনাখোল কাওনদে। ........ অগুকপনি, অথৌবা লালোয়গী লিংজেল !

থুংকম মাম্নৈ, খোংকম মাম্নৈ, শাথুপ মাম্নৈ, লৈবা মাম্নৈ, চোংবা মাম্নৈ। খোংকম অমত্তুং থুংকম অমত্তুংদা তাম্নরকপনি। অমত্তুংদনা লোইনগদবনি। লাম্না য়ুং-য়ুং লাউরকপা তাঞ্জা অসিদা ওহোকপনি, ভানবা থৌত্থু খুদি খুম্নৌনরে। মানা লংকক্তা হেক তৌবদা অঙৌপানবা তারোন অমা থক্লম থক-ঈম্নরক্রে। ভানবা তুম্নে। অথৌবা লালোয় নোংবাল মাগী তাবাক্লা নমগা লৈগা নমফানা চাংজো লৈভজায় মোনখাংনা লৈদা শাংনা তারে ; অঙৌ-পানবা লাওভম-লালাউ লাউরে। মাগী লালাউ তাবদা নোংবাল শাগৈ পাকল হাম্নে ; ভানবা শাগৈ কাম্নরে, থাবা তুংইম্নরে।

অঙৌবা শাগৈ ভানব-কোম্নুং লৌরে, তোক্‌ত্রে, থাবা কোম্নুং তম্নক্রে। থাবা শাগৈ লাঞ্জেম্নবদগী মায়োক তনয়া য়ারে। কদ-হৈভবা শাগৈ নত্তে, অকনবা লানকম থেংমরে। অহুবু অঙৌ-পানবগী কীরাল মমায় চুথনা হন্দক্নু কাম্নরে ; কোম্নুং লৌরে !

লান্দা শিখিবনা শিত্রে, ফাখিবনা ফাত্রে। লৈহৌবা থরগা থাবা লৈরোনথৈ লোইথি চৌথোং তম্না চেক্লে। কম্নি কম্নরা মথুভম হজিনগদগে হাম্নবা যাঁথম্না কোয়জেল চেল, মীম্নৈবাকী নিংথৌ লাম্নেবে লেপ, কংলৈ পলোল বাংবা লাল লাম্নেকপা কোম্নচং চংলক্রে মায়থুম্নবা নিংথৌ।



থাবা লৈহুং থোঙজাকেকনা কোহুং রোইগ্রে। মাবু উবদা লৈহুংনিংথৌনা পাউইংলকই।

থোঙজারেল— তনবা নবু মীচম মাঅদে। করি লমওংনবা মীওং নো? নশক নমিং শেংনা তাকউ তাসি।

থাব-লৈরোনথৈ— লৈহুং থোঙজারেল পাজনবা! নোংবা কৌনা নোং ঐগু লমথৈ অমগী মপু ওইরম্মি। ঐখা পোকপনা নোংপোক মায়গে ওংবা লমদনি। মান্নি কোলোয়না কংইং সনাপুং কৌই।

থোঙজারেল— করি কংলৈ সনাপুঙ? ঐ থওতিনা, ঐনা খুথোক্লম্বা লম্নি। নীংথিজবা লৈবাক্কি; লৈওং লৈতানা জুক্রিবা পোথোক চাথোক্লা মরাক্তায়ম্রিবা অঙকপা লৈবাক্কিনা দুদে।

থাব-লৈরোনথৈ— মানি পাজনবা! থাবা ঐনা লম্লেল মাগী পীবুম-মুংদা পোকচবা থমুম মানা কুবিবম্মি—

কোয়ৌ অহানবা উরবা,
থাজ অহানবা কোল্লবা,
নোংলেনগী ঈপাল লোক্লবা,
কুমগাইনা থৌগাই পুরবা
নীংথিরবা লৈবাক্কিদা
কোলোয়না মাগী সনাপুং।

লোইবিনা পংলোল থাবরা,
তুরেম্না কারল লাক্লবা,

কৌমানা ঈপোম হৌরবা
হৈরাংনা ঈখক ফারবা
মালেমদা লাইহৈবাক্লিদা
কোলোয়্না মাগী মপাপুং ॥

... ... ... ...

থোঙ্গারেল— নর্মদম ওন্থোক্লা তাক্লক্লেদা ! ইপা ! মংনা করি কোলোয়নীংবা নমীং ঙম্লা ঙম্লু ।

থাব-লৈরোনথৈ— কংলৈদা পাম্মিরবা নোংবাল শাপৈগী নিংথৌনা ঙানবা ইয়াম্বা হাং মাগী খুত্তম লৌখ্রে । অদুনত্ত পেত্রে । ঐগী খুত্তমত্ত যুনখ্রে । হৌজিক্লা অমুক ঐগী থরায় লোঙ্ঙ্প ভাক্লকপনা ইমুম লমদা লৈবা ঙমদা অপানবা, নপাইগোল ভয়কপনি । ইয়াম্বগী ঈমল লৌবিয়ু, থাবা ইখুত্তম পীনবিয়ু নীগে লাক্কপনি ।

থোঙ্গারেল— এঃ মুংশিদা ! কৈ থরশি । থোঙ্গারেল ঐগী থোঙদা লাক্লবনিনা ঐনা ঙম্বা তৌবা ভারেদনা । ঐ ইশাদি অহল মতম ওইরক্রে ; কংলৈদি অমুক উনীঙত্তি, অহুবু চৎলমোই । ইপানৌশিংগী মরক্তা থুম্থোক্লিংবা কনা য়াওরিবা য়েংসি । করি পায়মা মুংজেংনুগম্ভু ।

অসী হায়রগা মপানৌ থোঙ্ঙাক-লকাবা য়েংহুনা হায়রকই ।

ইপানৌ ! মং ভারেদনা । মবুক্লিং মুংশিখিগনি লুনা থম্বিয়ু । নোংমা কৌবা নোং ইচৌল ইনাও ঐথোয় পুরমক থাবা নিংথৌনা হায়রিবসি থরসি ।

থাবা-লৈরোনথৈ লৈহুং খোঙজাকেলগী কোঙ্গুলা মতম ঙাইহ্নবা লৈরক্লে।

৪

লৈহুং খোঙজারেল মশানৌ পোইরৈতোনবু খুদোকচৌ পাউথারে। মশানৌ লৈমা লৈনাউতাবী ঋদোং-নিংথৌ মযোম্রোল মশানৌগী খোংলোয় ওই কংলৈ মনাপুংদা থুনবান লৈপাম্লিরক পাউশিল্লরে। মশানৌ অনৌগী খোংলোয়নথা মতীক-চাবা তেজোল পীরে। লম্বীদা চানবা পোৎলম হ্নুনা লাংলে। হয়েং থুনবাল-লৈপাম্লুরগা থাজক, কংলৈ সনাপুংদদি কংলোই, হায়হ্নুনা পুবা য়াবা পোৎ মরম পুম্নমক হাপ্লে। কৌরমদা চাহৌ মথল অমদি পোইরৈ-তোন-না থুদোকপদা পুক্কপনি কোলোয় মাগী মিংল্লায়না চাহৌ পোইরৈতোন হায়না পোইরৈ মৈতৈনা মিংথোইরে।

নোংম কৌবা নোং হুমিং অচংবা য়েং ইউরা চীথোং পোইরৈ-তোন মতৈমা লৈমা লৈনাউতাবীনা খোংলোয় ওই মাগী তেজোল অচৌবা পু থাবা হৈনা মতুং ইন কংলৈ মায়ৈগে তম খোংশাল্লক্লে। নারক কয়া নম, শীংলক কয়া ফাও, উমং কয়া লাল, পাৎলম কয়া ঈথেংনা, তুরেল কয়া ঈরাম্না লাক্লে। অঙ্গুম অঙ্গুম লাকপনা কোরৌ মানা যম্ন নোংজা মানা শিল নোংমা লোংমা হৌ থাজ মপুং কা; থাজ মানা য়ামশিল্লক কুম্নাং অমা কা, চহি কুম্রোল কয়া কয়া খোং-থেংনা কংলৈ লমথৈ য়োৌরক্লে। য়োৌরে কোক চংবা য়াবদি খোক্লে। য়োংশাক্লা, শীংজংনা, থাংনা, তেজা, কাওবেল মশুং মপাম্না থৌহ্ন হুংখোও হাং লমথৈ লাহিল্লে। চৌংগী চৌংলোল হ্নুনা কোম্নরক্লে।

মানা য়োয়ম-য়ৌরবা মকমদা খুদম হৈলাল লৈলাল কয়া কয়া থারম্রে। অহুনা শেলোই থাংজীং ওন্নরায় চংবী লাকোল অচৌবা কেগে অহৈবা মোইরাং চৈজিংবশিংনা তেংথানৈ—

পোইরৈতোনগী খুম্বোক না,

লৈনাউতাবী খুম্বি-না।

---

পোইরৈতোন-লৈনাউতাবী অনীগী খুম্বোক-রারী অনীদি রারবা পিরোয়নবা রারীনি। লম্বীদা মপারী মমোম কয়া শাংজি। লৈরাং লৈতম চাদনা লৈকেনথি পাবুক পীবুক তোয়না কপ লাক্লবনি। পাম্বা শাম্বেংনা য়াংদৌ লম্মুক্লা চীথোং লৈমা অনীনা রারবা খোংকমদা শমজি খায় থংলেন মানা মশানৌ থি কংবা কৌবদি লৈতু, শানৌ মানা মথংলেল য়েংডি উবা কৌবদি কংদা কয়া-তেংথা-নাওইনা চংলক্লবনি। রানা শাংনা কুম্নাং কয়া চংনা শেলোই নোংমাইজিং পম্লুংলবনি। অতুবু অরাবনি। রাবমথৈ রারগা ইউরা চীথোং পোইরৈতোন তালোই হিংমাংনথি; নোংদা লাইরেল পাথংবগী মখুত্তা মায়থী কৌরুক খুম কশাল মৈওকপা তাখি। অসী ডাক্তি, তাইবং ওংবা কনাগী নীংবা থুংবা লৈ! মালং-তাবা কনানা মুওতাইখিবা য়াওবগে!

---

অসোমদনা পোইরৈতোন খুম্বোরক্রে তাবদা অঙৌ-পানবা লৈবা য়াক্রে, অরাং পাংনা চেনখংখ্রে। নোংদা লাইরেল পাথংবা লাক্লেকউরে। অরাং-কাংলৌ-লাইমকোল মীয়া-নমু পোংথোক্লমদগী পাথংবা হনজিং চীংমৈ ইন, লিলরাই ঈয়ম তোরৈনা কংলৈ লনাপুং খুনকুম্লক্রে।

---

কংলৈপুং ঙসিদি মীনা পারে, পাখোক্লে। মীগী মীরাউখোল্লা মালং লোংমন, হূনা নিনখ্রে। য়েঙঙু, য়েঙঙুবা মায়দৈগী মী, মীনা পুরখল থবখ্রে। কাংলুপ মীপোম হৌরে, মীরুপ মীথক কারে। করিনা! নোংদা লাইরেল পাখংবা মশাদৈগী পুঙ্‌না লাকপা নত্তে। অরাং ফাংলো লাইমকোন্দগী কংলৈ সনাপুং কাওবদা লৈরিবা চীংলম পুম্বা থাংবায় মৈচুনা লোইগা নাইগা খোম ভকথরকপনি। ইউবা চীখোং পোইরৈত্তোনস্থু মপাম ইউবা লমখৈদগী কংলৈ সনাপুং কাও-বদা পাজল-উকার পাক্লা লোইগা নাইগা লৈরিক লৈরাক থম্বা খোম ভকথোরকপনি। হায়া মবুক থম্বা সনাপুঙ্গুয়োন্দা অচৌবা মীহৌ অনীনা পাশিল্লরুবদা করি ওইবা হৌনে! মীনা থল্লে, পারে, পাখোক্লে।

লুরাং গুরু পুন্সিবা শেলোই লাঙ্গোল চীংমায়দা হীরী কোন লাইরম মংদারিবৈত্তদা মীগী মীনিল মীরাউখোল তা মিংপাঙলক্লে, নৈনা য়েংলক্লে, তৌরিবা মওং অহু উরে। হিঃ মাংবা তারেনা তৌরিবসীদে থল লাউথরক্লে।

গুরু— লুরাং ইপাচাশা তাত্রা? ঙসি কৌবা নোংসিদি ঐখোয় থোকহৌত্রবদি কংলৈ ঐগী সনাপুঙুয়োল পুম্মাং মাংথিবা তারে। নখোয় পুম্নমক লোইরো ঐখোয় লাল থোকপা তারে।

গুরুগী য়াথং তারবদা লুরাং শাগৈ হৌরে, লোইরে। গুরুনা লমজিংজুনা লানফম ময়াইদা থুংলরে। লানফম য়ৌরবদা গুরুনা নাপাক অনী য়েং লাউরক্লে।

গুরু—ঙসি কংলৈ মানা পোম্বা ওই লাম্জিংমরিবা নিংথৌ পুম্নমক! পুন্সিবা ঐগী ইরানী মুম্না তারগা তিন্নাং অমুক্তং থকয়োংনা

পায়মা য়াখম্নৌ। থুম্বি-লৈখিবা তাইবং ইথৌদাংনি। শম্বেং পাম্বোম ওানবনা তাইবং ঐখোয়গী ঐ:না পোকপনি ওানদফদে লৈবা নত্তে। মালং অমত্তদা ওং মালেম অমত্তদা তা কোম্নৌ অমত্তগী মথাদা পান লৈমিম্নরগা ঈথি-ঈত্তাম্নবা হেৌনদে। ওসিদি ঈত্তানফদে। লানপা লানকোক অনী চোংথোক্নৌ নপাঙ্গল নপাঙ্গল চাংয়েংনৌ. নম্নৌশিং নম্নৌশিং পাদম্নৌ। অাহেনবনা পোম্বা ফংগনি, ফংলৈ নিংথৌ লুচিঙ্গনি। ওসিগী লানফম অসীগী লানপুম্নেন্দি থাবা অঙৌপানবা অনীদি থোক্ক্রে; অমনা মথুভম লেম্না ওমদা ইউরা চীথোং পোইরৈত্তোন লায়েকউবনি; অতুপা অমনা মথুভম ওাকপা ওমদা নোংদা লাইরেল পাথংবা কৌথক্নবনি। অতুনা ইচুমা পাথংবগা ইচুমা পোইরৈত্তোনগা অনীনা লানপু তাম্নে। অনীনা চাংয়েংনফম থোক্কে। পুন্সিবা ঐনা ময়াই লেপ থৌরম পরিং মা রায়েল পাউপীনগনি। লমথোইনবা ম্নাও ঐগী বা তাম্রবদি নাপাক অনীগী অওম্বদূগা লুম্নাং ঐগা থাংম্নায়-তাম্নায়নবা তাম্নে......।

গুরু মপাউ তাবদা নোংদা লাইরেল পাথংবা, ইউরা চীথোং পোইরৈত্তোন— অথৌবা অনীনা— ফজৈ থাগৎনম্নে; গুরুগী রায়েল অতু য়ামম্নে।

অথৌবা অনী চোংথোক্নম্নে। পূকী পূরুম, তাগী তারুম, থাংগী থাংলম, নুংগী নুংলম য়েংনম্নে। অমম্না হেন্দে, অমম্না তাদে; অমনত্ত তাদে, অমমত্ত হেন্দে— মাম্নে। হৌজিক্তি কাম্নি য়েদম্নি।

চৈম্নে থ্রাংলাক চেংমা শেং অকনবা অনীবা হাও মুরা লংকাই চল

কোম্নরক্লে। অঙকপা লানবানি। পুজোই অমদগী পুজোই অমা কা, অতুদগী অমা লান শাজল্লক্লে, তুনজ্রে। অসী অদো নিংশা মৈবা চিংনরক, হকচাং হুযাং পূমচোৎনা চাইরেল পুনজাউ ঈহৈনবহু মখারবে। লৈনবগা চাকনবগা, কুরুবগা কাওনবগা অঙকপগী মুক্লানি।

মতুম মাগী লোংবরা পাখংবগী মরায়বক্তা কংলৈ কথাল অমখি-কবা ইউবা চীথোং পোটমৈতোন তুরে। মরুবং গুরু পুন্সিবা পাখংবা নিংথৌ মকোক লাউখোক্লে।

ওসিদি কংলৈগী হরাউবা মুখিংনি। হরাউবগী নক্লে, য়াইকবা হুমিংনি। নোংখোং ফুনা সুক্লা নেম্না হৌবা নোংমা খংহৌদনা তাকথিবগুম অকিবা ফংনা কৌরম্বা লাল পুন্সিবগী কংলৈ-য়াইক-নীংবা পুকচেল্দনা ঈরিক অমা তানদনা লোইনরে। নোং অমুক্তী য়াইথকদা নত্তনা মৈত্রবাক মমী তমখ্রে।

লুবাং গুরু পুন্সিবনা নোংদা লাইরেল পাখংববু কথাল লাইখা ঈথিক্লে। ইউবা চীথোং পোইমৈতোম্না মৈওক্লে; নিংথৌ অতৈনা কথাল থোগাই পুন্দরে; নোংদা লাইরেল পাখংবা "অহচী মাহিংচী" সোন্দুনা কংলৈ কথাল কা নিংথৌ পুম্নমকী য়াম্বা সা পাক্লে।

হৌজিক্তি ফুরুপ শাগৈ নাইনা লৈবাক চোংথোক্লে। শাগৈ শাগৈ চামৌ-মৌমৌনরক্লে। নোংম-নোং ঈজিন ঈমোম্নরক্লে; মৈত্র-বাক লৈতারক শাগৈ পুম্নমক লৈতা-মুংদানা পামরক নোংম-নোং অকারম তম্নক্লে।

পাখংবনা কথাল কাউতে মৈত্রবাক্না মম্ন হনবা নোং পোইমৈ-তোম্না কথাল মৈওক্লখিবা মৈ-শেং মাগী পোক্লকম হৌজিক শেলোই চীথোংদা চাক্লিনা মৈকম 'সিনি।

# পোংশংবম থোংনাং।

চেংদৈ লিঙ্‌বা শাইগেনি। মতম অমা কংলৈপুং অসী মখোয়গী পুক্তা লৈরম্মী। মখোয়গী বাঙ্গী-বাখোং পুন্নমক মতমগী লাকোক্তা পানখিবনা অয়াম্বনা থংনত্রে। কনাগুম্বা অখিনবশিনো থিকরবগু মতমগী লাকোয়া য়াম্মনখিবনা মখোয়গী পম্বুপ য়োবা থারে, য়োঙ্গব-মক্তদা মরেক্কা শাম্মনখিবনা মখোয়গী মরোল লোইনা খুনবা থারে। শাগৈ অসিগী শীংনাইদবা লৈমা মিংথৌশিংগী মরক্তা মিংনাইদা মিংনাইখিবা নিংথৌ তাম্নী লৈমা তাম্নু, নিংথৌ কাংবা লৈমা কাংথল গুম্বা থরদংদগী নত্তনা অতৈগীদি মিং ফাওবা মুংপগুম তৌশিল্লক্রে।

মখোয়না কংলৈপুং তারকপসী কুইরে। মালেম লৈসেম মতুংদা ঈচাউ অমা থোকখি। চীঙু মতীক চাউবনা থা-না পাংবলম কংলৈপুংগী ঈশিং থাখখি। ঈশিং অত্তুনা কংথরকপা অতুরাইদগী মখোয়না কংলৈ অসীদা থুম্লেম-লৈসেম পাল্লকপনি হায়নৈ।

মখোয় অসী মখোয়গী মতম অমা লৈবগুম তৌরম্লবগু নীংথিনা লৈতানা পানবদি ওমখিদে। পোথাবা, নে-তাবা মখোয়গী মরাইবক্তা য়েক্লমত্রবা শাগৈনি। লম্নাইদবা মপুঙ্ফিগী অরাব-নারক, থুদোংথীব-শীংলক নম্নবদা মপুম থিংতুনা অতুম ময়োইগ্রবনি। মালেমগী তোঙ-ঙান তোঙঙানবা মকমদগী হোরকপা মী-ঈচেলগী ঈরম অচৌবা কয়া কয়া, ঈথৈ মচা, অচৌব কয়া কয়ানা পাশিন্নকপনা কংলৈপুং অসী ওক্তনা ঈনিল নাইখি। ঈচাউশিং অসী পল্লিং পঙ্কাম্লদনা মখোয়গী

ববক পঙাও ওইখি। কনা কুইনা মখোয়না পয়াপ-পাম্বিং ওমজরম্মী, মবৈদদি ওমশিল্লকয়ে। ঈহৌ ঈচাউ খুদিংগী ঈয়ৈ-ঈনম চায়কপনা নোংমনোং শাগৈ অসী মরোল-মরাল তাকশিল্লক্লে। অদুম অদুম ওইনমক মতীক মগুন ফুদোকতুনা মতম কনা শাংথনা ঈথৈ ঈথৈননা মখোয় মশেল কায়নখ্রিকাও মখোয়গী খ্বাইগী মীরক তিক্কবা মওয়ল্মি।

শাগৈ কায়বা অরাবনি। মীওইবগী শাগৈনা কায়দনিঙঙাইগী লৈতে। করিনা, মপান্না থরদং ফরকপদা হেক মমখিত্নুনা মীওইবনা "ঐনা লৈবাক্তি, লৈবাক্না ঐনি" হেক্তা মকাউথোক্লে, অদুনা হেক্তা মকায়। অসীনা শাগোম্নরকপা মীরমচং ওইবনা চোংলৈ মগুং অদুম তারে; কুরুপ অনী'মা চোংথোকখ্রে। কুরুপ অমনা থাব-গীনি, অমনা ঙানব-গীনি। অনী অসী কন্দ-হৈতবা নত্তে, মখোয়গী হাক্তঙা চোংলৈ অসী হায়গী মঙাম্মক ফংগ্রবগী কমা নীংথিনা ফুগৎ-লক্লই। অদুবু মুংলমদাইগী থাওমৈনি, কয়াবু কুইনা ঙানগনি। মখোয়গী মতুংদগীদি চোংলৈ থংহাই হাইথখ্রে। চোংলৈগী মঙাল কংলৈ মাগী অতিয়া মকোয়দা তাকখিবা চীংজেং মারল-পাজনবা লাকখ্রিকাও অমুক কাওরকপা তৌখিত্রে। চোংলৈ, কংলৈ হৌমিন্নবা শাগৈ, নোংমনা মমান্নবা শাগৈ অমগী শেগা থা, নোংমা অমনা অতৈ অমগী মখোং পায়, চাক্তাং-কিদাংবগী মওংগুম ময়ুমদা মীনাই শাত্নুনা পানখি! অঙকপনি মতমগী খোংলৈ।

১

খোংজি নুংলাইবা, অসীগুম্বা মতু শোক্লবা চোংলৈ শাগৈদা

পোক্লম্মনি। শুভপ্রজ্ঞি মুক্তচুনা মাগি কিংখৌ হাত্নবা খিংখোলগী অহুপি লক্লইদে। মতুংদা অদোম চনিনগী চহী পাইখিদুনা অমম্বা চামচাগী মদুতাইদা ওইনা হুংলে কথাগ লাংথিবা মৈরিক্কী, নাউখগ্রগী লোয়ানি। মতু শোয়না পোক, মীখা থানা পামুগগা মহাক্কী মঙ্গী মমং থবুগী মপু ওই, চীক্ক ঐংনা মাগী পোকপা অমা লপাইমে। কল্পিনা, মথোং লেক্না পোকপা মীনা খোংজেকপগী অরাবা মুমা থংদে; মতোম্দা পোক্লমুগ অমা ওইনা থোক্কে। অমুদা মাগি রাজকবনি, অরাবা অইক্কী অমা রাইপুংহম্বগমুদনা হায়বদি মাদে। অমথোইরবা অরাবা অমা মাগী নাকওইনম্বগদৌরে। অমুক্ক মাগং মাগী মালংচংনি কনানা কৈদৌনি।

খোংজি নংলাইবগী তালোয় চেংলৈ-লৈরমগী মইক, নীংথিজে। চুমা অকক্কনা লুরে, মাগী লোম্না মপা অমা লৈজবগি মতম ওইনিঙং-ঙাই মতম কপওবা অমদবনি। মানা অকবগী কদায়ুগী মইখ কইজ হংলকুনা উৎলিঙঙাই অমমঙদি লৈ। ঈ-ঙংনবা লৈরাং লক্কা থেইলৈ লৈঙ্গ। ওইবরম নীংথিবৈ; লৈরাং মাগী লৈলক হৈচুবা হেনবনবনা হৈজিংরোয়া 'থেলৈ লৈঙ্গা লোংজুবান, কদাবদি লৈরংখি' জেখারবং থম হাতম অহুগী মীজোয়া "জেংইজ লৈঙ্গা শকহেনবু যোলা লেলা শকহুংখি" জেখাইবু। অনী অগী চুপ কনাচুনে। থেইলৈখা লৈলাক্কে লৈপুনা পাবিনিঙঙাই লৈকলম লৈমা মাবু শাকখং শকাফা পাদি-লিঙঙাই তাকিদ—অইৈবু লৈজে লৈরাং মাগী লৈরম থাম্বগী চুমা মাঙীত থম্মোই রাংলি। মাহুকনি কবি লোয়লাখৌবি হেংলি।

নোংমা মৈদিঙগু নাউখম্বনা মাগং ঈচিক লোকে নীং তৌবে মঙ্গং ঈগু, মুখিদাংঙাই তাবা মাহুং ঈরোয়দা হেংলৈ অমুংঙাই

শোয়রা হাইহোয়রকই। অদুগা অনীবি ফংলৈ ঐরমদ শাইকা ইথাক লোক ঈরেক্লো ময়োল মুংকে নীং ফংলৈ লোকশী হেক শুম্দোরকই। অনীদো গোক হেক মায়োক্নরম্লে, মিংকা মিংকা চায়রে। নাউখম্বা মহাকপু 'ঐদি ফাইবদ্কোন্নরবা খোইমুদ্দি, নাপোম্ হিপ্পা খোইমু গুম্ব লৈচুপ নীংশমকদে" হায়ুদে; ফুরুপা লৈমা মানপু "ঐদি মীকোল ওয়ারী লৈবাংনি, লমজাউ ফারবী লৈরাংগুম খোইরান থাইওক্লকদে" কাউথোক্লে; অনীদো মুংশি চাঁয়োম্ পাউশিন্নরক্লে। থাজনিঙঙাই লৈত্তে ওহোক্লা মীওইবা নংশী নরমচং!

নাউখম্বা ঐগী পূক্রিং হুরিবী মুজা ওইবী নংবু কনানো? মৈদিওঙ্ নাউখম্বগী মুংশি-মুংঙোল থৌরিনা মুজা নখুং ফুংবুমা লৈমকোল য়োগনি থংত্রা? মুংশি রায়েল-চৈরাক ফং নিংথৌ ঐগী চাম-মিংশেল থাং লৈমা সনা ভাংবল নাপ্পা য়াগনি থম্রা? কোলোয় নপাউ শেংলম্মু।

নাউখম্বগী রাঙাং জাবদা হায়া মুংওজবী লৈমনা খোংকম থাংদি থাঙতমদা, থাক্তুশি কদায় চং-লেপ্পা মিংচিনা হাইকেং পাদমম মোমোর মূরক থিজাপা পাউথুরকই।

লৈমা— লৈরাংমা মোংদমথীবনা লৈপু হায়া পানথরে। লৈরাং ঐগী ইত্তুংলাং মুংশি খোইমু নহাক্লা শাগল তুকাং ভংপরাই লৈরাং ওইবী ঐরাক্লা ইক্কিংনা করম লেংলিগে? মুংশি হাংশি মুংওমা পাম্মু পাম্মু পংলোইনা মুংশি পিখম্নগে রাঙৌপহুকো থাম্মুনা!

নাউখম্বা— নপু ওইনা কনানা হুরাবম্ থাত্রা?

( প্রপ প্রপ চংশিন্দুনা লৈমা থুংলেং পায়হুনা হায়রকই )

চৎলসি শানৌ, ঙসি কৌবা নোংদগী নং মৈত্রেমা নি। ঙুংশি নংগী নগুংলাং অবাবা তাবা পুম্নমক য়াই কৌবা শোনগ্রয়োই।

লৈমা চিংলক্লে। মৈত্রবুং তমছুনা অনীদো থোংলৈ কামজাউ ছম্লক্লে। মৈদিঙঙ্না লৈমা চেনখিবগী পাউ খোংজি নুংলাইবগী মনাকোং য়েৌথরে, "অচ্চা লাকচৈদো" কুদোয়ক্লে। চেংলৈ লাকপা অশাউবগা ঈরোয়না খোঙাপ চেম্বাংনা তাম্নরক অনীছু লাপ্না উরে, লাউরক্লে খোংজি নুংলাইবা।

নুংলাইবা — হায় মৈদিঙঙ্, তাত্রা লেপ্লমখো, ঐ লাক্লিয়ে।

খোঙ্গেল অছু তাবদা নাউথম্বা চপ লেপ্নে. লেপ্পা লেপ্পা মশানৌদা হায়রকই।

নাউথম্বা— ঈশানৌ ঐদি ঈমায়বনা লানকৌরবদি লেংবা য়াত্রে, পামু নংনা পায়মা ঙুংহোংনা নথংলেন ঐবু হাংপদি য়াদেদো।

লৈমা— কন্নি য়ানো পামুবা! তাংজা লিম্নদবু মরৈ অনী মুবনি, ননাও ওইবা ঐনা লোয়ুবা নংগী কাদদি ইচীল ইরৈ অনীদি মুরম্মরোই। ননাও ঐগী ইগুংলাং পামুবনা মায়থীবা থোক, পুন্জি তেনথম্নবা তায়বত্ত ননাওনা কোরৌ নোংমদোম্দা হৈনা নতুং ইন. ঙুংশি নংগী থৌগজ, মুজা পুক্লিং থুংজগনি।

খোংজি নুংলাইবা য়েৌরক্লে. শাউনা মৈদিঙঙ্ য়েংছুনা হায়রকই।

নুংলাইবা— এঃ মৈদিঙঙ্, নংনা য়াম্বা সাবদি অসীরা? নংনত্ত মীগী তাঙোয় ছুরিবা?

নাউথম্বা— নীংথিনা লৈরাং চিন্নীংদনা য়াউরা ? অছুম্বদি ঙাউরবদা

নাউথম্বনা কৈদৌনোংদা নমছুনা লৈপাক্ষ ফুকপদি তৌদে।

নূংলাইবা লৈমদা য়েংছুনা ঙাংছুনা হায়রকই।

নূংলাইবা— লৈমা, করি········ ?

লৈমা— নহাক্ষনোংমগী ইথংলেক ! নোংমা নংনা অছুম পাউহং

য়ারগী। ঙসি'কৌবা নোংসিদদি ঐ মৈরেমমনি, নংনা·· ···।

নূংলাইবা পাউশিবনা "নংদা লোইরগা লোইয়ে" চোংশিল-

লক্লে। নাউথম্বনা মায়োক য়ারে। শামান-লেংমায়বনি, অমমন্ত

লাকচদে অমমন্ত হেন্দে। শামু পাজমবা অনীনা য়াথিন্নরকপা

মত্তানি। কনানা ঙম্মগবা ! মালেমদা অচুম্বা অয়ানবা থংদে।

মাথোয়গী য়ারেল্লি মমৈথংদনি। চৈগারকপা মতম হায়বা অমা

লৈরি। চৈগারকপনা লানঙম্বা, চৈঙমলকপনা লাহৌবা, পোলোইদা

পোলোইগীদি থংদে, মালং মাগী মাজংচংনি। নূংলাইবা মায়থীরে,

নাউথম্বা মথবাক্তা কমছুনা হায়রকই।

নাউথম্বা— পাথৌ ! য়ারৌশন্নু, নাউথম্বা ঐগী শাম্মাইমমবা পূক্নিংনা

নংগী নকমদা য়োল্লুরে। নংবু ঐনা থাদোক্রক্লনি।

অসী হায়না হৌশংলে, ফেংলৈ-লৈমা পুছুনা মৈতৈ কোন্নুং

চংখরে। নূংলাইবা য়ুঙাইবনা থম খেংলে, ময়ুম হনগে শীংজ্রে,

শেক্লোই চীথোং য়োরবদা শাখেল উথোং উঙানা শীঙমদবা

থম্মোইগী মৈবা চিংবা মনিংশানা ফুংগী য়ুঙাইতবা মৈচাকপু পোম্মাই

হুম্বা মালংদা পাউদম্বা তাছুনা লৈরকপা কোয়ৌ শীংবুম কাশিল্লক্লে।

নূংলাইবা, করি পায়না অদুক য়ুংজেংলি। তাংথক্লাইবা মালংগী

খোংকল্লি। কাবা-কুম্বা মসিজাংনি। নীংবা কায়সে মীংকায়কনে, নংগীগু মোংমা লাকপা য়াই।

২

খোংজি নুংলাইবা শেল্লোই চীথোংদা লৈরে। চাগনি থংদে, থকনি থংদে, মমায়বগী মথুত্তা মায়থীবা অমুক নীংশিংঙি, মাগীনি লৈরম্বা মুগীনা পুজোই অমগী মচুংদা মীগী লেপ, মাবু সাথীনা মায়থী পীবা অমুক নীংশিংঙি। "হেরা অসি ওইরে মালংপাল" মনীংসা ফুইনা ফুইনা হোৎত্নক্লে। মাগী মনীংসানা শেল্লোই তাবা মালং ঈরোয়মনা কোয়ৌ নোংদোন য়োৌথরে, চেংলৈ-পোকপা মপুবু মৈয়ৈ-কনে। মানা হয়া য়েঙ্ককপদা চেংলৈ নিংথৌ খোংজিবা উরে। "হিঃ করিনো" হুংদায়কপদা খোকথিবা খৌরম পুম্নক উরে। হৌজিক্তি কোয়ৌ ফীরুক হাং, লৈচিল খোংনেংনা মপুগী মনাক তায়া নোক্ত্নক্লে চেংলৈ পোকপা।

চেংলৈ-পোকপা— ইপা খোংজিবা, ইপুনি; নংগী অরাবা উদ্রুনা কোয়ৌ নোক্লুয়কপনি। করিগী পায়মা অদুক হুংজেঙ্ঙ্রি? ইপুনা নংগী তুইন তমপনি। লাঙোল মাংথংলবদা হুংশি খোয়দা-হুংদানা লৈকাডিয়া শাৎমিয়থিবী ইপা নংগী নশানৌ হন্দকী লাঙোল অসীদা শরাংলৈমা কোলোয়না শরাং-নিংথৌ পাম্‌্মো শাৎলরে। ঐনা হৌজিক মাবু পুয়কনি। নংগা মাগা য়ুমথংনা চেংলৈ খুজাউ লৈচাউনা পাল্লুনবা থৌয়াঙঙু। পায়মা হুংহয়পস্থু।

খোংজি-নুংলাইবা তুজুং থ্যাউ লাউ, হুজংনা য়েঙ্ককপদদি

চেংলৈ-পোকপা মপু মোমোন মালংবা নোক্তিরম্রে। "করি মতৌ কৌবনো ভসিগী মতৌ অসীবো! ঐবু মংলা তাইবংলা!" খোমুল তাদনা লৈথরে— ন্যুংলাইবা।

অমরোমদনা চেংলৈ পোকপনা চুম কানাইবা ওই, পেল্লোই মপু লাই সোরায়েন মশাইগোন ভংনা শাংজিবী শরাং-লৈমগী চয়ে কীসাকমদা চংখরে, য়োল্ম কৈরা কৈদোংনা চিক চিক খোংলুরে।

চুমগী মখোল তাবদা শরাংলৈমনা চিংনা য়েং হায়রকই।

শরাংলৈমা— হা চুম নহাকপো, নয়োন ইরোল্লদি তিম্নদা, করি পাউদমজরিবা খংদ্রেদকো ঐহাক্না।

অদু তাবদা চুম অদুনা হায়রকই।

চুম—শরাংলৈমা, থুকমু। ঐ কোয়ৌ নোংমদোন খঙগী মুজা নংগী নগুংলাং নোঙ্গুরকপনি। মুজা ওইবী নহাকী লাংঙোল মাংথং-নবদা মালং লৈখোক'মদা ওংমিয়া, লৈকামদা শাংমিল্লখিবা নশাবী, মুজা নংনা খোয়দাজখিবা, হন্নকী লাংঙোল অসীদা খোংজি-ন্যুংলাইবা মিথৈনা চেংলৈ পুংদা শাংলবনি। লাংনা-পাদম্বীনা নংগা মাগা হন্না পাদম লাক্কিবিরবনি। নশাবী ওইবা মহাক্না লাংঙোল'মনা নমথিগাই, চেংকৌ লাক্তি লাক-ভমদা, শকম কাউসি কাউওমদা, অমুক পূক্লিং খোয়রাং ঔথক হৌ, অমুক পায়মা মুংজেং মুংবংনা শেল্লোই নংগী চীখোং অসীদা থমুম কনাগী নোংদম্রা শানৌ নংবু উমগদগে রানা তাইরেদা।

শরাংলৈমা কিগু কি, মুংগু মুজাই পাউখুম্নকই।

শরাংলৈমা— নংনা থবুম কত্তবা ওইদুনা মুম্বা ঐবু রাংবৌ পুরোংগে মীনবা যাই। ঐদি ইপা নিংথৌনা তাক্লনি।

চুম— ঐনা ফত্রবদা নপা নিংথৌনা কৈদৌনি ? য়েংঙ্কো। ( চুম কানাইবা অমুক মাওঙ্ অমুক উই, অমুক উই অমুক মাওঙ্ )

লৈমদু থংলব্রা ? অদুগা অসীমগুথওস্, থয়ুম কত্তবা লৈত্তবনি। অদুবং নংনা লৈক্ষেনিঙ্ডাই রারক শাক্তে থারদনি। ঐখোয়দি মরুপ শন্নুন নাইদে, য়েক্রবা চৈথল থাদে পুম্নমক চপমাব্রে। নংবু মুংশিন্দুনা মীয়াম লোয়ীন ওই, নপুম্ছি পিথমগনি তাকপিরবদনি। লাকও চৎসি।

শরাংলৈমা— ইমা লৈমশিংনা কীসাখোল তাদে থিরক্লবদি ?

চুম— নংগী শিল্লুক ঐ পুবিগে। ন্মা লৈমশিংনা হোরেল পাউহংলগা খোয়নৌ ইমাব্রবগা কব্রং লংদানমিন্নকই হেক্তা মথুম্মু।

অসী হায়দুনা চুম কানাইবা লৈমগী শিল্লুক ময়ানা চিক্তুনা পু, মমৈ কাংদুনা চেনখ্রে। শরাংলৈমা হায়মরক তোমরক ওই, চুম মাগী তৈনা তুংইল্লক্রে। চৌংদোলদগী চৌংখোং তাল, চৌংখাদগী চৌখোং তম, খোংজি-নুংলাইবা লৈবা মকম য়ৌরক্রে।

চুম কানাইবা লৈমা মাগী শিল্লুক থম 'নশাবী লৈমে' হায়রম্লগা মাংখ্রে। শরাং লৈমনা য়েঙ্কপদা খোংজি-নুংলাইবা উব্রে। খোংজি-নুংলাইবনন্ত শউম অমা তাই, লৈনা য়েঙ্কপদা শরাংলৈমা উব্রে। মিংকা মিংকা চামরে, রাদি'মত্তা ওাংমদে। পানগী পানগী শকাউনরবস্ত মুংগী মুংগী শকথংনরে। লৈমা খোংবী তৈন্হোক্না থাংলে, খোংজি-নুংলাইবা চৌনুমান নোকচিক্না লৈরে।

অহৌকপনি তাইবলোম। অনিমকা কুমা-শম মুক্লীবনা নমকা থা, হয়াই ইটহ হক. মতম ঐজারকবকা: লৈমগা কনিখাংনি৷ মায় মরূবদি কৈনগী থিংবা ভনবনি। চহৌজিক্না মাকথা শাংজিলি চীন-থাক মোকচিরবা লেপ্লিবা অসে!

কনানা রাহৌগদৌরি। রাহৌবনা কবি হনবিৎতাই লৈ! অনাইনা রায়োইদ্রে। কুংগী মাদি লৈমগী হৈলহৌবনা খোংবীগা খোংজিগী মোকচিরবা চীনখানথা অমীমা রাজেরবে। পানজীদা মণ্ডাইরে। পানগীদি খোইমু ওইবনা কাইহৌবা চেনখানি।

নুংলাইবা—শানৌ করিগী খোইরংনবনে?

লৈমা—নুংশিবা, করিগুমদা লৈমাং ওইকীনা খোইরংনমিবা তারবা?

খোংজি খুখীরবা খম্মোইনি। খম্মোইনা কানবনবনী কুমকে।

নুংলাইবা—(মখোল নীক্না) খোইবান অতৌনি?

লৈমা— করি রানো মাঙ নংবু লমজাউ ওংবী লৈকাবনা অমনি, তাইবং খরাই পনং নাংবী লিংঙনা অবনি। মাপোম হিকা খোইমু শাকন কমচে নীক্না।

নুংলাইবা— শাবনা পুক্লোচাউবী মুখলোয়মঙ্গু। নামু নগী নকাবা মনাবী ঐনা লওঙ্নু!

মুকা শাবং অমী রাজেরবে। নগাংলৈখা মনাল ওথবনে খোংজি-নুংলাইবা চেংবে নবান-তম, লৈমা থাপা-হাবনমা মপু ইন, চেক্না চোককনা লোয়রবনবী মথকমা মী থাক্লক রাকৌবে।



লোয়াহেন রাবে। চৌমবী চৈজীং চৈনা পুনে থিকোয়

কিতাম থারে ; বাবোইনরে। খোংজি নূংলাইথপা শরাংলৈমগা খুৎহোংলে। লোয়ারেম্বা মচাশিনমক ভগুৎ চাবা, অমং চাবা, চাবা চাবনা খূজিং গই, অওং-অরাম অম খোংজি নূংলাইবগী ময়ামদা মচা শরাং লৈমা থিরে। লৈমনিংথৌ অমী খোয়দা-সুংদানা পাম লৈবাক লৈচাউরে খুদোলং খুমাউরে। পুন্নমক চুডাইনা পারে!

লৈম-নিংথৌ অনীগী চাক্তকা কংলৈপুংদা অরাবা অমা খোকথি। কৌকচাইজেংদগী ঈশিং পাথরকপনা ভু-থোং মথুক থন পাথংলকপনা কংলৈপুং ঈশিংনা লোক্তাক থারা পীরে ; লৈবাক কাঈ হাঈ লাউরে। কংলৈপুংগী চেলপাক নিংথৌ পুন্নমক খোয়জি চুংরেক কাউনরে ; কয়াং পৃৎকূম লেরয়ে। পুন্নমক পুন্দুনা লৈবাক হৌজনা লাইকা ঈনাকা চৎলে। খোংজি নূংলাইবা মাগী লৈবাক পুন্নুনা চরৈ-কিলোল কাংলথী খোয়জি-ঝিহূল-লাংথী লৈমদা লৈবাক শিয়-রমহনা ঈনাক্না চৎলে।

অতকপা ঈশিংনি। হাথরকপগী লোইবা লৈতে। পন অমুক মাপ্নি, ঈশিংনা অমুক মনমথাউ, খুথাবা য়াল্লে, লৈবাক পনথোও থাবা য়াল্লে। নিংথৌ নিংথৌনা মাগী মাগী লৈবাকী লেংপুনবা হৌরক্লে। অন্নুম ঈনাপ্পকপা কোয়ৌ শীংবুম মকায়ক্লে, থাবুম মশীং কাশিনক্লে, থায়োয়ফবি য়াল্লে। লৈবাক অমতা মুক্তমরক্লে।

অলোয়কনা শরাংলৈমা মকুম মথা সুনে, মগাগী অমা উরে। অতকপা মচানি। মমাগী শীকুক্লগী কল হেক চোংথোকপদা চুক হৌগৎপুনা মমা মেংহনা হায়রকই—

অতাং— ইমা অপোকপী! এবু পোকপা পথৌনি কদায়?

শরাংলৈমা লানা হুত্তক থুংখুরুনা লাউথুরকই।

শরাংলৈমা— ইপাগী চাউত্রিবা, নংবু লোকপা পল্লৌদি কংদৈ ঊচাউরহনা লৈবাক চোম্না পুহনা কৌত্র চীথোংদা লৈথরে; চীংজেং ঊনাগা চংখিবা থাবুম ফনা য়াম্রে।

অঙাং— অদুদি ইমা, পল্লৌ থোঙ্গুল লীকখিগে। কৌত্রদি করোম-দনো?

শরাংলৈমা মচা অসী লাইপোক্তি, থাম্বা য়ারোই উরে, কৌত্র মাইকৈদা থুদোম থিত্তাক্না হায়রকই।

শরাংলৈমা— অরাং পাংনা য়েঙঙ্ চীংদোন অহুম উরিবসে। থল মরুম সাবা অনীগী ময়ায়দা লৈরিবা চীংদোম্না কৌত্র কৌবনি। কোম্নুগী অরাং থংবনা কৌত্র চীংদোম্নি; থা থংবা অসীনা লোয়াম্নাকপনি। চীংদোন অহুম অমী ঙম্না চংখো, পল্লৌ পল্লেংবগনি।

অঙাং অহু মমায় অরাং পাংবা থোরমী থাওম্না মপাগী থোঙ্গুল লীবা লাক্রে। অনুম লাক অনুম লাক চীথোং য়োরে। লৈবাক মীয়াম উরে। কমিমত্তা মাচুংবা তোদনা মীয়াম মীরক চংহনা নোং-জবা থোনকয়া লাউহনা লাউহংলকই।

অঙাং— পল্লৌ মানবথোয়! ইপা থোংজি নুংলাইবা য়াওম্না?

মী পুম্নমক ঙক্রে। মৈদিঙঙ্ নোংথম্না লাউহল্লকই।

লাউথম্বা— ইপা কৌবু কনানো?

অঙাং— ঐদি শরাংলৈমনা লোকপনি। ইপানা থোংজি নুংলাইবনি। ইপাগী থৌদাং পুগে লাকপনি। ইপাগী লৈকমকদি তাকপিনু।

নাউথবা— মপা লিংথোবি লাইবা ঊজেং পুক্নিমমি। ঊথোং তাত্রা চথদি।

অঙকপগা লোরমদা মরাম্না হৈলা তুংইবা অঙাং মপাগী লৈকম থিরক্লে। লাইজা ঊথোং মোমথবা লোংথোক্লা কোনক্লে।

অঙাং— ঐগী লোকপা পম্বো থোংজি মুংগাইবা মাওত্রা? ঐ ঊবা শরাংলৈমনা লোকপনি। পম্বো নংগী থোঙ্গুল লীরকই।

থোজকন অঙ্গু তাবদা মুংলাইবা হরাও তুঙ্ঙনা "ইপাগী ইবুঙেঙা! ইপা লৈ" চোংথোরক্লে, মচা কোওক্লে; মপা মচা পক্খং-মরে। অঙাংনা মপা য়েংদুনা হায়রকই।

মচা— পম্বো! ঐগী লোরমনিন। ঐনা থোঁসিনিজতাই ওইরে লৈবাক পুম্বা লোখাদিরো, ঐনা তহাক্কদা ঊথিংগদি।

অসী হায়ব চোংথরে। মীনা ফুকঙমদবা নুংনা ঊশিং ঊরায়দা ওক্লে। ফুকঙমদবা উজাউ কুতুনা পুরক্লে, মকং মথং কাংকৈ হারক্লে, মথৈদা-মথৈদা লৈতেপকতুনা লৈমক্লে। লৈবাক লিংথো পুম্বা জোহুনা থিজমদবা ঊশিং চাকচাং অথদা পালম্না লোইখলে। কালৈ লিংথো লৈবাক পুরমকা চীংজেং নারল পাঙ্গলমনি মায়ু চীংজেং-নারল-পাঙ্গনবা কোনখ্রে। লৈজ লৈজবা পুথোকুংবা থবুক চেংহোংবী মতাওম চীংজেং-নারল-পাঙ্গলবদা চেংহোংলে। কৌক্ক চীথোকলা লৈবাক মীয়াম কুহৈন্দ্র।

চীংজেং-নারল-পাঙ্গনবা লাইবা ঊপাল লারুক-মীং, লুরোক থোক্লেং গবা ঊপাল অমা মজোল লাকা ডিয়, হৈনা-ডনওই এই-ঊপাল লাংলক্লে।

লৈবাক কোজার অমত্ত উকৈ অচুপ্প্ল্পা তোংহনা ঈপাল লাংলরে।
পাজমবা ঈরু-মাইথবা লোইন্নচুনা মরামদা হায়রকই।

পাজমবা— ঐদি কুম্বা ভারে। ঐনা কুম্নবদি উ অসী হাইগৎপা ভারে। লৈবাক মরাম কুমথথিরো।

কনা অমত্তনা খৌওইনা ভাত্রে। থরা মচীন কাওমদবগীংনা "মপাজন থর কৈ নরাওঙে অভাংগে। নং কুম্নগা কৈদৌনি কুম্নুদনা" খুম্নক্লে। পাজনবা তৌবিম্নু ভোয়না হায়জবদা মরাক্রে। "অচুদি করে" চোংখক্রে অভাংদো। মানা হেক চোংথবদা উজাউ অচু কং হাইগংখরে। তোংলম্বা মী পুম্নমক মীরৈ-নুংরৈনা লোইনা শিরে।

অচু নোংদগী উজাউ অচুবু, মাগী ওইবা উরম পুম্নবু 'মীশি উ' হায়না খংনবি।

চীংজেং-নারল-পাজনবগী হাজক্তা চেংলৈ মরাম কাংলখিগন্না!

কনানসু হায়বা ঙমদে। মত্তমগী খুশিল মতুং ইমবনি, পুম্নমক মাগী পূক্লিংনি।

## ৪

চীংজেং-নারল-পাজনবা চেংলৈ লৈবাক্তা রাজোম্নিংখৌ হাপ্লে। কম্নক য়েংথীবা ঈশিং চংবা ঙমক্লে। চেংলৈ লৈবাক লৈহোং লৈচাউ-না লৈতাম্না পাক্লে। মতম কুইনা লৈতাক্নববা মাগী শাগৈবু অমুক্তং কুপৎকে মীংলক্লে রাজোম্নিংখৌ। কংলা পুংজাউ খীক্লে, লৈবাক মরাম ভিক্লে, রাজোম্নিংখৌনা লাউথোক্লে।

রাজোম্নিংখৌ— চেংলৈ ইপাচা অপুম্বা! ভসি কৌবা নোং রাজোম্নিং-খৌ ঐহাক্না লৈবাক্তা লাউজরি। চেংলৈ হায়বা ঐখোয় অসি

কটৈপূংশিনী থুনা অহানবনি। অমুক্কু থরুম লোংদন থীবনা ওসিদি শাগৈ ইথ্রাবশিংগী লেপ্লা থা, চাক্কি-মিংদি পানজানা ইপুমদা লৈবা থাইবইরে। ওহোক্পনি; পাবেন-পুরেনবা কোয়ৌ নোংমদোল্লা শাম্মানবা মথাংদা তারো কৌরক থুম, হানা শাংনরিশনি। নিংথৌ তাদী, লৈমা তাম্মু, থুদাং পিকন নাইরবিশনি। হৃদয় নক্কি, হৌথিবনীদি ঐথক, চাকোল নীথোকবশিংদু বাইকন হাংনা অঙ্গাশিবা! ঐথোক্না কৈদা তাই, শাগৈ অইহনা কৈদা হেক্কি? ইপা ইপুদী পাবেল পুবেল তাল, ইথুকন হক্রিনথা হাদে। চেংলৈ ঐথোয়গী হিপা থইবা পুম্নমক থাংদা পাম্বা থৈবদা মরেং অরোন লাইনা, শাগী শারোল লালগী লাম্লোল বাজোমিংথৌ ঐনা থীমথা পোকইরে মতুং ইমা তমগৎপনি।

ঐনা লৈবাক পুক্কিং থাজবগে কনমা পুংজাউ থীঞ্জনি।

নিংথৌ অথুবগী মরা অহ্ তাবদা চেংলৈ শাগৈ অপুনা হোয়ে, মুওডাইরে। কয়া কয়া তা-দ্দিংনা "মুওডাইরে বাজোমিংথৌ; নহাকখংলিনা পাবেপ-পুরেপ হক্রিদ্রু" খঙ্গে মিথৈ পাল কুবিবা হোয়রে!

হৌজিক্কি চেংলৈ হিপা মথাংগী চেংলৈ মিপাইকু মরে। শুক্তা চেংলৈ, বুবা চেংলৈ; থাম্বা চেংলৈ, তালা চেংলৈ, মুক্কদা চেংলৈ, চেংলৈনা থাইগী মিংরেংদি, কিথকি, মুখৈবনি। চৈবাদা নিংথৌ ইমথংগা, নিংথৌনা লৈবাক চিংথংলো লৈবাক নিংথৌ শাজনি।

চেংলৈ কোমথোক্লাং থুংকন শাজনাবা, শাবেলা মরেং, পুরেপ

য়োরে, ওসি মখোয় কংলৈপুংশী মথুনি। কোয়ৌ মঙাল্দা লাকপদুনা থাজ মাগা শারোয়না থবান কোজোল তাকপগুম ওসি কাংলৈপুংগী মিংলৌশিং মমদে। অঙোৌপানবা মমখরে, মৈমিঙঙু ঈওনথরে। অঙকপনি মতমগী মিংলৈ! থকা থান্দা, থানা থক্কা যিকুপ'মদা।

চীংজেং-নাম্বল-পাক্কনবা চেংলৈ মাঙীমমক্তা পোকপা য়েঙ্ক্ল. লৈবাক্কী পোকপনি; কংলৈ লমথৈ য়াংনবা, মীয়োয়াকপা চারোনগী লৈজ্ঞান লৈখিনবা পোকপনি। থবান মাগী খোংকপা নোংমদোন কাহ্‌প'মথনি; কোয়ৌ মাগী খোংকমদি নোংমদোন কৈথাকবনি। কংলৈ কোইবা লাই চীংজেং লমথামবগে নীংনে। তাইবং থমুম অনীদি শংবকপনা মথল্লি ছটক্লে, মঙাল ফংবা কাংলুপা!

অংবা অহৌবা মোং ক'লৈ কোইবা লাই তাইবং শঙ্কমা লৌয়ে। অথৌবা মীয়োয়ম শেংলে, মঙাং মমপুক্কনে, শিংলি থৌমী-নরবা পাবক্‌খদা খুদাং য়াই হাপকংলে, খুযোম মরৈনবদা খুযোম য়াই যোমশীন্নে। চেংলয়া খুয়াংনা তিমেন তাগ্রাক তাপায়না চীংজেং-নাম্বল-পাক্কনবগী খোংজিন খোংদমক্নে। মখোং খোংপাক অনীবা মাংলেম ঙাং ঙাং লৈনীয়া নোংখোংনরবা খোন্নকপা লাল্লীং লালমঙ্গনক্নে, চীংজেং-নাম্বল-পাক্কনবা, ঔওঃ ঔওঃ ঔওঃ!

লাল্লীং লালাউ তাবদা চীংজেং কক্লোমক্নে হায়রকই!

চীংজেং — খুওয়াইদা লমজোম অথৌবা, শামাঙবা য়াং, লাঙমবা তাং, লাখোম চাংয়েংজনবা কুইয়ে। ওসিদি মীয়াম থুংলে, অথৌবা মতম কনাগো? চীংজেং লাকপাগনি লাকপদি পোক্তা কমি থাননি? নংনা অপাম্বা হায়দুনা তাদি।

লাম্লোয়— অথৌবা, ঐগীনা থরাই, নংগীনা কংদৈ থাবগা ?
কোন্দোয় কোম্বাকপনি।

চীংজেং— কৈ নংনা ইথোংদা লাকপনি, নংনা অপাম্বদা তৌগনি।
লালগী লাম্লোংগী করি...... ?

লাম্লোয়— লানঙং শুরমক ঐগীদি কায়দে, পোম্বা থরায়নি।
অথৌবা নংগীদদি কায়, কংদৈদেনি। লাইগী নোংদম্বা ঐনা ভবা
থোক তিমেথ ভাথুনং চীনগানা, ঈঙাং-ঈমু পাইক্কেনা অথৌবা
নংনা খোংশানবা ঐগী মিংনা য়েংনীংদে। অথৌবা মংগী
কংলা মাংদা ভাম্নিবা থৌছ নুংজাউ অসি হেক্কা থাংনসি;
ঈভানদবনা কৈ।

চীংজেং— ঐগীদি ইথোংদা অথৌবা নংনা লাক্লবনিনা অপাম পামদ
নাইকদে, কৈ তৌনসি। নংনা অয়াকপনি, হায়া থাজংলু।

লাম্লোয় মথদাং চীক, মথোং দৈথীনা পাম্বোম শিংলি কাকয়-
রবা অনীনা নুংকক্লক্লে, থাজংলক্লে, মথ্বাং য়ৌয়ে থয়ে। চীংজেং
নায়ল পাজনবনা অমুক থাজংলে, মথবাক য়ৌয়ে। লানবানা অমুক
থাজংলে মকোক য়ৌয়ে, থয়ে। চীংজেং পায়ছনা লং, থবাক জোংলা
ওক্লে। লানবা শকক অমা য়াংলা হন, থবাক লোংওক্লয়ে। চীংজেং
হুংশোয়নরক্লে লানবা চিংনা য়েং হায়রকই।

চীংজেং— অথৌবা নংবু কনানো শক্লোংলগনু। থবুম কনানা লাক-
খোরবনো ? মালং ওংবা কনানো নুংহল অমৌদি চীংজেং ঐ
নম্ভনা ভথম দৈজে। পাম্না কজি থল, ভাইবং কজি লোং-
দমগে খৌম্নাংবনো হায়রু।

লায়োয়— ইপা, ঐ কংলৈ কোইবা লাইনি। নংনা পোকপদি কংলৈসিগী মত্তে ঐনা লেমহায় হায়বনদি খাজয়োই লাল্গোং-বনি। কংলৈসিদি ঐগীনি। নংগীদি লোইবী চীংলোন য়াংমদা অভাবা কোয়ৌনা তঙ্গা লম, মীখোয়কপা চায়োনগী লৈভান লমথৈ লময়াংলুচো। চৎলো চেংলৈ নশাগৈগী য়াকম্বু, কংলৈ ওংবা শাগৈ পুয়মক মৈতৈ মানা চুপ মৈতৈ মিথৌনর-রনি। খল্লুরম্বু ঈরান ঈভোপ লৈনা লৈররোই। মতম মাগী পূক্লিংনি। পোম্বা ঐনা ফংলে, চংনা হল্লকপা য়াররোই।

চীংজেং-নারল-পাঙনবা মিংলু পিরাং চেল, কংলৈ মাগী পোক্ল-ফম লৈনা অমুক্তং য়েং, নোংচুপ পাংনা হল্লক্লে। ভারা চীংজেং য়েংওইনা ভাগ্রুম চীংজেং চীংলায়া কংলৈ মাবু পনগোয়বা লোইবী চীংলোন চোংলায়া কংলৈ লমথৈ ওংবা লম জীরি উম্লুংদা ভাক্লে। ময়াং কয়া কয়ানা জীরি উথি উয়াল্লবা থেংনরে, হায়রকই।

চীংজেং— চীংজেং ঐগী পম্লু: চত পামেল উয়াল্লিবা করিগীনো ?

ময়াং— অসিদি ময়াং ঐখোয়গী ইরম্মি ; তনবা নংবু কনানো ?

অদুদি লাইগী য়ায়েল য়েংনবা তারে ; উচিংনরসি সীংনরে ; উচিংনরক্লে। ময়াং ময়ায়া নাকল অমা ওই. চীংজেং মরোমদোয়া নামা ভা উচিংনরকপদা চীংজেংনা শ্রো শ্রো লাক্লুনা চিংলক্লে। ময়াং মযায়া নংগী লম্মি য়ারে। অদু নোংদগী জীরি কাজং কারে। নারলবা ময়াংশিংগী মথক্তা পাল্লে। মতীক্তা মঙায়া নোংমনোং খুঙ্গাউ লৈচাউরক্লে ; ময়াং চম্বু ভাইওইনা মপারী মমোম শীংনাইদনা শাং খুংকন পাঙময়া পান, পুঙ্জি পম্লুংনরকদৌরে পাজনবা।

ইপান কৈ হয়াউকদে ; ইপান কন্তে রাকদে। উনবা খুশিন অমনা মালেম লাম্লুম মথক্তা তাইবং পো শীন শারবনি। চীংজেং-নারল-পাজনবা পানাইদবা পাজম্রি, ময়ুমদা খোংকম লৈজ্রা! মীরমদা মদোম চৎপনি, চাক্তোন-ফীদোন পানজ্রা? খোরোয়নবা পুক্কিগী খোওং মানা মাংদা চীং. মীওইবা মানা হৈনা তুংইঙ্গবা নজ্রা? অমম্বা লয়াইদবা পুক্কিনি।

৫

চীংজেং-নারল-পাজনবগী মপুক্কি পনথুঙ্ডমদাইনি। হৌজিক্তি মাগী খোদাং লোইরে, মথৌ লৈত্রে। পাজন, লন, মিংচৎ, হৌজিক্তি মঙাল শিথরক্রে। পাজনবগী মিৎথকনিঙ্ডাই লৈরিত্রা! লৈত্রে। মাগী লোইরমদাইগী মিৎনা পোৎলম অমা থিরক্রে, উত্রে, পোলোই-রমদাইগী থম্মোইনা পোৎলম অমা খোরাংলক্রে, ফংত্রে। নোংপোক মাইকৈ মাই ওয়া, মিৎলু পিরাং ঈচেয়া লোয়াইদবা থম্মোইনা কপ্পক্রে।

মপাগী অরাবা উবদা মপারী ওইবশিংনা পাউহংলক্রে।

মপারী— পম্মৌ অপোকপা নহাকপু নপারী নমোম ঐখোয়না কয়ি য়োনবা লৈহ্নুনা ইপানা পায়মা মুংজেংবনো? কয়ি নীংথুংদবা লৈহ্নুনা পায়মা মুংহিকপনো? কোলোযবিয়ুবা ঐখোয়দা। ঐখোয় পাজল লোইনা চাউরে, পম্মৌনা ঈংনা নোজানিঙ্ডাই য়েংজগে।

পাজনবা মপারী মমোম চিংনা য়েং, নীওঙমদবা থম্মোইহুংগী মৈচাক অহীক্রা পাউথুয়কই।

নোংপোক চীংগী চীংঙ্গাংমা
লোইবী পনখোং ওংবলম
পম্বো খুনাম খুমোইকম
পলেম খোংথাং খোংলোইকম
কোলোয় মাগী কংলৈপুং
নীংসিংহুনা কপ্পনি
অা কপ্পনিও—দে।

লম্মেল মাগী মুংদা তম
পলেম মাগী তমদা হৌ
পলেম পম্বো খোংলোয় ওই
মাউরা মংলান মংনকম
কোলোয় মাগী কংলৈপুং
নীংশিংহুনা কপ্পনি
অা কপ্পনিও—দে।

নারম মাগীনা পূকয়োক্লা
লাইজ মাগীনা ঊহাপ্পা
মালং মাগীনা নিংসানা
চীংজেং পাজল চাউবলম
কোলোয় মাগী কংলৈপুং
নীংশিংহুনা কপ্পনি
অা কপ্পনিও— দে।

পোকপনা মাগী পীবুক্কুং
চাউবনা মাগী তম্পাকিথক
পলেম শরাং শায়োমবী
খোম্লাং খোমইন তমখিবী
কোলোয় মাগী কংলৈপুং
নীংশিংহুনা কপ্পনি
আ কপ্পনিও—দে।

চীংজেং নায়ল-পাঙ্গনবা হীক্লা হীক্লা কপ্পক্লে।

মপারী— পম্মো অপোকপা নহাকপু, করিগী পিখম্নগনি! নপারী ওইবা ঐখোয়না পম্মো নংবু পায়মা নংগীনা খৌরাংলম চীংগী পল্লোল কানজোংনা থিনগনি। পায়মা মুংজেংলুরম্মু।

অম্বু তারগা হেম্না হেম্না কপ্পক্লে চীংজেং।

চীংজেং—ইপারী ইমোম্ম অপুম্বা, থম্নুম নোংদম থীবনা ইপাদি চংনা চংবদি যাত্রে। ইপাগী নোংচুপ মাইকৈ ফাংপা পাঙ্গম্না নোংপোক মাইকৈদি পম্থিংলম্লে। লম্ফংনবা পাঙ্গম্নি, অম্বুবু ইপাগীদি নোংদম থীনগাই লম্মাংনিঙ্গাই ওইখরে। ইপানা থম্নুং শরা তান অমং য়াথোং কুম্লবা তু' ইপাগী লোয়নরকপা খোয়রী লিম্লাং অসীদদি পলেম কংলৈপুং মাগীনি, নখোয়না থিম্নুকো।

অসী হায়না হায়না চীংজেং-নায়ল-পাঙ্গনবা অয়োইবা তুমথুন তানথ্রে।

পাজনবা, কোয়ৌ নোংমদোন থক্কগী লৈচিন কীরক হাং পেন্না য়েঙও পোক্লকম নংগী লমদম খৌরাংবা !

৬

পাজনবগী খোয়রী লিক্লাং লাক্লে, পানগী পলোন লান মুংগী পনখোং থুংলে, খোঙাপ লাক্লিনবা ইকাইরে। মাবু নঘোনরকপা মচাশিং ভুম্রে। মখোয় ওয়মক চীংয়। কোইবা মালং ঈচিক লাং, ভুমথুল হুম্বনা ভুমথরে।

তাল্লক অসিদা খোয়রী লিক্লাংনা তল। খোংনাং পাম্বী ওই, লৈচিন নোংলোন থিনকাওনা হৌগৎখরে। চীংজেং মাগী পোক্লকম মমিৎ পেন্না য়েংলক্লে, মুওঙাইজরে, পেল্লে, মালং ঈপোম ঈরোয়বা হাইনা হুম্না মুঙাউনা, মাগী পোক্লকম লমদমগী নীংথিজবা চুপ্লক্লে মমিৎনা।

মচাশিংনা মিকপ থোক্লকপদা মপাগী খোয়রী লিক্লাংনা তথ্বাই অমা খোংনাং ওই, তথ্বাই অমনা মালং কৌরোয় ঈন লৈবা উরে। মপা নীংলবা মচাশিংনা মপানা লৈগে নীংলে উরে। মপা শংহুনা লৈরে, থুন্সেমহুনা থুনবাল্লে। চীংজেং-নারল-পাজনবগী মচাশিংনা মপোৎ শংফম্নি থুজং অসীবু পোৎশংবম হায়না কৌনখরে !

হল্লকথি অসুম চীংজেং-নারল-পাজনবা ! ভায়নশিবা রাকম কায়ফদে থল, অথৌবা কংলা খোংফম ভানখিদ্রে, লাম্না পামেল খোংনাং উ ওইনা মমিৎ পেন্না য়েংজথি মাগী —

পলেম মুংশি মরমদম
পম্হৌ খোংজি থুনামফম

পলেম শয়াং য়াকুমকম
চীংজেং মাগী য়াখোকপুং
কোলোয় মাগী কংদৈপুং।

খোংনাং অসে ছৌজিকত্ত লৈ। মাবু পোংশংবম খোংনাং কোলোয়নৈ। মাগী মনা লৈয়েং লীসিংনা খোয়াইদবা ময়োম্না শোঙ্গৈ পলেম মাগী পায়মনুং।

হয়ক্লে ইমা নচা ঐ
পলেম নংগী তম্বাক তম !
য়াকয়েদকো নচা ঐ
কংলয়োইদ্রা নংগী তম !

করিগুম্বদম্তু খোংনাংনা মুত্তাইবনা মুঙ্গাউনা মালং মনিংসা হোল্লুনা মনা লৈয়েং লীশিংনা খচ্চৈ "য়ায় – য়ায়—য়ায়" পলেম কায়নবা "য়ায়-য়ায়-য়ায়"।

নাকোং অচৎ-অথোক করম্বা, য়িংলম অকা-অকুম কনাগী ঈংদনিত্তাই লৈ !

---

# ঙাঙোম-ফূরা

য়াইফৈ থোইনা হরাউকদে, রাইদা থোইনা রাফদে ; অকা-অকূম মালং মাগী মালংচৎনি। মাসী মীওইবা ঐখোয়গীদা নত্তে। মালং মাঙোম্দা ওং মতম মাগী থোংলোয় ওই লাক্লিবা চৎলম-লেপ্লম পূম্নমক্নীনি। মাসিদগী কনামত্তা করিমত্তা নাম্থোক্লিঙঙাই লৈত্তে। অরা-মুঙঙাই অনীনা মালংনৈ মালেম মাবু মালং কৌবা নত্রা!

লম্যাংদোং কংলৈ স্নাপূংদা নীংথিরবা লমদম অমনি। লাইম-ত্তোন চীংজাউনা চাউদম রাংদম শেল ঈরাউখোল্লোয় ঈচেনবা থোংজাউরোক কৌবা তুরেন্না ছৈরাং থোগল পৃ চোথে-চীংথাং তাংবন্না লোক্তাক ঈচিক ঈওন্না চীংয়া ঙানা তা তময়া শা'না ছিপ ঈংনা নৌনা মীংলম খূদিং হুবা লম্নি। থাবদনা মরাচ্ছহৌবা নীংথিবদনা মহেঞ্জথিবা লমদানি লমদমসে। চৈত্তিংখমক্নী তেংথা-লোনখম্নবা লমওংনি। তেংথা-ছৈদমদবা খোর্জেনদি করি তৌনিঙঙাই লৈরুনি! ছৈদাম্নিবশিংগী রাখল-লংজিল ওইনঙাই শম্না অসী মথৈদংদদি তেংথাজবা ঙম্রা —

লমদা লম্নুংশি
চীংদা চীংনুংশি
পাত্তা পাৎনুংশি—
নুংশি-পোৎলম শুবলম,
চাউয়েং য়েংলে মুঙেঙাললম

কূপয়েং য়েংলে ভুজুংলম
লোইবী পম্মাং ওংখলম
কোলোয় মাগী লম্মাংদোং
কংলৈ-ঙাঙ্গোয়-তক্কানি
আ তক্কানিও—দে !

মাসী নোংমা কোম্নুং ওইরম্মি। মাহ্নু হৌজিক্তি কাউনখয়ে। করিগীগু কাউদনিঙঙাই লৈ। অরিবনা তুংদা থম অনৌবনা মাংদা থা হরাউ কৈরেং ইছৈ ছক মতম মাগা খোংলোয়না চেম্থবা তাইবং-পুন্সি-ঈচেম্নি। করিগী নীংসঙঙু গনি ! মতমগা কুইথ্রে, নীংসংন-নিঙঙাই পোৎলমগা তাংলে—তাংবদা নত্তে— পূম্নৈ লৈত্তবগা অম্মা ওইরে। কাউজন থীবনা উনা উনা কাউনরিবা মালংনি। হৌজিক অহুক লৈরিবা হায়বমক্তবু ফুরা অমত্তংদদি নারক্ত। নাথুম্নরিব্রা অহু মঙায়রে। মাসীগু নীংথিনা মুঙঙাইনা লৈত্রবনিনা মিৎলম কনানা মিত্তাক্লবা লৈত্রে।

ফুরা অসে অচম্বা নত্তে। নিংথৌ অমনা—মিংনাইদা মিংনাই-থরবা মৈতৈ নিংথৌ অমনা—লাই অমগী—অচম্বা লাই নত্তে, কোক্লম পূম্বা নোনবা লাইনি—সাথিবনি। নোংমদা নীপাল্লক পুংগা শেনগা য়ৈহুনা মীতিমরম্বা ফুরানি। মাগী মনাক য়োৎবদি থম্বু থম্মো, মাগী শক্তা উবদা নোংদোন-থোংজাউ হাং লাইরূপ তিনগনি নীংন-রম্বা ফুরানি। অহুবু কদায় ঙসিদে ! মীপুম অমত্তা উথিত্রে, মিৎলম অমত্তনা মাবু হয়া য়েঙঙখিত্রে। অসীমা মালং মাগী মালংচৎ !

ফুরা অসী হৌজিক্তি য়েংবদা অরাবনি। নারক্তা ঈরোয়নবী

কুমগাইনা লাইজা ঈশং পাক্তেনা, মৈরোয়নবী কুমগাইনা লাইজা অমুক ঈচুপ্পা কুরোল তত্তনা থকহুনা লাইমতোল তাবা মালংনা অরা নিংসা মৈবা চিং শিসি কদায় শিঙমদা হিংসি কদায় হিঙঙমদা রানা লৈরবা ফুরানি।

মরায়-চায়রবা মী লৈনা লৈনাইদে। অহুনা মালং ওংনা ওংনাইদে। করিনা! মশানগু মীরমদা তিন্না তিন্নুদে, মীরয়েগু মাবু কোন্না কোন্নুদে। অহুনা তৎনৈ, লাপ্পৈ, হেক্তা মকাউনৈ।

হাইথরক্লবা মীগী অরাবা য়েংবা ঙম্নিঙঙাই ওইদে। অথং-অউ কয়া কয়ানা ছৈরেং চামা থোক্লা ছক্লথরবনি। ঙসি ঐখোয়গু অমুক ছক্লি।

য়াইফ মরায় চায়রকপা
থাবা ঙমদে অরাবা;
মশক নাইনা শক্লাইদে
মমিং লৈনা মিংনাইদে—
অরাবনি অরাবা!

খোঙ্গুল লৈনা খোংমুৎনৈ
মরুপ লৈনা মদোয়ৈ—
অরাবনি অরাবা!

মচা পোক্লা চায়েতে
মমোম লৈনা মোয়াইদে;
শানৌ লৈনা পাঞ্জানৈ

মরান লৈনা লমঙংনৈ—
অরাবনি অরাবা!
মালেম মীনোব্লকম্নি
তাইবং তুহৎনকম্নি
অরাবনি অরাবা!
পম্বো লৈনা লমজানৈ
পলেম কোম্না সারানৈ;
অরাবনি হাইথ্রকপা
হাণ্ডি হাণ্ডি তোনথ্রকপা—
অরাবনি অরাবা।
... ... ...

ফ্‌রা অসি থায়নগী রারা কয়াগী ম'নি। মংচল্লিবা রারাশিং অসীদা মৈতৈ ঐখোয়গী নাপনিঙঙাই ওইবা কয়া কয়া য়াওরি—

ঙসিদগী চহী চামঙাগী অহুরাইনি। নিংথৌখোম্বনা মৈতৈ কম্বাল লাং লিঙ্খোইঙম্বীনা তাংবল-নাপ্পা যা পানবা মতম্নি। মৈদিঙঙু অসী নিংথৌ-ভক্ষা লক্কা নূংহী-লৈবা ভক্ষানি; লৈমা অসীগু লৈম-ঙাঙ্গোয় লক্কা ভক্ষা খিনবী ঙাঙ্গোয়নি। লৈম-নিংথৌ অনীসিগী মিংকমসী সনা পুন্না ঙাল্লঙাইনি, মৈতৈ ঐখোয়গী নাপল্লিঙঙাইনি। মাংলমচৎনা মখোয়বু ছৈছক্লা মুঙঙাইনজবা নাপল্লজবা লৈম-নিংথৌনি অনীসে।

নিংথৌ মাগীদি নিংথৌ ওইরে। নিংথৌ কনাগুম্বা অমনা নিংথৌ লোনচৎ খরদংদবু চৎলবদা মিংনাইদনিঙঙাই লৈত্রবা মতম্নি।

'মাম্বা মনিং পায়না ঈনথংলু মনাও লুশম লাক্না চিংবনি' পাউরৌ চৌঙোয়নবা মরোল খোয়দানবা মীরোম্নি। করি করম্না কংলৈ মরা ভা লৈবাক্না লৈভা-মুংদানা পানগদগে থল তম্বুশিংনা মপাঙম্না, মথৌ-নান মরিংজেম্না অমদি লৈপাল্লোম্না মালং-লোনচং ইন ফুরূপ মদোম পাল্লমচং নাইতোম নাইতোম নীংদম-পানবা চৌংবুশিংবু নোংমনোং অমমম কোঞ্জিল্লকপা মতম্নি। অছুনদি লৈবাক লৈভা-পাল্লম তানবা নিংথৌখোম্বগুম্বা নিংথৌনা করি ফাওদনিঙ্ঙাই লৈ! অছুনা মাগী রাদি থম্বু থম্নসি। লৈমা লিম্বোইঙম্বীগী ভেংথারোন্দুম ছুম্নি।

লৈমা লিম্বোইঙম্বী লৈমরোল চাউননিঙ্ঙাইনি; মৈতৈ চম্নু-শিংগী লেমজনিঙ্ঙাইনি। কংলৈ সনাপুম্নানা ঙাঞ্জবা মতাক্কুম্বী লৈমগী কোলোয় মিংজঞ্জবননি লৈমা অসী লৌশিংদা য়েংলে রাম্ভবী লিংজেন্দা য়েংলে ভাদবী, থৌনাদা য়েংলে নোপ্তবী, থৌগাই পুনরমদা য়েংলে শোযদবী কংলৈ সনাপুংগী ভাংনা পোক্লবী মমোম্নি।

অক্লা হাওভাওরে। নিংথৌখোম্বা লৈমা লিম্বোইঙম্বীদা লৈবাক শিম্নরম ভেঙোল পুছুনা লানচংখ্রে। মহাক্না অক্লা লান চংখিবা পাউ তাবদা অরাং হাওশিংনা কংলৈ মপু লৈত্রিরৈঙে লাম্ঙোক কোক খোমহৌক্লসি, ফিখোম চাকখোমহৌক্লসি লাম্ভারক্লে।

অহিং অথেংবনি। কংলা হাওনা কোয়থরে। হাওরাউখোম্না কোম্নুং থকযৈনা ফুদোরকপা মনিম্না লৈবাক অকোয়বদা যৈ লৈবাক মীকপ থকখোক্লা করিনা করিনো লাউনরক্লে। ঈঙেল ঈকায়রক লাইঙ্গা ঈরাউখোল তা পূক্লিং তথক লপত্রে হাই লৈবাক থকায়নবগুম

মৈত্রবাক কাখোং চাইনরে। অহিং অথেংবগা ওইশিল্লে, নিংথৌনগা লৈত্রে ; হাওরাউথোয়গা ঈরায়শিল্লকপগুম নিঙ্জিল্লক্লে লৈবাক থক থক নীক্লরে।

লৈমা ভহাক মুংবংনৈ। অথৌবী, লৌশিং-ফবী, থৌগাই থংবী মুপীনি। কয়া কুইনবু মুংবংগনি! শাগোয়বা মনাই তম্বা থা লোইশং লাকপা লোইনা তনকৌ কৌরে।

শংলাকপা, হঞ্জবা পুন্নমক উরবদা লৈমনা করিমতা অথুকপা লৈতনা হায়রকই।

লৈমা— অঙম্বা পুন্নমক, তাবিসি! অহিং মতমগা ওইশিল্লে, লৈবাক খোম্বনগা য়ারোইদৌরে, কোন্নুং শেল্লিবা কাংবুসিনদি হাও পাবদা থৌনাদা রাজ্রবগু মীশিংদদি থরদং নোপ্পা ভারে। নোংঙানবা ভাইনবগু য়ারোইদৌরি। অচুনা লৌশিংনা ঐ হাও ফাগে নীংলে। অঙম্বা পুন্নমক নিংথৌ থৌগলগী হৌনবা ফিরোয়-ফিঙাম হোংবিরো। ঐনা নিংথৌ ফিরোয় শেৎ নিংথৌ সা থোক্লগে। অহিং মপাল লাং ওইবা য়াগনি। হাওশিং অসী নিংথৌ লৈতে লাকপনি। লৈ হায়বা থংলবদি মরাইনা তু হঞ্জগনি। ··· ··· ·· করিগুম্বা থবক্লা মতা চাত্রবগু ঐনা লাল্লোয়গনি ; মথোয়নবু করি ভৌজগবনো। তৌবদদি লানপোৎ সুনা থোকপা চুম্মি! কোন্নুং মমুংদা লৈরিবা থাং ভাদবু পায়বা ওয়বদি মুপী নীপা খাক্তনা ঐগী হৈনা তুংইনবিবা পাম্মি। লোইবিরো।

অসী হায়রয়গা লৈমা নিংথৌ ফিরোয় হোংখরে। অঙম্বা

পুম্নমক লোইরে। কোম্বুং মচুংনা ঐেবা থাং তাদবু হেক পারবা তথা পুম্নমক লোইনা থাদোল তাগোয়নবা লোইনগ্রে।

লৈমা লেংথোক্রে। পুং-শেল যৈয়ে, লময়ীন পেনা খোংলে, খময়ীন চোংলেন থাক্রে। কংলা য়াইবুং যৈয়হনা লাউথক্রে—

নিংথৌরেল য়াইকরেল য়াইকবা
তুবি নিংথৌখোম্বা
হয়েল লাম্বেংকবা
চৌংবু লালোইথবা
লাইগুম মতীক চাউবা
সনা খোংহোউই হল্লক্রে … …

কংলা খোংজাউ গ্রোং গ্রোং গ্রোং হাংলক্রে। [illegible]া মৈরাখা পুমতাল তাক্রে। ময়ায়দা নিংথৌনা পুম্নং লংনা লেম্বেশ' হাওয়াথ পুমগুক গুরুরে।

মখোয়না গুরুতাই খোঙ্গুল তাত্রিংদুই লৈমা লিহোইগ্রী মখোল তনপোং পোংথোক নিংথৌ খোনকম সা লাউরক্রে।

লৈমা— হায় হায় মরাং ইচাইশা! গুসি কৌবা' নোং নখোয়না অথেংবদা তমসুম্রকপবু চেংরাং-থুমরাং করি লৈবগে? চৈয় কিরাংলত্রা হায়য়ু নিংথৌ ঐ লৈমা। মখোয় কুম অমা কুম্হু। অমা লান্নপা লোইরকদা করিগী পুক্কোইহনা লাক্রিবা? মখোয়গী ওকগ্রেল কন্যানা য়েংবিপনি? অহৌবু লাক্রবনিমা করে। নিংথৌ ঐনা কোজিবা ইচা গুইহনা লৈবা মখোয়না করিগী চাকং কিনং

পাল্লুলদগে ? অসী হায়রম্লগা মনাইশিংদা তনওন ওকিন্দুনা লাউরকই।

হায় হায় পুকৈ মচাশা ! পুন্সো, চেং-হবাই, ঙা-থুম মমাঙ কায়না কংনা যাংদা হৈন্নু। ইঙাইশিং মবুক লাম্নরিগনি, মনিং থুংনা, মবুক থম্না পীজো।

অহুদগী অমুক হাওরোমদা তনওন ওক্লিন্দুনা হায়রকই।

ইঙাইশা ! ঐদি হায়ররোই মতৌরবনি। অহুবু ঙাই মশেল পূক্তা য়ারোং-য়াফুম্নবসি ফত্তে. মহায়রগে। ঐ হন্দক্তি ইবুক থরদং হুংশি। ঐদি নখোয় অক্লা লানপাংবা লাকত্রা নীংবনি, অহুবু নখোয়দি অমত্তও লাক্ত্রে। লাকত্রবও কৈদৌনি। অক্লানবু করি তৌজগনি নোংমগী লান্দা হেক মরোইবগুমঙাই। মতুংদি অহুম থক তৌকদে।" হায়নথিবা য়া শোয়নকদে। ইপা ইপুনা য়ামোই। য়েঙও ঐদি নখোয় লাক্রে তাবকদা অহিংফাও থিদনা নখোয় থ্বাইবু চাকওক্লিবসীনি।

লাম্বারকপা হাওশিং অহু নিংথৌ উবদা ইপুক থুকংলে। অহুগী মপক্তা মখোয়নদি মবুক যাংনা লাক, নিংথৌনদি তরাম তরাম তৌরম ইকাইবা অম পোক হুংদ্রনরে। অহুমগী অমুম মখোয়গী অশোয়বা অমও পুথোরক্রে. মখোয় নৈনকম থংত্রে। মখোয়গী মরক্তগী নিংথৌ অমনা ইকাইখাং ওইনা থুরকই।

হাও-নিংথৌ—নৈত্তে নিংথৌ ইনিংথৌ ! কনাই ঐখোয় য়াশোয়রে⋯

নৈমা— মতুংদদি তৌকদে। হৌজিক্তি য়ায়বিগনি চা-থক্লো, হয়োং খোংঙাল্লগা অমুক য়া অত্তে ওয়াংবসি।

লৈমা অসী হাল্লদুনা হাওবুক কাম্লুনা' মখুং চংথরে ।

হাওয়াম কংলা মনাংদা চাক-ঈশিং থোং চারে ।

হাওরায়া চাক-ঈশিং চা-থকপা লোইরকপা অহুবাই চপচানা লৈমনা কলৈ হিদাক্সনা মরায় কনবা থাদোক্লে । চাকা চাশিল্লে, অহুনগী হিদাক্সনাগা উনশিল্লে, হাও পুম্নমক কৌবোম তাবগুম তানরক্লে । লমশাং লাকপগী বাবগা পাথিছুনা তুমখুল ছুছুনা য়াইউংননা তুম্লে ।

তাঞ্জা অসীদা লাম্মী লোইশং থাদোক্তুনা হাওশীং য়ৈনা মখুং তুংবুমরে, হুইগং লোইনা থাংলে কৈন্সুম-শংদা চল্লে ।

লৈমা লিহ্বোইঙম্বীগী থৌনা লৌশিংউবদা মৈতৈ নিপা মুপী পুম্নমক্তা লৈমা মাবু হৈছল্লা হয়াউ-তুঙক্লাইনথি ।

মৈতৈ-চনু-ওইবীশিংগী কয়াদা লেমজনিঙঙাই ওইখরবী মৈতৈ ঐথোয়গী লৈমনো !

অসীনা লোইরব্রা ! লোইদে । লৈমা লিহ্বোইঙম্বী তাংদা তাংবী মৈতৈ চনুনি । কোয়্লৌ মানা লেমজবা মঙাল মপাল লাংবনা নত্র ! মৈদিঙঙু নিংথৌখোম্বনা লেমজবনা লৈমা মানা তাংবল-নাক্লা য়াবনমি ।

মতম অহুবাইদো শা-লান কনবা মতম্মি । কংলৈ-কোইবা নিংথৌ অমত্তা কোম্লুংদা তয়ানি কুম্নিদা সুনা পোথানিঙঙাই লৈতে । মথোয়গীদি লালোয়নবা পুক্নিনি ; চৌংবু তম্বু অনীগী লাক্লেল লান-ঙাক্তা পুক্নি, অহুম মকোয়থিবা ঙাক্লি ।

নোংখা নিংথৌখোম্বনা চৌং মায়কৈ অমদা লানচংখ্রিঙেদা

অকনবা অৱাবা'মনা কংলৈ নাকওইনরয়ে। অমরোমদগী হাওরাল লাক্লে। কল্লি, ভাওই হায়নবা কোংয়াং খোংজাই হায়বদুগী লাক্লি। মৈত্রবাক হায় হায় লাউনরে। লৈমা লিহ্বোইভম্বী ককচিনবা থঞ্জোই নত্তে শাপোৎ লানপোৎ তম্বোল থোল, য়াজোই শায়াং জম্মা নেৎ তিমেন ভাবাক চেৎপায়না থাংলেন খ্বাংদা ওঈয়াম্না ফুদোরক লাউরক্লে।

লৈমা— মৈতৈ ইপাচাশা! নবুঙঙো লৈতে করি রায়! মরেং পুথী ঐ লৈরি। ওসিদি ঐদি লালোয় হঞ্জগনি। চাংবুনা ঐখোয়বু করি তৌজনিঙঙাই লৈ! চাকী-মুন্নী মমল ওহাক ভাওজবদনি। চাংবু মানা মচানি। তম্বু মানা মপানি। মচা ওইবনা লঞ্জোম্নগা মপা ওইবনা কিনিঙাই ওইত্রা! লাউ থোরকউ, ঐনা ইখুৎমক্লা ওসি কোংয়াং নিংথৌ ফাহ্না পীগনি!

অসীদা কনা থৌদনিঙঙাই লৈ! মৈতৈ মিপা লোইনা মথৌ শংলে। মখোয় পুন্নমক শাপোৎ লানপোৎকা গ্রোং ফুদোরক্লে।

অকনবা লাল হৌরে। অমরোমদগী কোংয়াং নিংথৌনা ভাবাক চেৎপায়না লালোয়হুনা খোংজায় কমথী থাংলোয়নবা, তিমেন ভাবাক চেৎপায়নবা ময়াম্না পুম্মু মুনা মায়ৈগে পুন্মম মম্না ফুঙ্গিল্লক্লে। ফিমুনবা খোংজাই তেঙ্গোম্নি। মখোয়গী লংলবা ভাবাক ভাদোম্না ভুমিং মশেক লাং ঈরং-ঈরং লংলকপা অহুদি থপকুপ-নোংথাং-খোংলোয়নবা খোক্কুং নেমফুইননা হৌরকপা লোং মাগী পাংথক্লি। অমরোমদগীনা নিংথৌ ফিরোয়নবী লৈমা লিহ্বোই-ভম্বীনা য়াজোই শায়াং নেৎ তিমেন ভাবাক চেৎপায়না লালাউ

কুইনা লাউ লালোয়নবা মৈতৈ ফিমুনা চুমগা ভাগা থাদা চুজোইগা ফুজিন্নক লালওকখে ।

য়াম্নয়ে, থিম্নয়ে, ঈনা লৌখোং চেন্নে, মীশা তাওয়ে, মীকোক ওন্নে। অকিবা লানফম্নি। লান্নক অসীদা লৈমা লিখোইগুম্বী মমাংদা তাবা অপুম্বা তানা ফাওরেং-ফাওরেং লেং কোংয়াং নিংথৌ তমশিন্নক্লে। কোংয়াং নিংথৌ মচাম্ন্ লৈমা মাবু উ ফুজিন্নক্লে ; অনী মাযোক্লথয়ে। হাওয়ায়া মনীংথৌ কনগে ফ্জিন্নকই ; মৈতৈ ময়াম্না মবেম্মা কনগে ফ্জিন্নকই। লাম্বা হায়বা লৈজে, অফং অফংবা থিম্নয়ে, য়াম্নয়ে। তাজা থাংজানরে হায়রগা হেন্না হেন্না লাকচৈদা কন্নিম্নয়ক্লে। অওকপনি লালোয়গী থৌনা।

কোংয়াং নিংথৌ কন্দ-হৈন্তবা নত্তে। ফনা কুইনা লৈমনা হেজিনবা ওমদে। অমম্মা লৈদা, অমনা য়াজোই লাজাবা থক্কা, কয়া কুইনা পান-নিওঙাই ওই ! লৈমনা তারোন তম্নম নম চংফানগে নীংবনা কোংয়াং নিংথৌগী য়েংকী যৈফবোম তাজিল তারেং তমথয়ে। কোংয়াং নিংথৌ তুয়ে ; লৈমা লাওঙম লালাউ লাউয়ে। হাও কায়ছনা চেন্নে ; মৈতৈ ভেজোম্না খুবোম তারেং তম চংফা চংফা ফারে।

হৌজিক্কি লাল লোইয়ে। লানফা পুম্নমক শংজল্লে। পুংগা শেলগা য়ৈ মুঙাই চাকহোং চেংহোংনা মবুঙো লাহল্লকপা ঙাইয়ে।

মবুঙোনা লাহল্লক্রবদা লানফম অনীগী লানফা কংলে। থনবদা মুঙাইত্রা ! অসীগুম্বী মমোম পোকথিম্বী কংলৈ ঐথোয়গী সনাপুংনিদো ! লৈমা লিখোইগুম্বীগী খোয়জি-নাম্না য়াল শাংথিবা কনা গুম্বা য়াইফরেল য়াইফবা য়াওব্রা ? য়াওই, মৈদিঙঙ্ কিম্নাম্বনি ।

মমা লৈমগী খুজোক অমা, মপা নিংথৌগী খুজোক অমা খুজোক অনীনা পুন কিয়াম্বা নিংথৌ লৈত্তে ওইমখি। কাইদ সনাপুংনা ভানবা নঙনা কংলৈ মাগী পক্লোল লাল মওরা থাগী থাজং মৌখি। পোং নিংথৌ কিথোম্বা নিংথৌ মাবু ভাইওইনজখি।

অনী অসে চাটৈ, মুংশিনৈ, কমকম তিটৈ। লান্না পাবা মত্তমদা ম্ভনা উৈনে, মুত্তাকমিদৈ। অহুনা মিংকম অনী পুন্না অহৈবনা হৈহৈক্রে—

মৈতৈ নিংথৌ কিয়াম্বা
পোং-নিংথৌ কিথোম্বা
য়াগৌ শাওম শাজুবা
ছুয়েল লান্দম লানচুবা

... ... .... ...

ভাই নিংথৌ অনী অসীগী লম মায়টৈগে অমদা তুমু খম্পাংনা থংলি। অনীগী মথরায় মুত্তাইত্রে। মখানী লৌতুনহুনা খম্পাং লাম্বারে। কিয়াম্বা-কিথোম্বগুম্বা নিংথৌ অনী পুন্দুনা লৈবাক অমদা লাম্বাবদা মতম অহুনদি ওমদনিওভাই কম্নিমত্তা লৈতে। অহুনা নোংমগী লানকমদা মথোয় অনীনা তুমু খম্পাং লায়না লোই-চন্ত্রে। হৌজিক্কি মরূপ অনী মুত্তাইমিন্নরে। চাকচা হৈজামিন্নরে। খম্পাং ওথাই য়েন্নরে। লানগী পোংথোম চৈথোম, লানফা ওথাই তারে। অহুগী থক্তা পোংনিংথৌনা মৈতৈ নিংথৌদা মরক্লাই ওইনা কাগোক সনা পুন্নেনবা অমা থুদোল তম্রে।

কাগোক অসী মরূপ মুংশিবগী খুদোন্নি মৈতৈ নিংথৌনা লুনা

থমজৈ। মোংমা হাংকোকলুবদা কাথোক অমীগী মহুৎদা মনা পুক্নিংবা লাইগী মিতম অমা তোনকনে।

মিতম অমী নীংথিজৈ, করৈ, পিক্লা শক্তম লুই। মৈতৈ নিংথৌ কিয়াম্বা করি লাইগী মিতয়ো ছায়বদি থদ্রে। অকপ থুংশি-বগী খুদোল পোৎলক্তা য়াওরম্বগা মিতম অচুগী শাক্তম খুনা য়াংপা অচুগা অপাম্ব খুংশিবা অমা পোক ভহাক ভহাক লৈতাবা পায়ছনা নিংথৌনা শারে। মানা মিতম অচু মুম্মা য়েংতি, হৈদা করম্বা থুং-হৈবনা সাম্বিবনো অমুক থাগৎলি; অমুক্তা করি লাইগী ওইরিগবা থলি। নোংমনোং মিতম অদো নিংথৌগী পুক্নিং থোয়দাম্বা পোৎলম অমা ওইরক্লে, চাবা-থকপা ত্তুম্বা হিম্মদা নিংথৌগী মমাক্তা, মথুক্তা ইরৈদা লৈরে। অচেৎপা খুংশিবা অমা নিংথৌদা পোক্লে। করিগী পোক্তনিংঙাই লৈ! মখিৎ-পানবনা শক্তম তাক খুৎহৈবনা খুৎকম পাল মিতম শাম্বা পোকপনি। নীংথুপ অহম নাইবা থম্মোইনি। শারম শারমদা, মীরম মীরমদা, লাইরম লাইরমদা পান্দনিংঙাই লৈরা!

শকক্নোংলগে নীংলে ভাক্তা মপাল লাং শকথংদবা লাইদো। নিংথৌ হকচাং ঈ অনা শংকুম্নে। লৈবাক-মাইবা চিরাই তাংবা, নিংথৌ মাইবা খুরাই-তাংব নিংথৌ লাইকম্নে; অনাবদি কবা ওমজ্রে, নোংমনোং কপ্লিম্নক্লে; লৈবাক স্বামলে। খুম মপাউ তাসি লেপ্লা অমাইবী অমাইবা লাইথেংনরে; 'মাইবী লাইমাং কম্লে, ফাওরক্লে—

মৈতৈ নিংথৌ তাবরা কপ্পি ছুংগী বাম্বিবা!

খোয়রে হিদাক মরম্বা হিদাক ওইবা ঐলৈয়ে ;
ভমজে অমাই' কাংলুপ্পা অমাই ওইবা ঐলৈয়ে ;
থজে পুন্সি নখোংচেং পুন্সি ওইবা ঐলৈয়ে।
নিংথৌ নংগা শারোয়না ওন্না খোইনা লৈরিবা
ফিবম মনা পুমনাবায় কাগোক স্নুংদা লৈরম্বা
মালেম কোইবা লাইগীনি নংবু কুপে লাক্লবা।
লাইজা ঊশিং ঊহৈনা হৈনা লৈনা লাইথেমজৌ
মজোম কুরাং কুচোম্বা লাইরুক লুকথোং লুকচজৌ।
লুকচল লাইথেম হৈবদে লংহিং থাংবা মীংওনে
কংলৈ নংশী মরোম্বা লোম্না থুম্বা লৈবনে।
হিদাক মরম চামনা নিংথৌ তিমকোক লাইকোক্রোই
পাকল মরী শীনবনা নিংথৌ হকচাং শেংনরোই ;
লংহিং থাংবা খিচুনা থুনা চাকহোং চেংহোংজৌ
পুন্সি নৌনা হাম্বিগে ঊংনা শাংনা লৈপাজৌ।

মায়গৈ ওইনা পাকনবা
তিম্না ওইনা লাজোনবা
মনম ওইনা শায়োনবা
মীমেল ওইনা শকম্নাম্বা

কুবিহৈয়ে গুরু কৌ
মৈতৈ নংমা নীংজবা
ঐদি মাপী শায়োনে
কোজোয় ঐগী বিফুনে।

থবুম মপাউ তাবদা লৈবাক নিংথৌ ওক্রে—কুংও মুঙাইনরে। খুলমক মায়গৈ মরিদা মীথাঙ্গুনা লংহিং-থাংবা থিনরক্লে। অসোমদনা বিষ্ণুগী কুম্রা অমা থুনা সাগৎলে।

লোংমা লোঙতাম্লমদাইদা লংহি-থাংবা মীওং অমা তুরেল অচৌবগী হিদেল অমদা লাইজা থাঙ্কুম্রা লাইগী মিথৈ শোনবা থেংনরে। মাবু থেংনিঙ্ঙাই হিদেল অদো বামন উরেল কোলোয়ং-নৈ। মাবু পুম্রক্লে। অনৌবা কুম্রা অহুদা বিষ্ণু লেংশিন্দুনা হৌনবী পুথা তৌরে। নিংথৌ অনা লাইকোক-তিনকোকতুনা পুজি-হুংশাংলা পারক্লে।

অহু লোংদা কাওথিবা বিষ্ণু অদো মৈতৈ নিংথৌ পুখাং রৈমা শাগোম্রিবা বিষ্ণু অসীনি। লম্মাংদোংগী নারক্তা তাহুনা লৈরিবা কুম্রা অসী বিষ্ণুগী লাইশংনি।

আঃ কয়াদা থীনা ওনধবা! নিংথৌগী থুখা কুম্রা, লৈবাক্তী লাই বিষ্ণুগী লাইশং—অরাবনি—ওসি ঙাঙোম-কুম্রাক কুমরাইনা ঙাঙোম কুম্রা হায়না থংনরি। অসীরা মতম নংগী থোংচং, মালং নংগী মালংচং!

---

# খোংনাং হোগায়বী।

মী ভেংবান মপুনা মিতয়ে মী কৌই। মা পোকপা মুমিত্তা মপূনা নোকফেং ভৌজখি। "মালেম খুনবান লৈপান য়ারনি; ঐগী তিক, ডল, ডাল পুবা ওম্বা যাওরে; মালেম ইথুংশেম মুংশাংবা ডারে" হয়াউ মোমোন-মোমোন নোকতুনা মাগী তিক, ডল, ডাল পুনা খুখাম চাউনা চাউনা মী মঙোন্দা মহাক্না কুবিখি। অদুবু অঙকপনি মীওইবা! নংনা কুবিহৈবা মাবু তনকাউ কাউথোকই; মাগী পোইবৈ য়েংনা চত্তুনা মালেম লৈহোং-লৈচাউনা, লৈতানা পাম্নিওঙাই থোরাংবা হায়ববু ঐঃ হায়বা রাথম্না মাংওইনা লৈঙ্কে হেক্তা মচংলি এহাক্নে। লষ্কেনরুবদা নহাক্না সাথিবা পোলোই ক্ষয়াও পেনেরক্লে, অদুবু ওম্না হেক্তা মকাউথোকই নহাক্না! ওম্মোক-নও কাউকন থী মীওইবা নহাক্নে!

চানবিহৈবা মপুনি। তাইবং মানা লৈষ্কেনরকপনা মাগী পূক্লিং রাথি। "করম লমজুমসিগে নহাকপে!" সোল চাং, নুং, উ কযা কয়া থিল্লি, মুংঙি; মথোই মমায়দা য়েক্লাইদবা রারক লাইরিক কয়া কয়া চীয়াইদবা খোর্জেনা ইছুনা থম্মি মহাক্না। অরাবনি। নাপলবা মালংপাল, নংদি হম্না মক্তা য়েঙঙ্দে। ক্ষনা য়াংঙি তাইবং নংগী নাপল!

তাইবং কনাগুমগী খুথা নুং, উ কংলবা হম্না হম্না পাই; লৈরোল চনখিবা কাওবা থিদুনা হন্দুনা পাই। করিনা! মথোয়দু

মীগী খুৎকপি ; মী নংগী নাপম্না মশকক অমা মাথা য়াই। মাংলং-নোংলম কোইবা মহাকী খুথা নুং, উদি পাকদে, পাগেত্ত নীঙছ্রদে। করিনা! ঐ-মাংপা নহাকী ঐচম্নিঙঙাইনি। পামুই তাইবং নংনা লম্মুক্লথিবা।

মপুগী খ্থা উ মমক্তা শগোলবন্দগী লমখৈদা নম্মুল খোংবাল ওংবা উ. কোলোয় মাগী হোগায়বী শীংথানিঙঙাই অমনি। খোংনাং মঙোন্দা ইপ্রিবা ময়েক অহমগী য়ারকলোন হো-গায়-বী—মালেম মাগী য়াইকনিঙঙাইদা থম্নবা মপুনা তাইবং ওইবা নহাকপু করি পাউতাক্কে তৌরিবা পাসি লাও!

চীম্নাইদবা খোর্জেংগী য়েক্লাইদবা লাইরিক্কি। অহুবু ময়েক কয়া লানা তারিবা—

১

ওসিদগীদি চন্তী চনীয়াখৈ থম্না কম্নে ; মৈতৈ কংলৈপুংদা নিংথৌ অমা পানথি। মাবু মৈদিংঙু পায়খোম্বা হায়না কোলোয়-নৈ। মানা খুমন পুংদা লান্দাউঙে খুমন চাখোং ওংজবী খোয়জী-মিছল-লাংলবী মুজা অমা মাগী শক্তম নীংথিবা উবদা নিংথৌ মাগী লৈমগী লানঙম-মায়োক ওইনগে পুবকথি। মকুম মচম্না ওইমক্লবদা মুজা মঙোন্দা মমোম অমা শাংথি। মহাক অসে কুম্নোয়নবা লৈমাং-ঙম নুনা হেম্না লৈপুং কানা শাক্কবা অঙাংনি।

মীওইবা কজবগী লোয়্মীম্নি। থম্মুম মাগী নোংদম্না নাইশীং চম্লবী মমাগী পীবুক্রংদা লৈমাং মানা লৈমি তম নাইকোম্রংদা শাং-লবস্থু মাগী লৈওং লৈতা, লৈশক লৈচুনা মীপুম খুদিং ঙাইওইনমক্কে।

লৈম-নিংথৌমক্না ঈশ্বাস্নি হায়বা কাউরে। লৈমকোম্না মনীং ভম্না হাইনা হয়া পারক্রে। কজবনা ওইদবা কয়ি লৈ!

নিংথৌ অসী মপান্নী মযোম শান্তে। নিংথৌ-লীকথক্ষনে থল, লৈবাক মরা ভা মশানৌ-কোম্না হনবা মপান্নীনা পীবুক্র,ংগী চাদা সা লৈ। নিংথৌ মাগী পান্নী রাজ্জোম্নিংথৌ অসীগু হায়নঙাই লৈভনা নীংথিজৈ, পানাইদবা শকফমনি।

অঙাং অনী অসী থংম-নাউমনি। রাজোম্নিংথৌনা হল্লবদা কোয়ৌ শীংবুম থরদংদনি। অনী অসী লৈম-কোম্না লৈম-নিংথৌগী কবোক ওই হৌমিয়রক্রে। কুম্বান-লাংবা হৈরাং লৈরাংনা হৈরেপ-লৈরেপ ভানবগুম মোংমনোং হম-হম চাউরক্রে।

ছৈহক-ছৈরোল য়াম্বা মভম্নি। ছৈথাং অমা লৌরক্রে। নাউবা ওইরিঙৈগী শাম্নয়োয় অঙাং অনীদো মথোক-কাবগীনা স্থংশি-চান্ন-খোয়দায়োয় ওনগদৌরে। কম্নিগী ওন্দনিংঙাই লৈ! লৈরাং ওইবশিংনা লৈহী অথেল লাংজবা খোইমু ওইবশিংনা মবুক পেম্না থকচবা মভম মানা ভেংবাংবা মালং মাগী মালংচৎনি। ওরাংগী অঙাং অনীদো ঙসিনা মুজা পাখং ওইদ্রনা হৈরাং হৈজামিয়সি, লৈরাং লৈচিনমিয়সি রাহৌরকদৌরে। হাগম্নু, মালংচৎনা অমনি, চোক-শিজৌ, মীরমচৎনা অমনি। পুন্সি পিথয়গনি।

নোংম কৌবা নোং রাজোম্নিংথৌনা থুমনচম্নু য়েংহনা হায়রকই—রাজোম্নিংথৌ— নাউবা মংলানগী শাম্নয়োয় নহাকপু, ঙসি ইশানৌ হায়না রাহৌগে। ইশানৌ মংবু ভাবরা? রাজোম্নিংথৌ ঐহাক্কী

থম্মোই মেন্দহুম ফম্বেনা লৈরম্মেদো নহাক্কে। কংলা-মেনগী নাম্নদি য়ারোইদরা হায়বুদা ?

খূমনচম্বু—নোংদমথীবী ওইবনা মাঙ্গা হায়না পাউখুম্ব। ঙমথিত্ত্রেকো বারৌম্নু। নাইশীংচনবী ঐহাক্কি, লৈবাক মাপৈ থাজনি, নাউরা মুংশি শাম্নয়োয় মুঙ্গা ঐগী খোয়দাম্নোয়। পায়মা মুংহাপম্নু হয়েং মুংশি মুংথম্না পুন্সি পিগম্নগনি।

ম্নাঙ্গোম্নিংথৌ— শানৌ, করিম্নু'গী পাযমা মুংশোয় নাইবগে। ঙসি কৌবা নো' পাখ' নৈনা শবীবি, করিঙুম্বা নোংদা মুংশি নংম্বু থাম্নবা কোম্নৌ মাগী কাপথম্নাং নোংদোন মাগী হুম্নাং ম্নায়েল চৈম্নাক পীসম্নু।

ম্নাঙ্গোম্নিংথৌ' মতম লৈম্নি হাথিম্নু। লৈবাক লোনচং নীংসম্মে। মীম্নমচংনা খূমনপুংগী সনা ঈ মৈতৈ নংগী পুংদনা মীনাই ঈ, নংনা ককপা ঙমত্ত্রা ? মীম্নমচং অহুমক্না, কাউগম্নু, লৈম্নাং লৈপুং ফাম্নে ফাকদে, হৈম্নাং হৈপুং ফাম্নে ফাকদে। মালংচঙ্গা চুম্নবম্নু মীম্নমচঙ্গা লাম্নপনি, তিম্নাং থকয়োংনখো, নামতা ম্নেখা মিংয়েংনা পুঞ্জি অনী পিথম মা'গিম্নবা পাম্নুই।

মুঙ্গা পাখং অনীদো মুংশি-লাইজ ঈচেলগী খোংঙাল নাক্কা ম্নেংকা ওই লৈম্নাং লোঙ্গিনম্মিম্না হৈম্নাং লোঙ্গামিম্না লৈম্নক্কে। মালং মাগী মালংচং মীম্নম মাগী মীম্নমচং য়েংত্ত্রা' তাউজিং হৈম্ন পনথম্নে, খূমন-চম্বু খোম্নজি মিহুন কাংথম্নে করি খোক্নগবা।

লৈমনিংথৌ তাম্নে, অম্নাবা পম্মোন লোম্নম্নে। করিনা! অনীমক লৈমনিংথৌগী থম্নায়নি। অহুগী থক্তা অঙাং মমন খংলবা

মশোয়নি। অনীগুশু পীবুক্ংগী ম্রিতম্লিবা অঙাংশু অমম্বা মাংবা ঙমদবা মখোযনি। লৈবাকী লোনচং পনথৈ লানবদি যাদে, লাম্লিঙ্ অাই পাজনশু লৈতে। নাইকোল ওংবী মুপীনি; অতুগী থক্তা মিপা মুপী অনীমক যুম্বান মতম য়ৌত্রি, চহি কুনগী মথানি। লৈবাক য়েংবা লৈবাকী মুম্বান মতম ঙাখক য়ৌদৌবা কুমজা কোজায় কোজায় ব্রাংনবি অনীমক।

কুইনা লোৎপা যাবা থবক্তি থোক্তে। মনিল থিম্ভং নাইরক-পদা লৈবাকী ঈথিল চঙঙকনি. ব্রাঙোম্লিংথৌ ফমদাগনি। মানা লৈত্রবদা পাম্লখোম্বনা নিংথৌ-লিক্লাং-লিকথোম ওইবা তারে. মৈতৈ কংলৈপুং কাংখোং চাইবা তারে। মনুংচনবা অঙম্বা থরগা নাপচিক্লা প্লাউশিল্লা লিন মাশু শিনবা চৈ মাশু তেক্তুনবা লৈমংিংথৌ অনীনা থৌওং অমা শীনথরে। থুমনচন্দ্র থাজাল চীংদা থৈথরে। ব্রাজোন-নিংথৌ মিশেল লাজোই চনথরে।

মত্তাং অনী ফাওবা কোলোয় মিংলোংনা লাক্লিবা অনীসে অতৈ কনা কনাশু নত্তে. ব্রাজোম্লিংথৌ মহাক্ত তুংলমচংকী মৈদিঙ্গু চরাইরোংবি শানৌ মহাক্ত চরাইরোংবং। ব্রাজোম্লিংথৌ ওইব-রাই মুংথিল ওইবা মত্তমদা খোংদাই মিত্তাই হায়দুনা মৈতৈ পুম্নাম্নবনা কোয়ৌ মুংশেল চাইবী ( কোয়ৌ মুংথিল চাইবী হায়না কোলোয়নথিবী পামহৈবা পোকপী নোংদম খীবীদুনি

লাইবকচাউবী অসে ঈচম নত্তে, থুমন চীথোংনি, পাপম-চদুনি। মাবু পোকপী পলেয়া চেংলৌ শকরাংলম্নবা মহাক নাইকোল ওংলমগত্রা। খংদে। লৈরাং মানা লৈচু পাজমত্রবা থাজাল

চীংঙ্গারমগত্রা ! অদুগু হায়বা ওমদে। মৈতৈপুংদনা নাই-নি, থাঙ্গাল চীংদনা লোইনি খুমনপুংগী সনা-ঈদো। অগুকপনি মীওইবা নংগী লাইবক !

২

খুমন-চন্থু লাইবকচাউবী থাঙ্গাল-চীংওংনা মপারী অমা কংলে। মহাক অসে তুংলমচংকী মৈদিগুণ্ডু পামহৈব-নি। মপারী চেংলৌ য়েংহৌনা মতম থরদং মুজা মাগী অরাবা শেনফবগুম ত্তৌরে। অদুবু কয়া কুইনিগুণ্ডাইনো ! অরাবদা মোনথাংনা শীরাংদগা তায়োম্না লেম্নু অমবী মুজানি। মপারীনা চাউরক চাউরক্লগা অহোই অহোইনা রাবহুম হেল্লক্লে। "নোংদমথীবী ঐগী খোয়জি নাপম্নান শাংপনা নারক্তা ইচাবু পুম্ফি নারোই-নাথম্বা তারত্রা" খুদাং পিকম নাই রানা লেলক্লে। লোম্নায়দবা মুংগী অরাবা য়াখোং থুম্না থম্মোইগী ঈ চুপ্পা হৌরক্লে। লাইবকচাওবী হিংলখিগত্রা ! হিংখিনি, মপারীগী তাকম অমা খংত্রি। কাঙ্গোই অসীনা তত্রেমখৈ ওয়া থোকনা থাখিনি। ওমদ-ওমত্রগা পারী কোঙ্গোই ওকথুন তারগদৌরিত্র ! তারোই, মাংহৈদবা মপারানি।

য়াঙ্গোম্নিংথৌ থম্রা ? থন্নি। রাত্রা ? রাই। কপত্রা ? কপ্নি। অদুবু থোয়াম্বা, থৌজিনবা নিপানি। নোংমা কোবা পুন্সিগী পুঙ্গোয় অয়াম্বা থোগী ঈচেলগা থোয়োয়না তাউহনা থোবাং থিরকপনা পোথানিঙ্গাই লৈ। অহিংগী তাংলৌদা থাইন-মৈশা লাং তুম্নাইদবা মোন্নাং তায়োম্না ওহাক কপ্নি, মমা লৈমনা পিনমৈ, কপা য়াদে।

···হুংশি মাগী শক্তাম্নক্লে পামু মাগী পিদাম্নক্লে য়াঙ্গোম্নিংথৌ.

অময-অঙাল-খায়বা, অচুম-অয়ান-য়াৎপা মিৎলম-চামা-ফাৎবা মালং-নোংলম মপু লৈ. য়াশক কাউফদে !

মৈদিঙঙ্ পায়খোম্বা নোঙাখয়ে, চয়াইয়োংবা ফম্বাল লাংলে। মশানৌবু পুমকাউ মকাউয়ব্রা। কাউদে। নিংথৌ ওইবা অয়াবনি। মাদি লৈবাক্কী য়ায়েন-চৈনি. চানিঙঙি, চানিংফদে, চানীংদে চানীং-দফদে, মুংশি মু'শিফদে, মুংশিদে মুংশিদফদে লৈবাক মাগী লোনচৎ কায়ফদে লৈবাক মাগী পোইরৈ শম্দফদে, নিংথৌপময় পল্লে। মী-চয়াইয়োংবা নিংথৌ-চয়াইয়োংবগী পোইরৈ ইল্লে। নিংথৌ ভম্বা অঙম্বগী য়ারক-হুইগং থাংলে। "নিংথৌ ননীং চৎফদে, পায়ম পুয়ম কায়ফদে. লৈবাক মাদা য়োনফদে, ভূংগী চারোম্দা লৈক্কে উৎফদে" "মীওইবা অমগী পুন্সিদি মদোম ওইবা নত্তে, মাংলম ভুংলম অমীগী অকা অকূম্নি" তত্তনা পাউমেল্লক্লে কোয়ৌ মশীং-য়াম্না উয়বশিংনা। মশানৌ লৌশিনবা যাত্রে. মপান্না কোন্সিনবা ঙমত্রে। মী, অসী উনা উনা ঐঃ মহায়রি !

নিংথৌ চৌংবুয়োই কোয়রক্লে, মপায়ী শকথংনয়ে। লৈবাক মাবু ফিবনা "হাও মচানি, মুংশিজুনা য়োক্কে ভৌবনি" পুয়ক্লে। মপা নিংথৌগী কোম্মুংদা ভুংলমচৎকী মৈদিঙঙ্ পামহৈবা হাও !

অসী নোংদগী নিংথৌকোন্দা হাওমচা লোইশং লিখয়ে। খুমন কমাগী থুজিন্না মৈতৈপুং নংগী ঈশেংনা ঈমাং সাগ্রবা !

খুমন পূঙ্গী সনা ঈ, মৈতৈ পূঙ্গী মীনাই ঈ, থাঙ্গাল চীঙ্গীনা মৈত্রেমা খুমনপুংদা পোম্লে মৈতৈপুংদা শাংলে, থাঙ্গালচীংদা লোয়য় ভমগ্র'বাই ! মপারীদনা কোঙোই হংলাক্লা ফারম্বনি। মাগী

হিংনিঙ্ঙাই করি লৈ! খুমনচন্দ্র লাইবক-চাউবী পুন্সি পিখয়রে, পুম্নোই লোইরে। আঃকেল্লবোইদো নহাক্কো ইম্নুং পুঙ্গোয় লান্দনা।

চরাইরোংবা মীনি। মাগী থম্মোইদি গীগীনি। নিংথৌ-পল্লা কনবনা মশা মনীং-তম্বা ঙমদ্রবগু থম্মোইদদি মুংশিববু মুংশিবা ঙম্মি। মশানৌ মাগী নোংদম-থীবী, নাউরা-ওইবা পুন্সিগী শান্নরোয় মথোক-কাবা ম•মগী চান্নরোয় (নাংদম মাগী থীবনা সনা-ঈনা নাই-ওইবী, লৈমা ওইনা লোইকূম্বী, তমগী চেক্লানা চীঙ্গোইনা পুন্সি পিথম্নখিবী নীংসংলক্লে, হীক্লা হীক্লা কপ্লক্লে, মুংগী মৈচাক মৈশা পান্দা ফাওরক্লে, অরাবগী শেনঙমদবা পুংফমদা; নীঙঙমদবা থম্মোইনা হীক্লা হীক্লা তেংথারক্লে অচুথৈ—

চীংদা শাংপ ইঙেনলৈ,
চিন্নদনা কেনখিবা
কল্লকইদে,
হা কল্লকইদে!

মশানৌ লাইবক-চাউবী মথংলেনগী তেংথাখোল তাবদা কোব্রৌ-নোংমদোল-থক্কগী লৈচিন-ফীরুক হাংচুমা মুংশি-মারৌ-পুক্লৌনা খোম্নাইদবা মরোম্না ছৈথুমজুবক্লে।

ঐনা কেনগে কেনবরা,
মালংবনা জুল্লগী
কেনবনিদে,
হা কেনবনিদে!

নিংথৌ থম্মোইখোন্না চাকখরে নোংদমথীবী মহাক্কী খমুম মাগী নোংদম্বু নীংশীংনা মথংলেন ওইবা মহাকপু ভান্নিঙভাই ওট হৈহল্লক্রে।

মালং ঐদি কদৌদে,

লৈরাং লৈখোক লোইবনা

কেনবনিদে,

হা কেনবনিদে!

চরাইরোংবা লৈরাং লৈরাল লৈরোয়নখিব্রে। অসীনি তাইবং মালংপাল।

৩

মৈদিঙগু, চরাইরোংবগী পুক্নি পম্ভু ঙঙমদাইনি। তূম্‌ক হাওভাও-রক্রে। নিংথৌ মশামক লান চত্তবা য়াদরে, চৎলে। পুক্নিগী অরোইবা লান-নি, লানশু ওম্রে। নাক্রে, খেরে, পুংগা শেনগা যৈ কোম্মুং তম্লক্রে। পংনা পাল্লি তাইবংপাল! মথংগী মিকুপ্তা করি থোক্ল-পদৌরি!

নিংথৌ মাগী দমক্তা হোগায়বী কোলোয়নরবী খোংনাং মাগী মখোংদা চরাইরোংবা নমঙানা পোথারে। মাগী অরোইবা মতম লাক্রে, মানা লংজনিঙভাই অচুম-অরান-য়াৎপা মপুনা কোরৌ মাগী কাপথরাং নোংদোন মাগী হৃদয়াং থাদরে।

চরাইরোংবা লৈরাং মৈচুক্ননিঙভাই পুক্নি মাগী মৈথম্নরে। অঙকপা মপুগী রায়েন্নি। লক্ষ্মে মাগা তায়োন্ননিঙভাই উপাল মানা শীংজং ময়ালাং উরাং থাইবোক-তা কাউথি থীরবা মিংনা হো-পায়-বী।

নীংথিজদরা মপুগী খুত্থা উ, ফজদরা চীম্নাইদবা খোর্জেংগী য়েক্লাইদবা লাটম্নিকী ময়োল—

খোংনাং চম্নাইরোংবা থাগোম্লক্লবনা মীংজং য়াওম ওই উম্নাং খাইবোক তাথি। ছকওমদবা মপুগী খোজাম্নি। উয়োল কংলে কৈদৌনি উয়োল ওইবা মহাক্কি। হাম্ন হাম্নগী মতমওম কোয়ো লৈচিন লাল্লীংনা অসুম হোজথি, হোজরি খোংনাংদো। অচৎ-অথোক পুম্বদা লীম্নি মাগী মিথৈয়োল খোম্নাইদবা ময়োম্না, তাক্নি লৈক্কনবা তাইবংদা অচুম্বগী লম্বী চৎনজাই। )

# মরোল
## পুনমচীং

কংলৈ—লৈবাক পানবা লম। কোরৌ অঙানবা—মুমিৎ। চেংলৌ শকা লৈচমগ্রে—লৈমুং চনখ্রে। খোন্নাইদবা—মখোল নাইদবী। মিংখ্রেরোল—মিংখোনবগী মরম।

১

খোয়জি-নাপ্প-য়াল— খোয় ময়াদা যান্দুনা। শাৎপনি—পোকপনি। কোয়ৌ—মুমিৎ। লস্ফে চৎপা—লস্বী অয়ানবা চৎপা। রাৱৈ চেল্লবা—রাখোল্লবা। লোইশিনগে—হাপ্তোকে। অকোং-রমদদি—অকোংবা মরমদদি। কংলামাংদা— কোমুং মমাংদা। ফৌরুংবা—উ মথল অমা। কাকযেল— উচেক মথল অমা। মরায় ভাগনি—মরায় চায়গনি। লৈহোং-লৈচাউনা— লৈবাক হোংনা চাউনা। লংহন্দুনা—কায়হন্দুনা। ইশানৌ—ইনাও খোমৈ-থকপা—খোম মমৈ থকপা। কোলোয়বিনিংবা— হায়বিনিংবা। শিদযাই নাদয়াই—শিদ-নাদনব য়াই। য়োল্লে—লাল্লে। কোয়ৌ নোংদা—নোংথক্তা। মালেম লৈদগু—লৈবাক থক্তগু। তাংজ লুওক্ক-গদবনি কোকথক্তা ওক্তফদে। পারম পুরমচৎনা— ইপা ইপুগী লোনচৎনা। কৌক্রুলাইখা-দা—কৌক্রু চীঙ্গী মখাদা। অকাযরম-অয়ানবা লম্বী। ইপা - অহন্না অঙাংদা কৌবা মিঙ্গৌ। করিনুঙ্গী—করি মরমগী। ইশাইগোল - ইযুম। লম্নাল্লম্মিবা— করিনা

চংলাম্লিবা। লুল—কোক্তা। হুংগাহুবা—কৈমি কোম্বুনো। মখয়াই লোক্তঙ্‌,প ভামহে—হায়খকে। কূমেল—মূ খাংগৌবা। ফুচলগে—কূহুংলা হাপতিল্লগে। পারেপ—মপাগী মরেপ। মিহুংখোং—খোং জমা। হৈথয়রগে—ঊচৈ হক্লা ছক্লা লোইরগে। মেইলাং—লোন। মরান—মহুম। নমঙা—মিংখৌগী ভাক্কথং। চয়োম—চাক ময়োম। নোংখয়ৌ—নোংঙাক্লৌ, হুমিং চ্লেমৌ। চিংবলম—ভম্বলম। ঊথুং—ঊশিং থুংকম। কন্নাপ্পী—কন্না তাপ্পী। ঊয়োম্‌ংলা—ঊশিং ময়োম মহুংলা। সলাপুংমাবগী—সলাপুংগী সিংখৌগী। লাইক্লাক লাইক্লোইফজে—লাইকলাংফদে। মখোমা—মখো লোহুনা।

২

চাম্লোকফম—ভিমফম। য়াঙাকম—য়াঙিপাকম। ঊরোক সমা—ঊশিংগা লোয়ননা। হাম্লোইনরবা—হাপোই হাপোইরবা। মতংনয়বা—মতং মতং ওইরবা। অহিক্লনা—হিক্লা হিক্লা। লাইজা ঊপাল লোংক—ঊশিং লোকে। পায়খা হুংদা—মহুক মহুংদা। খৌগ্রেমরবা—খবক্লা কয়েমরবা। ঊতোংনা—ঊশিং হৌংতুনা। চাংজোয়—চাম কোয়খা। খোংকে কমজাক হুল—খোঙ্গাল চাওনা থাংবা। হুংশি-হুতোল্লবা—হুংশিবনা পুক্লিং ওল্লবা। কোলোয়—মিং। থকয়েনা—থংয়ে য়েক্লুনা।

৩

লোং [illegible]—লোংহুনা মগহুনা। চৈথাং লোজিল্লজিনা চৈথাং লোজাগিল্লা—হুংশিনহুনা। খোজিং মিহুল পাংখ—ঊয়োম্পম। পায়জা হুংজেংনা—পুক্লাং হুডাইজবা। অলো পাকখনা—হকচাং

ওমদবনা। কোলোয় পাউশেওওু—পাউ শেংনা তম্মু। কৈরম—কৈ মাইকৈ। নোংমা কৌবা নোং—নোংমা মুমিত্তা। কোলোয়নগে—য়াওাংনগে। মুংথুক্কনা—পূক্লিং থুক্কা। চাকয়ায়জগে—চাক চাজগে। ঈ কায়না—ঈ কায়া। পীবুক—পূক্লিং। নুংদয়বা—নুংত্রেয়বা। শায়মচং—শাগী লমচং। নীথোয়কপা—ভুংগী।

## ৪

শাহোয়া—শানা হোন্দুনা। শায়ম—শাগী ময়ম। লাম্নম—লানগী ময়ম। পায়েপ পুয়েপ—মপা মপুগী খুভম। চইন্দমি তমজখিগে—চাকশিজখিগে। চয়াম চথয়রগনি—চাক চয়ায়হুনা রায়গনি। য়াঙ্গোন-নিংথৌনি—নিংথৌ মথংনি। তায়োয়া—তাই-নবা। পিথয়ৌ—পিদনা লোইনৌ। তেনথয়খয়ে—তেয়া লোই-খয়ে। য়াইবী—থয়ায়। খোংশালখয়ে—চংখয়ে। ঈন্নী—ঈন ময়ী। মিতম্বা—মমী লাকপা। মাপনবা—মাপল মুবা। লোংমি—লোংগী লোংদম। ঈথক্কা—ঈশিং থক্কা। তোয়োমখি—মতোল লোমখি। ওানখিবদো—থেংনখিবদো। মিংপাংনা—মমিং তাংহুনা। মিংশেয়া—মিংশেল থাংহুনা। নঙ্গোনা—নঙ্গো পোহুনা।

---

## অঙ্গোগী মৈ

লায়রোল—লাই মতমগী য়ায়ী। ইউবা—মকম অমগী মিং। চীঙ্গোং—নিংথৌগী ঈ। থৌগাই—থৌয়াং। শীংহল—শীংহনবা। মৈহম—মৈহম্বা। মৈ-শেং—মৈ অশেংবা। নোংদা—নোংদগী লাকপা। লাইরেল—নিংথৌরেল। পাথংব—মপা থংবা, পাথংদা

ইওই ওইবা। ফম্বাল-মৈ—ফম্বাল তোংবদা হৌবা মৈ। ফুরুপ—শাগৈ। খুনগুম খুম্থোক্লকখি—অরাংবদগী, অনেম্বদগী লাকখি। ঈভিন্নদবগী—ঈ তোঙাম্নবদগী। খোঙ্গেং—লাল। করোং-খুংকুম্ন-বনা—লম্মন খুম্নবনা। লেপত্রে হাই—শগাইদৌনা হাইবা। লৈতা মুংদানা—ঈংনা। ঈরাল—ঈ অতোপ্পা। ঈরোন-ঈভিন্নবা—চারৌ-মৌরৌনবা। মৈত্রবাক—নিংথৌ পুনবা মৈতৈ লৈবাক। ঈঙৌ—ঈশিং অঙৌবা। থাগোম্না—মথাদা কোন্দুনা। মমা তা—ঈংবা। নোংমনোং— নোংম-নোংমগী। য়াইফরমদা— য়াইফবা মরমদা। রাকোম্নবা—রারমগা কোম্নবা। য়ুমদিল—য়ুম তিম্নবা। য়াইফ-মৈ—য়াইফ-পীনবা-মৈ। লৈসেম—লৈবাক সেম্বা। মীথাং— মীমথাং। নীংজমল—নিংজবা মমল। মৈশেল—মৈ শেনবা। শায়োন—অওন-বা শক্তম। থোইখোটবা—অথোইবা। শেলোই—নোংমাইজিং। মৈপাল—মৈ মপাল। তোরৈনা—তোরৈ মতুং ইন্না চৎতুনা। ইপা-চা—ঈঙ্গৌ। নয়ু—নপু। খাম্বী—মৈ। মৈ-রি—মৈ অরিবা। খুথা—খুৎনা থাবা। মম্বরাই—মম্বা মতম। তাউনরাই—লাংবা মতম। তুংদাইবা মতুং তাইশিনবা। লৈরু—লৈবাক মরু। চুপমাবা—চুপ ফাবা। ঈরাল—ঈ অতোপ্পা। কোম্না—কোন্দুনা। [illegible]জাউ—হাইনা চাউনা। পারাল— মীপা। পাসাবা— ইপা ওইনবা। পুরাল—মীপু। পুসাবা—ইপু ওইনবা। মারাল—মীমা। মাসাবা—ইমা ওইনবা। পেল্লাল—মীবেল। পেল্সাবা—ইবেল ওইনবা। লৈতানিঙঙাইনি—কায়নিঙঙাইনি। নিংসামগনি—অরাবা নিংসা হোন্দুনা লেমগনি।

১

মোংবাল—অঙোম। ফুরবাল—ফুরাং। চক্রম—চক ময়াম। চীথম্-খায়ত্ম—লৈথোক লৈথিম। ঙানরশি—লাক্লেংবরমই। হীলাই-লাইসাইরশি—থিম্মোক থিঙিল ভৌরশি। লাইরমচংমা—লাইরী লীচংবা। বাঁরম—থৌরী লম। লাইরম—লাইরী লম। শীংথাবা—মশীং থাবা। লেলোই—চীং। হীরী কোন—হাবল তৌবা। লেরয়ম—লেরবা ময়ম। অঙোপানবা—অঙোম নিংথৌ। লুথায়—অথাই। যজিং মাবও—লুংশিনবও। থুমানবা—হৌনবা। কাবী—লাচোংথা। চাকহোংনথুনা—চাকচা হৈজাখিনথুনা। ঊরৎতুনা—ঊশিং থিংথুনা। ঙানৈরশি—ঙা কানশি। যাশা—য্বারক শাজে। অতানবা—অকাবা। লুতোন কানরে—থম থেংলে। ভামি অরশি—ঙাচীজাক ভইনরশি। ঙাতানবা—ঙা কাবা। যমায় থীরক থুম—মমায় থুমা। নোক্রেম—কয়েম কথায়নবা মনোক। থাংলোরি—থাজী মরেজম। খোয়দৌবাশি—খোয়ন্দৌ কানবা যাশি। নাপত্নরবা—নাপজম ভোরবা। হযনা—তপথনা।

২

য়াইবুং—অথোইবা পুং। হাক্লি—পানবা মতম্নি। পায়বা-ফুংহৌ কাঙমদা-পূক্লিং হয়াওবা কাঙমদা। ভিমেল—অতুথা। ভাপাক—অপাকপা। ভাথিনো—ভা খিংথুনা। লাউচোংনরক্লে—লাউথুনা চোংনরক্লে। লানঙাইথুনা—লান ঙাইথুনা। লাপ-যাল—লাপ্পা শোক্লবা লাল; লান-থাজনি—লান থাংথুনা লৈনি; লাম্থিংবা—লাল থিংবা; নোংদয়রবা—নোংখোং মাম্বা;

লাহোংনরি—লানশোক্লরি ; চেৎপায়না—চেৎনা পায়ত্থুনা ; থক-ওয়া—থক থক ওন্থুনা ; লৈকুয়া—লৈনা লৈনা কুত্থুনা ; লালোঙ্—লালগী মী ; থৌদ্—থুং ; থরুম—থক নবা ; থকঈমরক্লে—থক ঈহিল্লক্লে ; নমগা—নমগনগা ; লৈগা—লৈপাক্তা ; নমফানা—নমত্থুনা ফানা ; মোনথাংনা—মোন থাংত্থুনা ; লৈদা—লৈপাক্তা ; লাওভম-লালাউ—লাল ভম্বগী ললাউ ; ফীরাল মমায় চুম্বনা—মমাইবক লৈবনা ; লোইবি—চীং ; পলোল—পল মরোল ;

৩

মীচম—মী অচম্বা ; লমওংনবা—লমদা ওংবা ; নোংপোক-মায়গৈ ও'বা—নোংপোক মায়গৈ ভাবা ; লৈওং লৈভানা—লৈপাক্কী মওং মভানা ; পীবুকমুংদা—মবুক্তা ; নোংলেনগী—নোং মপীগী ; ঈপাল লোক্রবা—ঈশিং চারবা ; কুমগাইনা—থত্থুনা ; থৌগাই—মথৌ ; ঈমল—ঈ মমল ; মুংজেংলুগমু—রাক্লগমু ; মবুক্কিং মুংশিখিগনি—মুওভাইখিরোই।

৪

মযোয়োল—মচামুপী ; থোংলোয়—লোয়নবা মী ; মিংরাই-না—মিং লৌত্থুনা ; অচংবা—অকবা ; ঈথেংনা—ঈশিং থেংনত্থুনা ; ঈরায়া—ঈশিং লাম্বুনা ; কুয়াং—চহী; চহী কুয়োল—চহী মরোল ; থোংথেংনা—থোংনা চংত্থুনা ; ওংনরায়—ওংনা হৌবা ; অহৈবা—ইহৈ হকপা ; চৈজিংবসিংনা—পেনা থোংবসিংনা। ভেংথানৈ—ছক্কে। পোইরৈতোনগী খুম্বোক-লা—পোইরৈতোন-না খুম্বোরকপদা থাবা লা। পোংনাউতাগী খুম্বিলা—পোংনাউতানা খুম্বিরকপা লা।

খুখোক রাজী—খুখোমকপগী রাজী। পিরোয়নবা—পিগা কোয়বা। লৈতম—লৈ মতম। লৈকেনখি—লৈ কেনখিহনা। পাবুক—মশা ওটবা মবুক। পীবুক—মশা ওইবা মবুক। পাম্বা—কৈ। শাখেংবা—শা খেংনহনা। য়াংঙৌ—লখী। লম্নুক্লা—লখী মাংহনা। চীখোং—পোইরৈতোন। শমজি খায়—কায়নহনা। থংলেন—মপুরোইবা। মশানৌ—মনাউ সুগী। তেংথানাওইনা—কপ লাউহনা। তা-লোই—সুগী। হিংমাংনখি—হিংনা কায়নখি। তাইবং ওংবা—মীওইবা। মালং তাবা—পোকপা। নোংদা—নোংদগী তারকপা। লাইরেল—নিংথৌরেল। অয়াং কাংলৌ-লাইমকোল—অয়াংদা লৈবা নিংথিবা লাইগী মরোল। মীয়-নমু পোংখোক্লম—মী পোং খোক্কম। হুনজিং—চৌংগী মিং। চৌংমৈ—চৌং মমৈ। লিকয়াই—ঈম্বিল তুরেল। ইরম—তুরেল। তোরৈনা—তোরৈ মতুং ইন্না। থূনকুমক্রে—থূন কুমক্রে। মীয়াউথোয়া—মীনা লাউথগী খোঞ্জনা। মালং নোংলম—নোংথক মোংখা। মীপোম, মীবক—মীগী তাংথক। চৌংলম—চৌংগী লম। থাংবায় মৈহনা—লান তৌহনা মৈ-থাহনা। লোইগা থাইগা—লানফাগা মীথাইগা। পাক্কা—পাক্কা ফকহনা। লৈমিক লৈয়াক থম্না—থমীং থাইদনা। মীহৌ—মী হৌরকপা। লাইরম মংলাম্বিডেম—লাই নীংশিংডেম্বা। ঈথি-ঈতাবা—ঈ থিবা ঈ তানবা। ইচুমা—মনামবদা কৌনবা অয়াবা মিচৌ। ললখোই-মবা—লক্কেনবা। থাংবায়-তাতায়নবা—লাহেংনবা। চইৈ—ফি। মুক্তা লমখাই চা—মুক্তা ফিদায়নহনা। পুমচোমবা—পুমচোং চোংনা। ঈটেংবাহু—ঈশিং টেংগে টেংথকন। ঈমিক—ঈ মমিক।

## পোৎশংবম ৱাহংনাং

লাম্বঅখিবনা—মুখমনখিবনা। শিংনাইরবা—মতীং নাইরবা। মিংনাইদা মিংনাইখিবা—কাওদ কাওখিবা। তাবী, তারু, কাংবা, কাংখল—মিং। চৌওচ্—চৌংবী লমই। থাবা পাংকদম—বা য়োম্দা। নে-তাবা—খোয়দাবা লৈবা। [illegible]—[illegible] নাইরবা। ঈরৈ ঈনম—ঈশিংখা রৈবা নবা। শাগোমকলা—পোকপদ্রী কোমরকপ। মীয়মচৎ—মী মাগী লীচৎ। চীংজেংনারেক পাঙনবা—মিং।

১

রাইপুংহল্লগহুদনা—কংহল্লগচুমলা। লাকওইমরকদোয়ে—[illegible] লাকদোয়ে। মালংচৎনি—মালং লীচৎনি। লোম্বা—মতম্বা। উ ওংনবা—উদা হোৎবা। হেনম-থনা—[illegible]। চৈজিংমোয়—চৈজিংবা কাংলুপা। ফেংথানবগুম—[illegible]। মালং ঈচিক লোকে—হকচিক লাকে। তাইবংকোম্বানা—মীয়মদা লৈবা। লৈচুপ—লৈহী চুম্না। মীকোন-ওবী—মীওইমা পোকপী। নমজাউ তাবী—নমজাউদা শাৎপী। খোইমান—অতোপ্পা খোই। খোইওরুকদে—চাবকদে। খুংওবী—[illegible] [illegible]বী। পাদম—পাদম থাকন। লুকক—[illegible] লুকনা। থিজাবা—থিজুনা কাপকুনা। লৈশু—লৈরাং মথু। অংগবাই—অংবা মতম। খুংঙা—খুংগে কম্বানা। পংলোইনা—পংনা লোইহনা। পিথরবদে—পিনা লোইনরবদে। লৈত্রেনা—লৈতৈ লৈনা। লৈমদু—লৈতৈ কোচুং। খোংলৈ কামজাউ [illegible]—খোজাপ লাউনা থাংলকে। লেহাংবা—

চেপ্পা চেপ্পা থাংহনা। লানকৌয়বদি—লাজিংলবদি। মুংহোংনা—নবুক্লিং হোংহন। ভেনথয়বা—ভেয়া লোইবা। কৈদৌনোংদা—করিগুম্বা মুদ্দিত্তা। চৈপারকপা—মতম কয়কপা। চৈগুমলকপনা—মমায় চায়রকপনা। লাষ্টীবা—লান্দা মায়থীবা। পায়াইমনবা—কা হেয়া পাম্বা। শেয়োই চীখোঙ—নোংমাইথিং মখোং উঙানা—উদা ভাহনা। ভাংথক্লাইবা—অকা অকুম নাইবা। নীং কায়কদে—নীংবা কায়কদে। নোংমা—য়াইকবা মুমিং অমা।

২

মালংপাল—তাইবংপান। মৈয়েক্লরে—মৈশা হৈক্লরে। মুংদারকপদা—হম্বনা খয়কপদা। খোংনেংনা—মখোংনা নেং। নোঙুমক্লে—নোংথক্কগী কুমক্লে। তুইন তমগনি—লুহোংহিগনি। লাঙোল মাংথংনবদা—হেক থংনবা মাংগী মপোক্তা। পমুংদা—কোমুংদা। য়ুমণ্ডংনা—য়ুম্বান্দুনা। নোত্তিমখে—নোক্পা তিমখে। খোঙুল তাদনা—লৌশিং তাদনা। কানাইবা—কা নাইবা। মশাইগোন—ময়ুম। কৈদোংনা—কৈদোং ভোংহনা। লাংনা পাদম্বীনা—লৈপুন-লাইয়েম্মনা। পাদম লাক্কিথিরবনি—লৈপূন সেম্থিরবনি। রায়ৌ খুয়ৌগে—য়াখোকহনগে। মীয়াল—মী অভোয়া। লোয়ীন—তুং ইনবা। লংদানমিয়রকই—লংনাইমিয়রকই। লৈহোংনা—লৈবাক হোংতুনা। নোকচিক্লনা—নোক্পা চিকতুনা। রাভেয়খরে—রায়োইনখরে। কাইখৌবা—ঈয়াং পীবা। খোইয়ংনবগে—খোই লংনবগে। শাহুল—শাজং। পুক্লৌচাউবী মুংলৌয়গহু—রায়ৌচাওবী রায়ৌয়গহু। রাভেয়রে—রা লোইখরে।

৩

ইরুজীং-ইরো—ইরুপোৎ থাগদবা ইরোং। থোয়মি মৃংথেক—থোকখা লিনবা থামবা। করোংখুংখুব—লামন খুমদা। ইনাপা—ইশিং নাবা। চইব-লিনোল-কাংলপী, পোয়ুরি মিচল নাকেবী—মীকোনবা থাশিং মাপবী। থাপ্পা—থা ওসুনা। ইপোং—ইশিংগী কোং। ইথোং—পান মথোং। কুকওজবা—ফুকপা ওমবা। ইমরু—মা—ইশিং মমারদা। লৈশেককুলা—লৈপাক শেককুনা। লৈনয়ে—লৈপাক নয়ে। থিঙওমজবা—থিংবা ওমজবা। লাইজা ইপান লাফে নীং—ইকজগে নীং। কৈরা—থোংগ্রা। মীতৈ নুংথৈনা—মীগা মীগা থৈনা মীগা নুংগা থৈনা। উঁরম—উ ময়ম।

৪

লৈথাকয়বা—লৈথা তাকয়বা। খুন্দা—খুন তাদবা। নীং-থোয়কপশিংবু—মতুংদা পোক্কপশিংবু। য়াংনা—য়াংকুনা। মরেং মরোল নাইনা—লেং মথং মনাও থায়না। শারোল—শা মরোল। লারোন—লাল মরোল। শারোয়না—মশা য়াওনা। [illegible]-নবা—লৈবাক তারবা থীনবা। লম থাখয়গে—লম লৌকতনগুগে। মতাল ফংবা—অথওবা। কংলৈ কোইবা—কংলৈ পূবা লাই। লুপুময়ে—কোক্তোম্লা পুয়ে। থৌরীনয়বা—থৌরীওম চাউবা। মরৈনবদা—মরৈ মরৈ তাবদা। থোওলয়কে—থোওদা লাকে। লৈথীমা—লৈবাক থীন্দুনা। লানফী—লানফীংবা। কোক্তাকগনি—কোয়া তাকনি। লায়োংগি—লানগী মুওচিদি। ফাকয়রবা—পুরবা। লোংওকয়ে—লোংবা ওকয়ে। ফংশোয়নরকে—চিংনরকে।

লানথ্রেরবনো—লাল তৌহনা করেম্নবনো। নুংছল—নুং মছল। মিংথৈনরবনি—কৌনরবনি। ঈরান, ঈতোপ—অতোপ্পা ঈ। ভারা চীংজেং, ভাঞ্জম চীংজেং—চীংজেং অমম্ভী মিং। পনগোয়বা—পন ওইনা কোয়বা। চোংনায়া—চোংনা লান্দুনা। উথি উয়ানবা—উ থিহনা য়ানবা। মরোমদোয়া—মতোমদনা। কাজং—অকংপা শেল। ভাইওইনা—লৌহনা। পম্বুংনরকদৌরে—থুংনরকদৌরে। পো-শীন—পোশীন্দুনা। পানাইদবা—মপা লৈতবা। চাকতোন-ঙ্কিদোন—শেংপা চাবা থুংদনা। থৌরোইনবা—থৌদাং পুবা।

৫

মিংথকনি'ভাউ—মিহৌনিংভাউ। পৈালোউরমদাউগী—শিরমদাউগী। মায়ওয়া—মমায় ওন্দুনা। পায়মা মুংহিকপনো—থম্মোউ হীক্লা কম্মনো। নোঙ্গানিংভাই—নোংথক কানিংভাই। অচিক্লা—হিক্লা হিক্লা। ওম্ববলম—তাবলম। থুয়োইকম—থুনাম লোইকম। খোঙলোইকম—খোঙথাং লোউকম। মুংদা—মবুক মমুংদা। তম—মি তম। তমদা—তম্বাক্তা। হৌ—খোঙহৌ ওউ। মায়ম—মনা মরম। পূকয়োক্লা—পূক য়োকহনা। ঈহাম্বা—ঈ হাম্বহনা। নিংসানা—নিংসা হোয়হনা। খোমইন তমখিবী—খোম ইনখিবী। থৌরাংলম—থৌরাংবা লম। কানজোংনা—কায়া চোংহনা।

৬

মখোনরকপা—মখো পোহনা পুরকপা। থিমকাওনা—থিংগাইনা কাওহনা। মুংপাউনা—ঈপা কাউনা। থুনামকম—থুনাম

ভাকম। য়াকুমকম — হজিনকম। য়াখোকপুং— পোক্রকম। পায়মচুং—খম্মোইচুং।

---

## ঙাঙোম ফুরা

চংলম - অচংপা মরম। লেপ্রম — অরেম্মা মরম। মালংনৈ—ভরংনৈ। ঈরাউখোয়োয়— ঈরাউখোল লোয়নবা। শৈরাং— ঈশৈ লাংবা। তাঙবরা—তাঙবল ওইনা কম। ঈওক্লা—ঈচিক ওক্লা। মিংলম—মিং মরম। তেংথা লোনথমনা — থানিংঙাই লোন লৈভবা। শৈদারিবশিংগী — ঈশৈ ভারিবশিংগী। তেংথাজবা—শকচবা। ফুংঙোলম—পুক্লীং ওনবা লম। তুজুংলম - হরাও তুজুংবা লম। নাথ্ প্রিয়িত্রা —নারক থ্ থা লৈরিত্রা। কোক্রম—কোক মরম। ঈয়োয়নবী—ঈশিং চেনবী। কুমগাইনা— থানা। পাক্কেনা - পাক্কা তৈহনা। মৈয়োয়নবী — মৈশা পুবী। ঈচুপা—ঈশিং চুপতুনা। থকহনা— থক থক হ। লৈনাইদে—লৈবা নাইদে। ওঙনাইদে—ওঙবা লৈভে। মীরমদা— মী মরমদা। খোঙমুংনৈ—খোঙকম মুংনৈ। মদোয়ৈ—মতোমদা তাই। পাঞানৈ—পাঞা ওই। লমওঙনৈ—লমদা লৈ। লমজানৈ, সায়ানৈ— লমজা সায়া ওই। কম্বাল লাং—নিংথৌ [illegible] তাঙবল নায়া য়া— লৈমা ওই। নুংহী লৈবা— নুং মহী চেনবা। চাংগোয়নবা— পাউ-তাক্লবা। খোয়দানবা—লৌনবা। লৈপায়োম—লৈবাক পানবগী লোনচংনা। ফুরুপ মদোম-পাল্লমচং—শাগৈ মথন্দা পানবা মরম চংপা। লৈতাপাল্লম তানবা— লৈতানা পানবা থিবা। তেংথায়োন্দুম—

[illegible]-[illegible]। ময়াপুয়ানা— লিংথৌয়োয়া চিংবা লাইচিংদা মিংজয়বননি— মিং য়াওবননি। ঈকায়মক—ঈশিং কায়কপা। থকায়নবগুম— ঈথক থক্না কায়নবগুম। শাগোয়বা— হকচাং কোয়বা। লালোয়-নবা— [illegible] [illegible] ভাইবা। ওইয়ায়া—ওই ওইনা য়ানবা। কমথী—থাংগী মিং। কিয়ুনবা—কিয়ু শেংপা। থপ্কুপ নোংথাং-খোঙলোয়নবা খোঙ্কুং নেমকুইননা—নখোঙ কুংনা নেম্না কুইনা থপ-কুপ কুপ্না নোংথাং চেনবা। নিংথৌ কিয়োইনবী— নিংথৌ পোৎলোইগী শেংপী। য়াজোয় শয়াং নেং—শগোল ভোংচুনা। লাঙ্গাবা—লাল চাবা। শঙজয়ে—ফাজিয়ে। শাজুম্বা- শাথীনা চুম্বা। লানচুম্বা— লাম্থিন্ শানবা। পূমদাবায়— পূমদানবা। ঈহৈনা— ঈশিং অশেংবা হৈচুনা। লাইথেমজৌ— লাচৌ। লংহিং থাবো—লংহিং থাংবা বামন। ভিনকোক লাইকোক্লোই- অনাবা ফয়োই। পাকল মরী শীনবনা—পুক স্নবনা। পাকনবা—পরিং লাংশিং থাবা। লাজোনবা— য়োকপা। শায়োনবা— শায়োন ভোবা। শকয়াম্বা - শক মরোল য়াম্বা।


---

## খোংনাং হোপায়বী

মিজয়ে—মমি লাক্লে। কুবিশি—শীনশি। পোইরে—মওং। ঐ য়াংবপা—ইশা নীংবা। ঐজমিংভাইরিনি—নাপাল কায়নিংঙাই ওই। য়াবকলোম—[illegible]-লাইমিক।

১

[illegible]খোং— নিংথৌ শাবে। [illegible]-[illegible]— [illegible] [illegible]




খূদোন। কুম্নোয়নবা—মতমগী ওইবা। লোয়ীন্নি—থৌগলনি। লৈমিত্তম—লৈশক তমহুনা। নাইকোম্বুংদা—মীনিহি। কোক্কা পীবুক্কুংগী চাদা শা—মচা পোকপা শা। খানাইদবা—মপা লৈত্তবা। কূম্বানলাংবা—মতম মপাল চাবা। শায়রোয়—শায়মিয়বা মক্তপ। মেন্দহুম—কম্বালদহুম। কথৈনা—কথৈ কমহুনা। খোত্তম্বা শোয়—সুংশিজবা মরূপ। সুংহাগন্নু—পূক্নীং হাগন্নু। সুংথম্না—সুংদা লোই। শয়ীন্নি-য়াশক্লি। কোয়ৌ মাগী কাপথয়াং নোংদোন যাগী হুম্বরাং—নোংমৈ শীংজং। মিত্তম্লিবা—মক্ক হুন্নিবা। নিংথৌ-লীক্লাং লীকথোম—অয়োইবা নিংথৌ। চেংলৌ শকয়াংলম্লবা—মশক থীয়ম্লবা। লৈচু পান্নমত্রবা—লৈচু কজন্নমত্রবা। চীংদায়মগত্রা—চীংদা তায়মগত্রা।

২

চীংওত্তনা—চীংদা লৈহুনা। নায়োই-নাথম্লবা—নায়ক্তা লোই-বা, নায়ক্তা থম্বা। পিনম্লে—পি নল্লুনা থেম্লে। শক্তাম্লক্রে—শক কাউশিন্নক্লে। পিদাম্লক্রে—কপ্পা তাম্বশিন্নক্রে। নোজাপ্রে—শিব্রে। নিংথৌ পন্না—নিংথৌগী পন্না। কোয়ৌ মশীং য়াম্না উয়বশিংনা—অহল ওইবশিংনা। চীংবুমোই—চীংগী লোইকম। সনা ঈ—নিংথৌ মচা। মীনাই ঈ—মীনাই মচা। চীজোইনা—চীং কোইহুনা। নীংশীংনা—নীংশীংহুনা। লৈয়াল—লৈ অত্তোম্না। লৈযোম্লনথিত্রে—লৈগা মরূপ ওইথিত্রে। তূম্বূক—হাওথুল অম। নমত্তানা—মনম-গম্না ত্তাহুনা। মৈথম্লয়ে—মৈশা লাংনা লোইনয়ে। শীংজং ময়ালাং—শীংজং ময়া চা। উয়াং—মউ। থাগোম্লকবনা—মথাদা কোম্লুবনা। শীংজং য়াত্তম ওই—শীংজংগী য়ানত্তাই ওই। লানশীংনা—লান-শীংনহুনা।

---